# অনৌবা মণিপুরী ৱারেং- শৈরেং

## এম আই এল ফাইনেল ইয়ার হাইয়ার সেকেণ্ডারী ক্লাশ

*খোমজিনজবা*

ঙারিয়ানবম ইবেতোম্বী

থেঙ্গুজম কালাচান্দ

অক্রম ড° চন্দ্রমণি

ওইনাম নয়নমণি

আসাম হাইয়ার সেকেণ্ডারী এডুকেশন কাউন্সিল

গুৱাহাটী

**ANOUBA MANIPURI WARENG-SHOIRENG :** *A textbook of Manipuri MIL, for Class XII, prepared/approved by Assam Higher Secondary Education Council and published by the Assam State Textbook Production and Publication Corporation Ltd., Guwahati on behalf of Govt. of Assam.*

**FREE TEXTBOOK**

© Assam Higher Secondary Education Council

First Edition : 2011
Second Edition : 2018

Printed on 70 GSM paper

Cover paper : 165 GSM

**ALL RIGHTS RESERVED**

- No part of this publication may be reproduced, stored in a retrieval system or transmitted, in any form or by any means, electronic, mechanical, photocopying, recording or otherwise without the prior permission of the publisher.

Cover artist : Bhaskar Jyoti Dutta

Published by : The Assam State Textbook Production and Publication Corporation Limited on behalf of Govt. of Assam for free distribution.

Prepared by : Assam Higher Secondary Education Council, Bamunimaidam, Guwahati

Printed at : Capital Offset Press
Dhirenpara, Guwahati-25

# ৱাহৌদাক

আসাম হাইয়ার সেকেণ্ডারী এডুকেশন কাউন্সিলনা শিন্নবিরকপা মতুংইন্না ‘অনৌবা মণিপুরী ৱারেং শৈরেং’ (এম. আই. এল. ফাইনেল ইয়ার হাইয়ার সেকেণ্ডারী ক্লাশ) কৌবা লাইরিক অসি পুথোকচরি। লাইরিক অসি National Curriculum Framework- 2005 গী গাইদ লাইনবু কুপ্পা খন্নজরগা মসিগী মতুং ইন্না পুথোক্লবা হোৎনজে। হান্ননা তম্নরম্বা লাইরিকশিং, কাউন্সিল অব হাইয়ার সেকেণ্ডারী এডুকেশন, মণিপুরনা ফোংবা ‘অপুনবা মণিপুরী ৱারেং শৈরেং’ (এম. আই. এল. ক্লাশ-XI অমসুং XII) লাইরিকশিং অমসুং আসাম হাইয়ার সেকেণ্ডারী এডুকেশন কাউন্সিলগী অতৈ তম্নলাইরিক মরূ ওইনা অসমীয়া অমদি হিন্দিগী সিলেবসনচিংবা কয়াসু নৈনজখি। অনৌবা সিলেবসকা চান্নবা, মহৈরোইশিংনা খঙবদা কান্নগদবা হীরম কয়াবু খন্নজরগা লাইরিক অসিদা হাপচরি। লাইরিক অসিনা মহৈরোইশিংদা খরদং ওইরবসু কান্নবা পীবা ঙমলবদি হোৎনজমনগী মহৈ য়াল্লে হায়না লৌজগনি।

ৱারেং, শৈরেংশিংদা শিজিন্নরিবা বনান অয়াম্বা অইবা, অইবী মশা মশাগী অদু অদুম থমজরি। অদুম ওইনমক বনাননচিংবা অতৈ অশোয় অঙাম য়াওরম্বা থোক্লবসু তাকপীগনি। মদুপূম্বা মথংগী খূৎনমদা চুমথোক্লবা হোৎনজগনি।

খোমজিনজরিবশিং

# য়াওফম তাকপা

## (অহানবা শরুক)

### ৱারেং


| | হীরম | অইবা | লামায় |
|---|---|---|---|
| ১। | কলা | দ্বিজমণি দেবশর্মা | ৯ |
| ২। | মণিপুরী লোকসাহিত্য | অশাংবম মীনকেতন সিংহ | ১৭ |
| ৩। | হৌজিক্কী মণিপুরী ৱারেং | এলাংবম নীলকান্ত সিংহ | ২৩ |
| ৪। | মৈতৈ নুপী | এস. কৃষ্ণমোহন সিংহ | ৩১ |
| ৫। | আসাম অমসুং অসমীয়া লোন | বিরিঞ্চি কুমার বরুৱা | ৩৮ |
| ৬। | ইলিশা অমগী মহাও | নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ | ৫১ |
| ৭। | হৌজিক্কী সমাজদা বৈজ্ঞানিকশিংগী থৌদাং | আই. এস. খাইদেম | ৫৯ |


## (অনিশুবা শরুক)


| | | | |
|---|---|---|---|
| ১। | এডোলেসন্স এডুকেশন | ৱাংখৈময়ুম তোমচৌ সিংহ | ৬৯ |
| ২। | ভেলু এডুকেশনগী তঙায়ফদবা | ঙারিয়ানবম ইবেতোম্বী সিংহ | ৮০ |


## (অহুমশুবা শরুক)

### শৈরেং


| | | | |
|---|---|---|---|
| ১। | পি-থাদোই | খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহ | ৯৩ |
| ২। | মৈতৈ চনু | লামাবম কমল সিংহ | ১০০ |
| ৩। | পুন্সি হিদোম | হৱাইবম নবদ্বীপচন্দ্র সিংহ | ১০৬ |
| ৪। | কমলদা | অশাংবম মীনকেতন সিংহ | ১০৯ |
| ৫। | মণিপুর | এলাংবম নীলকান্ত সিংহ | ১১৫ |
| ৬। | লৈ-লাংবা | লাইশ্রম সমরেন্দ্র সিংহ | ১২১ |
| ৭। | কৈরাক | নোংথোম্বম শ্রীবীরেন সিংহ | ১২৯ |
| ৮। | মঙাল | শগোলশেম ধবল সিংহ | ১৩৩ |
| ৯। | ইতিহাসকী তিনশিল্লবা মনম | সৌগাইজম ব্রজেশ্বর সিংহ | ১৩৬ |
| ১০। | মেরা থাজ শকহেনবী | খৈরুদ্দিন চৌধুরী | ১৪১ |

ব্বারেংগী শরুক

# কলা

**শ্রী দ্বিজমণি দেবশর্ম্মা**

*(**শ্রী দ্বিজমণি দেবশর্ম্মা** ১৯০২ দা উরিপোক নাগমপাল ইম্ফালদা পোকই। মতীক মগুণ লৈবা সাহিত্যিক অমদি কলাকার অমনি। অহানবদা Deputy Inspector of Schools ওইরম্বদগী D.M. কলেজগী প্রিন্সিপাল ওইখি। মহাক মমিং চৎপা পণ্ডিত অমসুনি। মহাক্না ইরম্বা লাইরিকশিংগী মনুংদা 'Anglo Manipuri Dictionary', 'Hindi to Manipuri and English Dictionary', 'মণিপুরী ব্যাকরণ' শীংথাবা য়াই।*

*কলা হায়বা ৱারেং অসিদা লেখক্না অপাকপা অমসুং পিকশীনবা অর্থদা কলা কদায়বু কৌবগে, তন্ত্র-শাস্ত্রগী মতুংইন্না কলাগী মশীং কয়া শুবা অসি ইবগা লোয়ননা কলাগী খুদমশিং পীরি। লেখক্না মখা চত্থরকই মদুদি- কলা হায়বসি মীওইবগী ফজবা পাম্বা পুকচেলদগী থোক্লকপনি। Plato অমসুং Aristotle গী মোৎতা কলা হায়বসি মতৌ তম্বা (অনুকরণ) অমসুং ৱাখন্না শাবা (কল্পনা) দগী পোকপনি। মহৌশাগী মতৌ ফনা তল্লবসু কলাকারনা শেম্বা পোত্তা অনৌবা খরা উৎপা ঙল্লবদি মহাক্কী মগুণ চোঙথোরকই। অনৌবা উৎপা ঙম্বগী শক্তি অসিবু প্রতিভা কৌই। কলাগী মরু ওইবা শরুক্তি ফোঙদোকপনি। ফোঙদোক্লবা পাম্বে (খুদম ওইনা সাহিত্য কলাদা ৱাহৈ) অদু পুক্লিংহূবা ওইদ্রবদি কলা ওইবা য়াদে। কলাকারগী মথৌদি মাগী সমাজগা মরীলৈনবা মও ংগী পোৎ পুথোকপনি। মদুগা লোয়ননা হেন্না ৱাংবা কলাগী মহাউ তংহনবনি। কলাকার অমনা সার্থক ওইগে হায়রবদি মহাক্কী প্রতিভা লৈগনি, শাস্ত্রগী জ্ঞান লৈগনি অমসুং কলা অদু অভ্যাস তৌগনি। তোঙান তোঙানবা কলাশিং চাংদম্নদুনা য়েংলগা লেখক্না হায়রি সঙ্গীত কলানা অতৈ কলা পূম্নমক্তগী ৱাংবা হেল্লি।)*

অপাকপা অর্থদা কলা হায়রগা প্রকৃতিগী মহৌশাগী লৈরম্বা পোৎ নত্তবা

মীওইবগী হৈশিংবগী মতৌদগী থোকপা মহৈবু খঙনৈ। খরা পীকশনবা অর্থদা ললিতকলা (Fine Art) হায়রগা খঙনবা অমসুং পুক্নীংগী কল্পনাদগী থোকপা মহৈশিংবু খঙনৈ। তন্ত্র শাস্ত্রগী মতুং ইন্না কলাগী মশিংদি ৬৪ নি। ঈশৈ শকপা, পুং য়ৈবা, লাই য়েকপা, জগোয় শাবা, মূর্ত্তি শাবা, য়ুমশাবা, কবিতা লেংবা অসিনচিংবা অসি কলানি। মখোয়শিং অসিদগী অমমমবু লৌখত্তুনা নৈনবদি মফম অসিদা ওইথোক্ত। অদুনা পূন্নমক্কী ওইনা চাওরাক্না নৈনবগী প্রস্তাব তৌরি।

মীওইবগী ইতিহাস অসি মীওইবগী ৱাখন্না শেমগৎলকপা হৈশিংবগী মতৌগী পোৎনা পিকথল্লি। অতৈ জীবগুম্না মীওইবদি পুকথন্না চাননবা পোৎ লৈরগা পেনবা ঙমদে; নোং-নুংশিৎ অমসুং নুংশাদগী কন্ননবা মথক কুপ্পা খাংপোকশং অমা লৈরগা পেনবা ঙমদে। মীওইবনা বস্তু জগত্তদা ঙাওদুনা লৈতে। ঈশ্বরনা পীবীরম্বা মহৌশাগী ফজবা পোৎ ময়াম অদু উরগা মখোয়গী ৱাখলনা ফজবা পোৎ অতৈ পুথোক্লবা হোৎনরক্লি। ফি শেৎপা মতমদা ফজনা শেৎননবা অমসুং ফজবা ফি শেৎননবা হোৎনরক্লি। চাননবা পোৎ থৌরাং তৌবা মতমদা ফজবা অমসুং অফবা পোৎ চাননবা হোৎনরক্লি। য়ুম শাবা তারবসু মথক কুপ্পা পোৎ অমা লৈরগা পেন্দদুনা ফজবা য়ুম শাননবা হোৎনরক্লি। ফজবা মূর্ত্তি অমা উরুরগা নত্রগা খল্লুরগা মদু য়েক্তুনা অতৈদা উহন্নবা হোৎনরক্লি। ঈশ্বরনা শেল্লবা জগত্তা তাবদা নুঙাইবা খোল ময়াম অসি তাবদগী মীওইবনা সঙ্গীত পুথোকখিবনি। মতৌ অসুম্না কলা অতৈ অতৈ থোকখিবনি। মরু ওইবদি 'মীওইবগী ফজবা পাম্বা পুকচেল অসি লৈবদগী কলাশিং অসি থোকখিবনি'। মহৈশিং অসি হৈবা মীওইবনা জীবশিংগী মরক্তা অসিগুম্বা ফীভম য়ৌখিবনি, মদু ঈশিংদা কংফান্দা নত্রগা অতিয়াদা লৈবা জীব পীন্নমক্না কদৌঙৈদসু য়ৌবা ঙমদ্রিবনি অমসুং মীওইবগী মখাতা পোন্দুনা লৈরগদবনি।

Plato অমসুং Aristotle গী মত মতুংইন্না কলা হায়বা অসি মতৌ তম্বা (অনুকরণ) অমসুং পুক্নীংনা শাবা (কল্পনা) অমসুং অনী অসিবু ফোঙদোকপদগী কলা থোকই। ঐখোয়না উদুনা লৈ, কলা হায়বসি প্রকৃতিগী চপচানা মতৌ তম্বদি নত্তে। কলাকারনা প্রকৃতিগী পোৎকী ফজবগী মতৌ

অদু উরগা মহাক্না অনৌবা পোৎ অমা ওইনা পুথোরকপনি। মহাক্না পুথোরকপা পোৎ অদু প্রকৃতিগী পোৎ অমগা মান্নরবসু মহাক্কী পোৎ অদুদা মহাক্কীতগী ওইবা মতৌ অমা লৈ। অদুনা কলাকার অমনা করিগুম্বা অচুম্বা পোৎ অমা উৎপা মতমদা ইতিহাসনা তৌবগুম্না ইকোক কোকপা অচুম্বা অমা ওইনা উত্তে; মদুগী মরমদা লৈবা মহাক্কী পুক্নীংগী ফীভম অদু উৎলি। অদুনা Aristotle না হায়রম্মী 'Truth of poetry is greater than truth of history'। কলাকারনা শেম্বগী থবক তৌবদা প্রকৃতিগী মতৌ তম্লবসু মহাক্না সেম্বা পোত্তা অনৌবগী মতৌ খরদি শোয়দনা উবা ফংই। মদুদনি কলাকারগী গুণ।

পুক্নিংনা শাবা (কল্পনা) দগী কলা থোকই হায়খ্রে। কল্পনা হায়বা অসি করিনো? সাধারণ ওইনা সাহিত্যদা কল্পনাগী অর্থদি পুক্নীংনা শাবনি। কলাকারগী কল্পনাগী শক্তি অসিদি অনৌ অনৌবা পোৎ পুথোক্লবগী বুদ্ধিনি। কলাকারগী অনৌবগী মতৌ অমসুং মশাগী ওইবগী তোপ-তোপ্পা মতৌ উৎপদি মহাক্কী কল্পনা শক্তিগী মখা পোনবনি।

মতৌ তম্বা অমসুং পুক্নীংনা শাবা পোৎকী ফোঙদোকপা অসি কলাগী মরু ওইবা শরুক্নি। ফনা ফজবা পোৎকী মতৌ তমসনু, ফনা ফজবা কল্পনাগী মওংসু ওইসনু, মদু ফোংদোক্লবা পাম্বে অদু পুক্নীং হুবা ওইদ্রবদি মদুনা কলাগী পোৎ ওইবা য়াদে। ইংরাজী কবি Shelley না কলাবু কল্পনাগী ফোংদোকপনি- "Expression of imagination" হায়রমই। কবি অসিগী মত্তা মতৌতম্বা অমসুং কল্পনাদগী মখোয়গী ফোঙদোকপগী থবক অদুনা হেন্না কলাগীদমক্তি মরূ ওইবনি হায়বনি। Words worth নসু ৱাহৈবু ৱাখলগী ফিজেৎনি হায়বদা য়ারমদে। মহাক্না ৱাহৈবু 'Incarnation of thoughts' নি হায়রমই।

কলাদা কলাকারগী মশাগী ওইবা তোপ তোপ্পা মতৌ লৈরবসু মদুদা সমাজগী ওইবা মতৌ অমা নীংথিনা উবা ফংই। কলাকারগী কলাদা মহাক্কী সমাজ নত্রগা সম্প্রদয়গী মওং-মতৌ অমসুং ফীভম অদুগা সমাজ অদুগী সংস্কৃতি অমসুং পুক্নীংগী ফীভম পুন্নমক অসিগী মমি য়াম্না নীংথিনা তাই। মদুতদা কলা অদু সমাজগী মনুংদা চৎনবা অমসুং পান্নবা ওইরিবনি। কলাকারনা মরম অসিনা সমাজগা মরী লৈনবা পোত্তমক উৎননবা হোৎনরিবনি। সমাজগা

মরী লৈনদবা পোৎ অমত্তং উৎলুবদা অফবা কলা ওইবা য়াদে। কলাগীদমক্তা কলা লৈনদবা পোৎ অমত্তং উৎলুবদা অফবা কলা ওইবা য়াদে। কলাগীদমক্তা কলা 'art for arts sake' হায়বা মত চৎনবা য়াদ্রিবসি মরম অসিননি।

অমরোমদা অমুক, কলাকারনা মহাকপু য়োকপীরিবশিংগী পাম্বতমক য়েংদুনা শেলগীদমক্তা কলাবু ললোন পোৎ অমা ওইনা শীজিন্নরবদি কলাগী হন্থবা ওই। কলাকার অমগী মথৌদি মহাক্কী সমাজগী পোৎকা মরী লৈনবা মওংগী পোৎ পুথোকপনি। হেন্না ৱাংবা থাক্কী কলাগী মহাউ তংবা ঙমহনবা অসিসু মহাক্কী মথৌনি।

কলাগী উদ্দ্যেশ্যদি ফজবা পোৎ শেমগৎলগা রস ফোঙদোকপনি। ঈশৈ শকপা হৈবা মী অমনা মহাক্না ফোঙদোক্লীংবা রস অদুগী মতীক চাবা রাগ খল্লগা মহাক্কী কল্পনাদগী থোকপা মখল-মখাগী মওংদা রস ফোঙদোকই। মহাক্কী ঈশৈ অদু তারগা তারিবা মীগী নুঙাইবা পোকই। লাইয়েকপা মীনা য়েক্লিবা লাই অদু উরগা লাই অদুনা ফোঙদোক্লীবা রস অদু অউবা মীনা খঙবা ঙমই। অসুন্না কলাকার অমনা মহাক্কী পুক্নীংগী ঈথক অদু ভাবককী পুক্নীংদা হাপচিল্লগা চপ মান্নবা পুক্নীংগী ফীভম পোকহনবা ঙমবা অদুতদা মহাক সার্থক কলাকার অমা ওইগদবনি।

কলাকার অমনা সার্থক ওইগে হায়রবদি মহাক্কী প্রতিভা লৈগদবনি, শাস্ত্রগী জ্ঞান নীংথিনা লৈগদবনি অদুগী মতুংদা অভ্যাস তৌগদবনি। খুদমগী মশক ওইনা সঙ্গীতকী প্রতিভা লৈবা মীনা অহানবদা সঙ্গীত শাস্ত্রগী মপুংফাবা জ্ঞান ফংনবা গুরুগী নাক্তা ফমগদবনি অমসুং মতীক-চাবা লাইরিক লাইশু পাগদবনি; অদুদগী অভ্যাস তৌগদবনি। কলা অতৈগী মরমদসু অসিমঙাই। অহুম অসিগী মরক্তা অমা ৱাৎপদা কলা মপূং ফাদে। অহুম অসি অমগা য়াম্না নক্লে, অমগা অমগা থানবা য়াদবা মরী লৈনৈ। খুদমগী মশক ওইনা ঈশৈগী প্রতিভা লৈতবা মীনা ঈশৈ শকপা হৈনদে অদুগা ঈশৈ হৈতবা মীনা ঈশৈগী শাস্ত্র নীংথিবা খঙবা ঙমদে। মরম অসিননি কলা অয়াম্ববু থবক্কী মহৈ (Practical Art) কৌরিবা। থবক য়াওদনা কলাশিং অসি খঙবা ৱাই। কনাগুম্বা জগোইশাবা হৈতবা মীনা জগোই হৈ হায়দুনা মদুগী মরমদা ঙাংলবদি মহাক্কী মরমদা চেকশিনগদবনি। ঈশৈ

শকপা হৈতবা মীনা ঈশৈগী মরমদা ঙাঙলবসু মদুমঙাই।

কলাশিং অসিগী মরক্তগী খরদং লৌখত্তুনা অমগা অমগা চংদম্নদুনা য়েংবা কান্নবা ওইগনি। ঈশৈ শকপা অমনা স্বরগী পাম্বৈনা রাগগী সৃষ্টি তৌই, রাগগী মতেংনা রস ফোঙদোকই। চিত্রকার অমনা রেখা অমসুং মচুগী পাম্বৈনা চিত্র য়েক্তুনা রসকী সৃষ্টি তৌই। মূর্ত্তি শাবা হৈবা মীনা মূর্ত্তিনা রস ফোঙদোকই। কবি অমনা ফজ ফজবা ৱাহৈ ৱাতানা রস ফোঙদোকই। অসুন্না কলা খুদিংগী মওং তোঙান তোঙান্না রস ফোঙদোকই। অসিগুম্বা তোঙান তোঙানবা মওংসি কুপ্না য়েংলবদি সঙ্গীত কলকারগী মথৌনা কলাকার অতৈদগী লুবা হেল্লি হায়বা তাই। অতৈদগী লুবা হেল্লি হায়বা তাই। মসিনা অতৈ কলাবু হন্থনা খনবদি নত্তে। সঙ্গীত হায়বনা হন্থবা মখলগী সঙ্গীতপু খঙনরোইদবনি। সঙ্গীতকী শরুক্তি য়াম্না ৱাৎনা লৈবা ৱাহৈগী পাম্বৈনা রস ফোঙদোকপা হন্থবা থাক্কী সঙ্গীতপুদি খন্নরিবা সঙ্গীতকী মনুং চনবা ওইনা লৌদে। তাবদা নুঙাইবা স্বরগী বিন্যাসতনা মতিকচাবা রস ফোঙদোকপা অদুতবু সঙ্গীতনি হায়নীংই। অসিগুম্বা সঙ্গীতনা তারিবা মীদা রস পোকহনবা য়াম্নমক লূবা পোৎনি। মিৎনা উবা লাই অমা নত্রগা অশাবা মূর্ত্তি অমা নত্রগা জগোই অমা উরগা অউবা মীগী পুক্নীংদা রস লায়না পোকপা অদুগুম্না থাংগৈশেংবা সঙ্গীত তাবা মীগী পুক্নীংদা রস লায়না পোকপা ঙমদে। উবা অমসুং তাবগী মরক্তা হীরম খুদিংমক্তা উবনা খঙবগী মরমদা খুদোংচাবা হেনবা মরম্না সঙ্গীতগী খুদোং চাদবা কয়ামুক লৈরিবনি। অউবা পোত্তি মতম খরা লেঙদনা থমদুনা খঙনবা হোৎনবদা খুদোংচাই। অতাবা পোত্তি হেক্তা চেনখি, লেঙদনা থম্বা য়াদে; অদুনা তাবমক্তদা খঙহৌদ্রবদি অদুম্মক লোইরে, খঙনবা উপায় লৈত্রে। অদুগা অমুক, লাই য়েকপা, মূর্ত্তি শাবনচিংবা কলা খরদি শেম-শাদুনা পুমলোই লোইরগা পুথোক্তুনা য়েংহনবগী খুদোংচাবা লৈ; ঈশৈ, জগোইনচিংবা কলা খরদি উৎপা মতমদা শোয়খ্রবদি অদুম্মক শোয়রে।

নুঙাইবা পোকহনবা অমসুং ৱারবা মীগী পুক্নীং তেকখৎহনবগী থবক্তা সঙ্গীতনা কলা পুম্নমক্তগী হেল্লি হায়দবা য়ারোই। হীরম অসিদদি কলা অতৈনা

সঙ্গীতকী মনাক নক্লুবা ফাওবা ঙমদে। কনাগুম্বা অমনা ঈশৈ শকপা মতমদা অতাবা মীনা ঙাইহাক্তংগীদমক ওইরবসু মদুদা পুক্নীং পীরমদবা য়াওদে, মী য়াম্না তিনবা তিন্দবদি ঈশৈগী গুণাঘুণগী মথক্তা নির্ভর তৌই। কনাগুম্বা অমনা পুক্নীংগী অৱাবা ফোঙদোক্তুনা ঈশৈ শকপা মতমদা অতাবা মীগী পুক্নীংদা অৱাবা পোকতবা ঙমদে। অয়েকপা লাই অমা নত্রগা অশাবা মূর্ত্তি অমনা কলা অদুদা থৱাই য়াওবা মী খরগী নত্তনা মী পূম্নমক্কী পুক্নীং চিংশিনবা ঙমদে। সঙ্গীতনা মী পূম্নমক পাম্নবা পোৎ ওই হায়বসিগী অরংবা খুদমদি করিগুম্বা ময়াম তিন্নবা অমসুং ময়ামগী নুঙাইনবা শীনবা থৌদোক অমগী কার্য-ক্রমদা সঙ্গীতগী করিগুম্বা পোৎ অমা য়াওদবা লৈতে। অদুগা অমুকসু জগোই, নাট্যনচিংবা কলানসু সঙ্গীতকী মতেং লৌই।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্না তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| প্রস্তাব | ঃ | থৌরাং শীনবা; খন্ন-নৈনবগীদমক থাংগৎপা হিরম। |
| সঙ্গীত | ঃ | ঈশৈ |
| Plato (420-347 B.C.) | ঃ | গ্রীক দার্শনিক অমনি। মহাকসি সোক্রেটিসকী শিষ্যনি অমসুং এরিষ্টোটলগী গুরুনি। |
| Aristotle (384-322 B.C.) | ঃ | গ্রীক দার্শনিক অমনি। Plato গী শিষ্যনি অমসুং Alexander the Great গী গুরুনি। |
| প্রতিভা | ঃ | পোকপদগী কোন্নরকপা গুণ; অনৌ অনৌবা পুথোকপা ঙম্বা গুণ। |
| সংস্কৃতি | ঃ | নাৎ |
| উদ্দেশ্য | ঃ | পান্দম |
| সার্থক কলাকার | ঃ | মহৈ য়াল্লবা কলাকার। |
| চিত্রকার | ঃ | লাইয়েকপা মী |

কার্য-ক্রম ঃ থৌরম পরেং

## ৱাহং

১। ৱাহংশিং অসি য়াম্না তেন্না খুম্মুঃ

ক) তন্ত্র শাস্ত্রগী মতুংইন্না কলাগী মসীং কয়ানো?

খ) Plato কনানো?

গ) Aristotle কনানো?

ঘ) 'Truth of poetry is greater than truth of history' কনানা হায়খিবনো?

ঙ) ৱাহৈবু 'Incarnation of thoughts' নি হায়না কনানা হায়রম্বগে?

চ) নুঙাইবা পোকহনবা অমসুং ৱারবা মীগী পুক্নীং তেকখৎহনবদা করম্বা কলানা পূন্নমক্তগী হেল্লি?

২। মখাগী ৱাহংশিং অসি তেন্না খুম্মুঃ

ক) অপাকপা অর্থদা কলা হায়রগা করিবু খঙনৈ?

খ) পীকশীনবা অর্থদা কলা হায়রগা করিবু খঙনবগে?

গ) Plato অমসুং Aristotle গী মতুংইন্না কলা করিদগী থোকই?

ঘ) ইংরাজী কবি Shelley না কলবু করিনি হায়রম্বগে?

ঙ) 'Art for arts sake' হায়বসি চৎনবা য়াদবগী মরম করিনো?

চ) কলাকার অমগী মথৌ করি করিনো?

৩। মখাগী অসি পারগা হংলিবা ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ

"কলাগী উদ্দেশ্যদি ফজবা পোৎ শেমগৎলগা রস ফোঙদোকপনি। ঈশৈ শকপা হৈবা মী অমনা মহাক্না ফোঙদোক্নীংবা রস অদুগী মতীকচাবা রাগ খল্লগা মহাক্কী কল্পনাদগী থোকপা মখল-মখাগী মওংদা রস ফোঙদোকই। মহাক্কী ঈশৈ অদু তারগা তারিবা মীগী নুঙাইবা পোকই। লাইয়েকপা মীনা য়েক্লিবা লাই অদু উরগা লাই অদুনা ফোঙদোল্লীবা রস অদু অউবা মীনা খঙবা ঙমই।"-

ক) কলাগী উদ্দেশ্য করিনো?

খ) ঈশৈ হৈবা মীনা করি তৌই?

গ) ঈশৈ শকপা মীনা রস করন্না ফোঙদোকপগে?

ঘ) ঈশৈ তারগা তারিবা মীগী করি ওইবগে?

ঙ) অয়েকপা লাই উরগা অউবা মীনা করি খঙবা ঙমই?

৪। মরী-মখোঙ তাক্কুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ

ক) অদুনা কলাকার অমনা করিগুম্বা অচুম্বা পোৎ অমা উৎপা মতমদা ইতিহাসনা তৌবগুন্না ইকোক কোকপা অচুম্বা অমা ওইনা উৎতে; মদুগী মরমদা লৈবা মহাক্কী পুক্লিংগী ফীভম অদু উৎলি।

খ) কনাগুম্বা জগোইশাবা হৈতবা মীনা জগোই হৈ হায়দুনা মদুগী মরমদা ঙাংলবদি মহাক্কী মরমদা চেকশিনগদবনি। ঈশৈ শকপা হৈতবা মীনা ঈশৈগী মরমদা ঙাংলবসু অদুমঙাই।

৫। ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম শন্দোক্লা ইয়ুঃ

ক) ‘মীওইবগী ফজবা পাম্বা পুকচেল অসি লৈবদগী কলাশিং অসি থোকখিবনি।“-

ৱাফম অসি চুন্মি হায়বা খুদমগা লোয়ননা শন্দোক্লা তাকউ।

খ) কনাবু সার্থক কলাকার কৌগনি? সার্থক কলাকার অমদা করি করি গুণ লৈবা তাবগে? শন্দোক্লা তাকউ।

গ) ‘সঙ্গীত কলাকারগী মথৌনা অতৈদগী লুবা হেল্লি’ হায়বসি খুদমগা লোয়ননা শন্দোক্লা তাকউ।

ঘ) ‘সঙ্গীতনা কলা পূন্নমক্তগী হেল্লি’ হায়বসি খুদমগা লোয়ননা শন্দোক্লা তাকউ।

****

# মণিপুরী লোকসাহিত্য

**অশাংবম মীনকেতন সিংহ**

*(পদ্মশ্রী অশাংবম মীনকেতন সিংহ (১৯০৬-১৯৯৫ ইং) আধুনিক মণিপুরী সাহিত্যগী অইবশিংগী মনুং চনবা অথোইবা কবি, সাহিত্যিক অমসুং পণ্ডিতনি। ইম্ফালগী ধনমঞ্জুরী কলেজদা, মথংদা মণিপুর বিশ্ববিদ্যালয়দা মণিপুরী সাহিত্যগী ওঝা মকোক ওইরম্মী। মহাক্কী ফোঙলবা লাইরিকশিংগী মনুংদা মরুওইবা খরদি 'বসন্ত শৈরেং', 'মৈতৈ উপন্যাস' (সমালোচনা), মৈতৈ লোঞ্জন' (ব্যাকরণ), 'মেঘনাদ বধ কাব্য' (অনুবাদ), 'রবীন্দ্রনাথকী গীতাঞ্জলি' (অনুবাদ), 'অশৈবগী নিতাইপদ' (খণ্ডকাব্য) অসিনচিংবনি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী 'সাহিত্য রত্ন' উপাধি, মণিপুর ষ্টেটকলা একাদেমীগী ফেলোশিপ, সাহিত্য একাদেমী দিল্লীগী সাহিত্যগী মনা, পদ্মশ্রী, যামিনী সুন্দর গোল্ড-মেডল ফংখি।*

*ৱারেং অসিদা মীনকেতন্না মহৌশাগী ফজবখিবিক্লা লৈতেংবা খ্বায়দগী তোঙান্না তাবা মণিপুরী লোকসাহিত্যবু ৱাংনা থাগৎলি। মতম অমদা মণিপুরগী মোইরাংদা ওইরম্বা নুপীশিংগী তোল্লবা ফিভমবু উৎলি। অদুগুম্বা তোল্লবা ফিভমদগী নুপীশিংবু কন্ননবা অশৈবা মৈদিংগোলনা শকখিবা নুংশিনুংওলগী শৈশক্তগী মণিপুরী লোকসাহিত্য পোকখি। মণিপুরী লোকসাহত্যদা মোইরাংগী 'অকোং জাম্বা-ফৌওইবী' দগী 'খম্ব-থোইবী' ফাউবগী শায়োন তরেৎকী ৱারীদা নুংশি-নুংওলগী মগুণবু অশৈবা মৈদিংগোলনা শৈশকপা অদুগা সংস্কৃতকী মহাকবি কালিদাসনা অভিজ্ঞান শকুন্তলম' দা শকখিবা নুংশিবগী শৈশক্কা চাংদম্নরি।)*

মণিপুর চীংগী পল্লোন্নুংদা, হেঞ্জে মদোম হেঞ্জবী, ঙাঞ্জে মদোম ঙাঞ্জবী,

নীংথিরবী লৈবাক্নি। চীংদা য়েংঙুই মনীংথি, তমদা য়েংঙি মফজৈ, য়েংঙু য়েংঙুবা মায়গৈদা ফজবগী ঈপোম, নীংথিবগীনা ঈথক মিৎফম কনা শুমদবা লৈ? নীংশিঙলকই লর্ড আরুইনগী মপাউখোল 'মণিপুর মানি ভারতকী সুইজারল্যাণ্ড'। কৌখি নোংমা পণ্ডিতজীনসু 'নোংপোক ভারতকী কাশ্মীর'। নত্তে লৈবাকসে ওইজবদা মিৎকী কুম্মৈ, গুণগী কাদসু ৱাচ্চদবী অমনি। মহাক্কী সংস্কৃতি, মহাক্কী সভ্যতা লোক সাহিত্যনা শৈশব্লরিবা ঙক্লফন্নি। মতমগী খৌঙহৌ, খোঙহৌদগী পোক্লক্লবী সংস্কৃতি, মহাক্কী য়াওল যুগ যুগফম খুদিংদা য়াওল খুদিং শৈশব্লরিবা লোকসাহিত্য কনানা পাউদমলুগনি।

নগর রাজ্য কয়াগী মরক্তা অমা, অমদুগী লোকসাহিত্য, সাহিত্যদুগী মপাউ-মপাউদুগী মপৌ ওইবা খরদং ইজগে, মাদুগী মঙান্দা শোয়রোই তাজগনি মশানা অদুম অপুনবা লোকসাহিত্যগী নাপ্পা মমি।

খাগী লমখৈদনি লমদম অসিগী। পাল্লম্মি নোংমা নীংথিবা নগর রাজ্য অমা। খঙনখি লমদমদো কেগে লৈময়োল, লৈকোয়বুং হায়বা নীংথিবা মিংখৈনা। লৈবাক অসে য়েক্লবনা পল শাবা, কল্লকপনা শৌ থাবা লমদন্নি। খোংগ্রেংনা পুন্সি থৌগাইনি। লানফম্না পুন্সি চাক্তাফন্নি। নিপা খুদিং লালোয়নি; লালোয় খোঙফমদনা পুন্সিগী লেঙদবা লম্বীনি। নিপা লৈবাক্কী থৱায়নি; লৈবাক্কী লন্নি; লৈবাক্কী নাপন্নি। নিপা লৈবাক্নি, লৈবাক নিপানি। নিপা নোংমা নোংমগী মশেক চাউনা মঙাল তানা পানখৎলক্লে, নুপী নোংমা নোংমগী মঙাল শিথরক্লে। নিপাগী শেগানুং মরুম থুপ্না হিংজবা থৱায় অমা ওইথরক্লে। অসুম অশুম নিপাগী মরমনুংদা চঞ্জবদা মঙায়রক্লে। যংগোল যন্না হৈনম লৈনম চেল্লম্বা থোক্লবা, নুপী ওইবী শাগৈনা মাঙশোক খুদা য়াজবা ৱানা থোক্লমগনি।

নুপী নিপাগী মরন্নি, মথৱায়দা পাঞ্জবনি। মপু ওইবা নিপানা শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নবদা কনানা করি হংঙুগবা! মপা ওইবা শাগৈনা মশা মশাগী য়াইফ-খোঙফম তানবদা মচা নিঙোল ওইবীশিংবু লৈরোং লাইদা কৎপগুম থাজনীংবা মফমদা হাজদুনা কথোক্লৈ। মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংনসু অদদুমঙায়। পুন্সিগী খোংগ্রেংদা, লালোয় য়াইফা খোঙফম তানবদা মরল ওইবী নুপীবু হাদুনা য়াইফা কোঙ্গায় লৈনখি। খন্নদে, নুপী ওইবীশিংদসু থম্মোয় কৌবা পোচ্ছক্তো মপানজৈ; খঙনদে থম্মোয়

পান্না পোকচবনা অপাম-নুংশি মখণ্ডজে; নীংনদে কদৌনুং, অৱা-অনা কৌবদো মপোকচৈ মখোয়গী থম্মোয়নুংদসু। নিপা ওইবশিংনা তরাইনা তালোয় লৈচা শেৎনৈ; নুংশিবা কয়াগী মকাদা লৈচা তম তালোয় তুয়িন তম্বীনি। খন্নদে, নুপী মীনি; মীওইবগী থম্মোয়নি। নিপা ওইবা থম্মোয়দা অপাম-নুংশি পানবগুম নুপী ওইবী থম্মোয়দসু মপাঞ্জে; নিপা ওইবা থম্মোয়দা অৱা-অনা ফাওবগুম নুজা ওইবী থম্মোয়দসু অৱা-নুঙাই অদুম তন্না মফাওজে।

নুপী হৈনি; লৈনি। হেক্লীংবনা পঙহেক মহেকপা, চিন্নীংবনা পঙচিন মচিনবা, তরা চারে মচাবা, মঙা চিল্লে মচিনবা-করি নাচুংঙুবা কনানা! নুপীজা ওইবী থম্মোয়গী থম্মোয়নুংদগী পোক্লকপা মীকপ মীরাউ, ঙমজখিদে নক্কৎপা লালগী লালাউ, লানঙম পূংখোল, য়াইফ মীনোক। যুগকী য়াওল কয়া ইরোন্নুংদা চেনজরি নুজা ওইবীশিংগী খোন্না চৎপা থম্মোয়গী কায়বা মীকপ মীরাউ।

পাল্লুরবোই নোংমদি অশৈবগী মথম্মোয়! চোংথোরক্লে মৈদিংগোল থম্মোয় পানবা অশৈবা। লেপ্লে কল্লগে মোইরাং চনুরা। তম্মে হারিগী শৈহেক, লৌরে পিথাদোইগী শৈশক, তাংঙে তান্নাগী খোম্বাং, ইল্লে ঙানু থঙ্গোংগী খোল্লাই, শক্লক্লে মহাক্কী শৈরেং নুংশি-নুঙোল থম্মোয়গী মপাউখোল; পোকখরে নুংশি নুংঙোন্না লংলানরবা নিংথিবা লোকসাহিত্য। শক্লরক্লে চীম্বাং য়ৈনা লৈরক-কোনশাং খিবিক্লা যুগ-যুগফম খুদিংদা- অকোংজাম্বা-ফৌওইবী, হেঞ্জুনহা-লাইপুরেম্বী, খুয়োল হাওবা-য়াইথিংকোনু, কদেং থাঙজহনবা-তোনুলাইজিংলেম্বী, খুবোম্বা-পিদোংনু, ৱাংলৈ পুংদিং হৈবা-শাৎপচনু শিলহৈবী, খম্বা-থোইবী...।

নুংশিবা-প্রকৃতি, অপাম্বনা বিকৃতি; প্রকৃতিনা স্বর্গগী, বিকৃতিনা মর্ত্ত্যগী; অপাম-নুংশি অনিগী মশক হান্না লেং মোইরাং চনুরাশিংগী চাক্লবা থম্মোয়গী কারবা মপাউখোল তম্মগে নীংঙরমালে অশৈবা লেংলক্লে শৈরেং; থম্মোয় নায়ক-কী কাদা মোইরাং অকোংজাম্বা অপামবগী মশক্তম; নায়িকাগী কাদনা নিংথিবী লাইলুড়া, গুরুগী মমোম ফৌওইবী লাইরেম্মা-নুংশিবগী মশক্তম।

শজিবু থাজিন্দনি মতম্না; মফম্না তোর্ব্বুং লমজাউদনি! অপাম্না য়ারৌ শাদাল্লিঙৈ নুংশিনা পায়মা নুংদা ওল নুংশি কাইহৌরুরে; মতাং চানা ইরাল

খোঙদাজৌ, তালোয় লৈরাংপরেংলক শীংঙেল লৈচল ওইবিনি, মোমনু ইতালেয় নাচোমদা লংলা লংজা থুপ্লাকি লৈরুপ লৈতিল তন্বিগে' চীঙ্গোয়বিরে অপান্না নুংশি মাগী মকাদা। মতম য়েংনা ফৌওইবী খোঙদাজরে অকোংজম্বা মরানয়াই; নুজা ওইবী থম্মোয়গী থেংনদরে লোয়ুম্বা। ইকাই নুংশি মৈবা থক অপাম মাগী মশুংলাং য়ারেকচ... ... নোংমা কৌবা নোং; ফংনদরে মথংলেল। য়াংদৌ খোংশাল্লগে নীং নুজা খোঙদোই হুল্লক্লে, নুংশিবনা ফিজি য়াল, পামু মহাকপু কুবিরমগে নীং, শাখরে জগোয়-লৈতাই, নোংদাই, লৈনেৎ। অকোং মাগী শুম্মাঙ মথৌবুং পৈরে ফৌরাংনা চীং চোলে। খোঙশাল্লক্লে হৌজিক য়াংদৌ অৱাং তন্না পাং ফৌওইবী লাইরেম্মা। অকোংজাম্বা মরাল তম্মকুঙৈ ফংঙরে ফৌওইবী খুদম, লিরক্লে খোঙ্গুল লাংগোই শয়াংথক্তা নেৎ। লম্ফা লৌকোন্দা থেংনরুরে। 'অপাম্বনা নুংশি ফাংখোঙ পায়ফরোই; অপাম মানা খল্লগা নুংশি ইকাই য়ৌগনি; লাইনীং পরৈ চেৎনা নুংশি ইখোঙ লীরকউ। অপাম্বনা খম্মবা কাল খম্বা কৌনা চংঙকউ; থোয়না ৱাংনা লৈজবী নুংশি কৌজবী ঐহাক্না থোইবী কৌনা ওকচগে; নুংশি পুকমেন পাওমেল্লম হুনখরে খোঙদোই ফোওইবী খংগোল মায়গৈ তন্না তম।

(ইংরাজী কবি ৱার্ডসৱার্থনা প্রকৃতিগী পৌরোহিত্য তৌখিবগুম সংস্কৃত কবি, কালিদসনা প্রেমগী পৌরোহিত্য তৌখিবনি।) মহাকবিগী অভিজ্ঞান শকুন্তলমদা য়েংসি।

অপাম্বগী বিভূতি- দুষ্মন্ত, নুংশিবগী বিভূতি- শকুন্তলা। অপাম নুংশি অনিগী নুংঙোল খোঙফম- অকনবা ঈচেল, চাংজৌনা অপামনা নাম্মা, নুংশিনা নাম্মা। নোপ্লে চাংজৌ নাম্মা। দুষ্মন্ত তপস্যা তৌবা তাখি। মহাক্কী অপাম অরঙবনা পোকখিবা কায়নবগী মৈদা ইক, মচু লোকপা তারে; ইক্লে, লোক্লে সনা মচু শেংঙে। অপাম ওল্লে নুংশিবা! চাংজৌ থোং মান্নরে, নীংনবা ঈচেল মপুং ফানা থাবা য়ারে। নুংশিবা স্বর্গগীনি; নুংশিবগী বিভূতি- শকুন্তলা, শিন্নরে দুষ্মন্তদা, তপস্যানা শেংলবা; কদাইদা। স্বর্গদা।

য়েংঙসি হৌজিক্তি কেগে অশৈবগী অকোংজাম্বা-ফৌওইবী। নুংশিবা লাইরম্লেলগী; লেপ্লে অদুনা ফৌওইবী লাইরেম্মা নিংথিবী লাইনুড়া; অপান্না মীরমলেনগী; থম্মে অদুনা অকোংজাম্বা মোইরাং লালোয়। চাংজৌ নাম্মা নোপ্লে, নীংনবা ঈপুং ফাঙম্মোইদৌরে। অকোং চংঙে কায়না মৈফম; মপোক কয়া চুপ্পা

মৈদা ইক্লা মচু শেংঙে অপাম ওল্লে নুংশি; খম্মে অপাম, ওল্লে নুংশি; ফাওরে নুংশি; খম্বা কোলোয়না; থোয়না ৱাংনা লৈজবী নুংশি নোংগুম্লক্লে থোইবী কোলোয় লৌ, চেঞ্জরে নুংশি ঈচেল ঈরাউখোল্লোয় চাংজৌংনুং নুংশিনবা থম্মোয় অনিগী।

অমরোমদা, কালিদাসকী প্রেমগী পৌরোহিত্য সংস্কৃত সাহিত্য জগত্তা অমরোমদনা কেগে অশৈবা, মোইরাং চৈজিংবা, মৈদিংগোলগী নুংশিবগী পৌরোহিত্য মৈতৈ লোকসাহিত্য জগত্তাঃ করি খেন্নে। খেন্নদে অমত্তনি।

কয়াদা ৱাংখ্রবা মৈতৈ লোকসাহিত্য।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শব্দোক্লা তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| হেঞ্জৈ | ঃ | ফজজৈ |
| লর্ড আরুইন | ঃ | ভারতকী গভর্ণর জেনারেল ওইরম্বা সাহেব অমনি। |
| সংস্কৃতি | ঃ | নাৎ |
| লোকসাহিত্য | ঃ | অইবা নত্তবা, চীনবুংদা লৈবা সাহিত্য। |
| খোংগ্রেং | ঃ | লান |
| লালোয় | ঃ | লানমী |
| তালোয় | ঃ | মতু |
| অশৈবা | ঃ | কবি |
| প্রকৃতি | ঃ | মহৌশা |
| বিকৃতি | ঃ | মহৌশগী মওং কায়রবা |
| লাইরেম্মা | ঃ | লাইরেম্বী |
| চীঙ্গোয়বিয়ে | ঃ | হায়বিরে |
| মথংলেল | ঃ | মপুরোইবা |
| লৈতাই | ঃ | জগোয় মখল অমা |
| নোংদাই | ঃ | জগোয় মখল অমা |
| মরাল | ঃ | ময়ুম |
| লাংগোই | ঃ | শামু (মতাং অসিদা শগোলনি) |
| খংগোল | ঃ | নুংশিৎ |
| তপস্যা | ঃ | লাইনীংবা |
| বিভূতি | ঃ | লাইগী ওইবা গুণশিং। |

## ৱাহং

**১। মখাগী ৱাহংশিং অসি য়াম্না তেন্না খুম্মুঃ**

ক) লর্ড আরুইন কনানো?

খ) 'মণিপুর মানি ভারতকী সুইজারল্যাণ্ড'- কনানা হায়খি?

গ) পণ্ডিতজী কনানো?

ঘ) 'নোংপোক ভারতকী কাশ্মীর' হায়রিবসি করম্বা রাজ্যনো?

ঙ) দুষ্মন্ত কনানো?

চ) শকুন্তলা কনানো?

ছ) "অপাম্বনা নুংশি ফাংখোঙ পায়ফরোই"- কনানা হায়বনো?

জ) ৱার্ডসৱার্থ কনানো?

২। মখাদা পল্লিবশিং অসিগী মরমদা ৱাফম খরা তেন্না ইয়ুঃ

ক) হেঞ্জুনহা-লাইপুরেম্বী

খ) খুয়োল হাওবা-য়াইথিংকোনু

গ) কদেং থাংজহনবা-তোনুলাইজিং লেম্বী

ঘ) খুবোম্বা-পিদোংনু

ঙ) ৱাংদৈ পুংদিংহৈবা-শাৎপচনু শিলহৈবী

৩। মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ

ক) নুংশিবা-প্রকৃতি, অপাম্বনা বিকৃতি; প্রকৃতিনা স্বর্গগী, বিকৃতিনা মর্ত্ত্যগী।

খ) ইংরাজী কবি ৱার্ডসৱার্থনা প্রকৃতিগী পৌরহিত্য তৌখিবগুম সংস্কৃত কবি কালিদাসনা প্রেমগী পৌরহিত্য তৌখিবনি।

৪। ৱাহংশিংগী পাউখুম শন্দোক্লা ইয়ুঃ

ক) অশাংবম মীনকেতনগী মতুংইন্না মোইরাংদা মতম অমদা ওইরম্বা চনুরাশিংগী তোল্লবা ফিভম অদু নশাগী ৱাহৈনা থাদুনা ইয়ু।

খ) অকোংজম্বা-ফৌওইবীগী ৱারী নসাগী লোন্না ইয়ু।

গ) মৈদিংগোলনা শৈশকখিবা অকোংজাম্বা-ফৌওইবীগী ৱারীগা কালিদাসকী অভিজ্ঞান শকুন্তলমগী ৱারীগা চাংদম্নদুনা উৎলু।

# হৌজিক্কী মণিপুরী ৱারেং

**এলাংবম নীলকান্ত সিংহ**

*(**এলাংবম নীলকান্ত সিংহ** (১৯২৭-২০০০) কৈশামথোং এলাংবম লৈকাই, ইম্ফালদা পোকখি। ডি, এম, কলেজ, ইম্ফালদা দর্শনশাস্ত্রগী ওঝা মকোক ওইরম্মী। ডিপার্টমেণ্ট অব সোসিয়েল ৱেলফেয়ার, আর্ট এণ্ড কলচরগী ডিরেক্টর ওইনা থবক্তগী পোথাখি। অনীশুবা লাঞ্জাউ মতুংগী অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী মাঙজিন থাবা কবিনি, পণ্ডিতনি, সাহিত্য অমসুং কলাগী সমালোচকনি। ফোঙলবা লাইরিকশিংগী মনুংদা মরু ওইবা খরদি অচাইবা লৈ (ৱারেং), মণিপুরী কবিতাগী ছন্দ (ছন্দ কাঙলোন) নৈনবা), চৎলসিনে কদায়দনো ইবানি (শৈরেং), অসপেক্টস্ অব ইণ্ডিয়ান কলচর (ৱারেং), তীর্থ যাত্রা (শৈরেং), সংস্কৃতিগী শক্লোন (ৱারেং) অসিনচিংবনি। 'তীর্থ যাত্রা' লাইরিক অসিগীদমক সাহিত্য একাদেমী মনা (১৯৮৭) ফংখি।*

*ৱারেং অসিদা অইবা এলাংবম নীলকান্তনা হৌজিক্কী মণিপুরী ৱারেং সাহিত্যগী মরমদা নৈনরি। মণিপুরী ৱারেং সাহিত্য হায়বসি য়াম্না নৌরি হায়না পল্লি। অনৌবা মণিপুরী ৱারেংগী ঈচেন্দা সংস্কৃত অমসুং বাংলা লোন কুপ্না খঙলবা মাঙজিন থাবা অইবশিং (খুদম ওইনা, চাউবা, কমল, মীনকেতন) দগী হৌরদুনা নহা ওইরিবা লেখকশিং মমিং পন্না এম. কে. বিনোদনী, লাইশ্রম সমরেন্দ্রনচিংবগী ৱারেংগী মরমদা নৈনরি। লেখকশিং অসিগী মশা মশাগী ওইবা ইবগী ষ্টাইল শীংথাদুনা অমসুং অইবা অমগা অতোপ্পা অমগা মান্নবা খেন্নবনা চিংবা চাংদম্নদুনা উৎলি।)*

হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্য হায়বসি তশেংনমক নৌরি- চহি ৫০ মুক্তা মঙায়রি। য়াম্নমক লিরবা লোন অমসুং সাহিত্যনি। অদুবু খৃষ্টগী শতাব্দী ১৮

শুরকপগী অদুৱাইদগী মণিপুরদা শাফু কন্না ফুজিল্লকপা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী ঈহৌদা হান্নগী লৈজম্বা মৈতৈ পণ্ডিতশিংগী পুরাণনচিংবা পুন্নমক মরু লুকহনবা তাখি। নুমিৎ থোরকপদা মমশীনখিবা থাগী মঙালগুন্না। অনৌবা ধর্ম্মগী ঈহৌদা অনৌবা লোন্না বাহন ওইবা হায়বসি পৃথিবীগী ইতিহাসতা থোক্কল্লি। অসুন্না হায়নৈ- মার্টিন লুথারনা বাইবলবু জর্মন লোন্দা হন্দোকপদগী জর্মন সাহিত্যগী য়ুম্ফম থোনখি। বৌদ্ধ ধর্ম্ম শন্দোকই পালি লোন্দা অমসুং জৈনধর্ম্মবুনা মাগধী অমসুং প্রাকৃত লোন্দা। লূথারমক্কীসূ হান্নগী ল্যাটিন থাদোক্তুনা জর্মন লোনবু শীজিন্নবা হৌরকপদা খৃষ্টান ধর্ম্মগী অনৌবা মশক পুথোকপগা লোয়নখি। মতৌ অসুন্না মণিপুরী বৈষ্ণবশিংসু সংস্কৃত অমসুং ংপুং ওইনা বাংলা লোন শীজিন্নবা তাখি অমসুং নোংচুপকী শিক্ষাগী মঙাল ফাওবা অহৌবদদি বাংলা লোনগী মতেংনা পুশিল্লকখি।

অসুন্না সংস্কৃত অমসুং বাংলা লোন্না চাহৎপীরল্লবা মণিপুরী লোন-মৈতৈলোন অসি মুক্তি ফংজবা কুইদ্রি। মসিগীদমক কনাবু নিন্দা তৌনিংঙাই লৈতে। ধর্ম্মগী অমসুং সংস্কৃতিগী বিকাশনি। মাঙবা তোংবা পূন্নমক ইতিহাসনা সাক্ষীনি। মণিপুরী হায়বা লোন অসিবু সাহিত্যগী ওইবা য়ারবা লোন অমরা হায়না হংনবা মতম অদুদনি- বাংলা লোন অমসুং সাহিত্যবু কুপশিন্না নৈনরবা অমসুং খঙলবা মণিপুরী কবি অমসুং সাহিত্যিক কয়া পোকখ্রিবা। খ্বাইরাকপম চাউবা, ডাক্তর কমল, নবদ্বীপচন্দ্র, ময়ুরধ্বজ, ইরাবত, দরেন্দ্রজিৎ, মীনকেতন , অঙাংহল, শীতলজিৎ নচিংবা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী লমজীং মৈরা পায়বশিং মপোক তমখি। মতম অসিদা 'ললিত মঞ্জুরী পত্রিকা' 'জাগরণ' পায়বশিং অমসুং 'য়াকাইরোল' নচিংবা পত্রিকাশিং থোকখি। ডাক্তর কমলগী কাউঙমদবা ৱাহৈ- 'মতম কুইনগী তুংদা/ লেংশিল্লক্লে ইমা মৈতৈচনু/ মৈতৈ সাহিত্য মন্দির মনুংদা' হায়বা অসিনা মতম অসিবু মশক তাকলি। মণিপুরী জাতিগী নৌনা য়াকায়বগা লোয়ননা লোন অমসুং সাহিত্য নৌহৌনা মীকপ থোকখি।

মণিপুরী ৱারেংবু মওং অমা তাহল্লকপসি মপুং ওইনদি খ্বাইরাকপম চাউবননি হায়বা তাই। বঙ্কিমচন্দ্র অমসুং কালী প্রসন্ন ঘোষক ৱাখল অমসুং ফোঙদোকপগী মমি তাই। ইংরাজী সাহিত্যগী প্রভাবসু তাদবা নত্তে। য়ারিবমখৈ বাংলা অমসুং সংস্কৃত ৱাহৈ লৌথোক্লগা কোইনা কোইনা হায়না খুৎহায় অমা

শীজিন্নরকই, ৰাখলগী অরূম্বা ভার পূবনি; প্রমাণ পাষ্টেগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা নম্বো অমসু থাবা ঙমদ্রি। অসিনা অরুবা ৰাখল খরদু নম্বুল তুরেলগী থেকনা খোয়না চেনব ঈচেলগুন্না চেন্থহল্লি। কল্পনাগী অইংবা শকফম উৎলি। হায়গদবা খরদুমক চীংলেন্না হায়দোকই। য়ান্নমক মপূং ফাবা ফোঙদোকপগী মশক্তি নত্তে; মরমদি হৌজিক মতমদা ৰারেংশিংদু অমুক্কা হন্না পাবদা চোকথবা খরসু ইফাও ফাওদবা নত্তে। লমাবম কমলগী ৰারেংদনা কাব্যগী যাদু চঙই; কবি ওইরবা মহাক্কী প্রতিভানা শোক্লু শোক্লুবা পূন্নমক মূর্ত্তি ওইনা চোংথোকহল্লি; ছন্দগী ঈচেলদা চেষ্টে। ৰাহৈগী তপথদ্রবা ছন্দনা থম্মোইগী কাচিন-কোয়া য়ৌদুনা ঙাম্থোকহল্লকই। শৈরেংগী মশক লৌরবা ৰারেংগী ছন্দ থোকহল্লি। অদুবু উপন্যাস মচা অমা নত্তনা অতৈ ইথরম্বগী খুদোংচবা ফংখিদে। চাউবা অমসুং কমল মায়কৈ অমমমদনি। ৰাখলগী অরুবা মশক ফোঙদোকপদা চাউবা অমসুং কল্পনাগী মূর্ত্তি উৎলকপদা কমল- অসুন্না অনিমক শিবদূর্গাগুন্না ঙাম্থোইহনবা য়াই। অসিগুম্বা লোন অসিবু অমুক্কসু হেন্না চন্না হায়নবা হোৎনবদা হায়নীংঙাই ইরৈ লৈত্রবরা কৈনো হায়না অপাববু শেরান্ননা খলহনবা অমনা- রাজকুমার শীতলজিৎনি। অদুবু চন্না ফোঙদোকপগী ফজবা অমদি মহাক্কী ৰারেংদা য়াওই। মায়কৈ অসোমদা চাউবগী মতৌ কনানসু তম্বা ঙমখিদে! অদুবু বাংলা সাহিত্যগী প্রভাব অসুম মাঙহল্লক্কুনা মণিপুরীশিংগী লিরবা সংস্কৃতিগী থোং হাংদোক্লবা হোৎনখিবা মতমদদি মহাকসু ইখি-খরগা হেন্না লায়বা অচম্বা ৰারেংগী খোঙচত্তা।

হিজম অঙাংহলগী ৰাখলগী জগৎনা অতোপ্পা অমনি। মশানা ইংরাজী শিক্ষা অমসুং বাংলা সাহিত্যদা য়ৌশিন্না চঙহৌদবগী চাবা মণিপুরী সাহিত্যনা ফংজখি। শাপ নত্তে; অমাঙবা নত্তে, বরনি। পেনাগী অশৈবশিংগী ৰাখলগী জগৎ অমসুং থম্মোইগী সুরদা পূমলুপ লুপখ্রবা অঙাংহলনা মণিপুরী জাতিগী লিরবা সংস্কৃতিবু মতমগী নাকোংদা তাবা য়ানা পুথোরকই। মিৎয়েং অদুগা লোয়ননা হৌজিক্কী সমাজবু য়েংখি অমসুং পুন্সিগী ছন্দগী কাচিন কোয়া য়ৌনা উবা ঙম্বা শক্তি উৎলকই। প্রমাণ-পাষ্টেগী লোইবা নাইদ্রবা ঈচেলদা অপাববু তাউথহল্লি। অঙাংগী অচম্বা মীৎয়েংগা লোয়ননা অহলগী খুৎয়েক্তা লোইবা নাইদ্রবা ৰারেং শৈরেং থনমই- 'অঙাংহল' মিংফমগী চানবা তৌরমই। মহাক্কী লোনগী খুৎয়েক্তা মণিপুরী লোন অসি কয়ামুক

থোৎনা নৌনা ফজবা য়াবগে হায়বদু ইঙান হান্না থেংনৈ। সংস্কৃত অমসুং বাংলাগী মনম য়াওহন্দে। মপানগী ৱাহৈ পূন্বা বেশ ওনহল্লি।

অসিগুম্বা থায়নগী জগৎতগী চাইনরকপা মণি মুক্তা ময়ামশিং অসিদা অশাংবম মীনকেতনসু মপূং ওইবা থৌদা অমা য়ারৈ। চুন্নগী অরিবা লোন্দনা পেন্দদুনা লিদা লিবা লোন পুথোক্লবা লাক্লে। সংস্কৃত বিদ্যাগী মঙালদা লোনগী মশক ফজহন্নবসু তত্তনা হোৎনৈ। সন্ধি অমসুং সমাসনা লৈতেংলবা ৱাহৈসিং অসি মপানগী লোন নত্তে; তশেংবা মণিপুরীনি-থায়নগী লিরবা লোননি। মশাগী পামবা বানান অমগা লোয়ননা লাইরিক্তা থোরকপদদি মশক পাক খঙদে-চেকশিন্দবা নাকোংদা পাক হেক চঙউ য়াদে। অদুবু খজিক্তং কূপশিন্না য়েংলবদি অমসুং পারবদি থোক্লকই- ছন্দগী মিথুন অমা, ৱাখলগী খুৎথেক অমা অমসুং পূন্নমক্কী মথক্তা কাউঙমদ্রব অরিবা জগৎ অমা। মীনকেতন চৎনবা অর্থদা পোপূলার হায়বদু নত্তে; অদুবু মহাক্কী লোনবু কূপশিন্না য়েংশিনবা অমসুং ফজবা কয়াবু পুথোকপা ঙম্বগী শক্তিদি অখঙবশিংদি য়াদবা ঙমদে। মহাক্কী ৱারেং শৈরেং পূন্নমক্তা থাদোক্লবা য়াদ্রবা কাব্যগী শক্তি মপূং ফানা য়াওই। মহাক্কী মতৌ তম্বদি ওইথোক্তে; অদুগা মহাকপু পাদবদি য়াদে- মণিপুরী লোনবু চপ চানা মশক খঙগে নীংলবদি।

অসিগুম্বা লোন অমসুং সাহিত্যগী চেন্থরকইবা ঈচেলসি নহারোন কবি অমসুং সাহিত্যিকশিংগী মফমদদি ঈরোং কয়াগী মশক লৌররে। ইংরাজী শিক্ষাগী অকনবা প্রভাব তারক্লে। বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথকী ৱাখলগী জগত্তা চঙনরক্লে। ৱাখল পাকথোক্লক্লে; মীৎয়েং য়াল্লকলে অমসুং ফোঙদোকপগী মশা মরেং লোঙবা হৌরক্লে। অরিবা লোন থিবা কাংবু য়াওনরক্লে- মদুগা লোয়ননা অরিবা জগৎসু মশক খঙনবা হৌরক্লে। অনৌবা জগৎতগী ফজবা কয়াসু হাপচিন্নবা হোৎনবা কাংবু য়াওনরক্লে। প্রভুগী আসন্দা ফল্লবা সংস্কৃত অমসুং বাংলা সাহিত্যনা মরূপকী মশক ওইরক্লে। চান্ননা ফমফম অমত্তদা ফমমিন্নবা হৌরিক্লে- বাংলা, সংস্কৃত, হিন্দী অমসুং মণিপুরী। মনাইগী য়োহ্লিং থদৎখ্রে। মৈতৈ পূয়াগী নোংপোকথোঙ্ হায়বদু হাংদ্রিব্রা খঙদ্রি। অদুগা নোংচুপথোঙ্দি হৌজিকতি তশেংনমক হাংলে- লাওনা অমসুং নীংতম্না। চপচানা মপানগী সাহিত্যগী ঈরাং পূন্বা মমি তারবদি নত্রি। চীংলোন মাপন্না কোয়শিনবা লমদমগী খুদোংচাদবা অদুম মরৈরি। অদুবু থোঙ্দি

শোয়দনা হাংলে।

অসিগুম্বা মতম অসিদা ময়ামদগী খরদং থাপতক্ল থৌনা ফনা নোক্কুনা মোমোন নোক্কুনা লেপ্লিবা লেখক অমদি গীতচন্দ্র তোংব্রানি। মণিপুরী সমাজবু এক্সরে থাদুনা পুথোক্লবা লাক্লরি। নোংচুপকী চাওখৎলবা মিৎয়েংগী যন্ত্র থাদুনা মণিপুরী সাহিত্য অমসুং সমাজগী মিহুন য়েংলি। অদুগা থেংনরি-নৈহৎলবা ওৎপীরবা সমাজ অমা। মাক্সিষ্ট ওইবমকসু নত্তে। চুম্নগী নোক্লবা করেম্নবা মওংদা খঙদ উদবা ময়ামদা পোৎশক তাকপনি। তোংব্রাগী ৱাখলদা মণিপুরী জাতিগী পামজরবা শুমাংলীলাগী ফাগীগী মমি তাই, নোংচুপগী জি.বি. এস. অমসুং ইবসেনগী মীৎয়েং থেংনৈ। মহাক্কী লোইবা নাইদ্রবা লীলাশিংনা ভাবকপূ খন্থহল্লি অমসুং নোকহল্লি- নোক্লা নোক্লা খলহল্লি অমসুং খন্না খন্না নোকহল্লি। সাহিত্যগী অচোপ অরেম অমসুং লোন্দা পুদাদা অমাং অশেং খায়নরবা মতম অমদা মহাক্লা পুশিল্লকই- ইচম চম্না অমসুং ইতিং তিংনা ফোঙদোকপগী মূর্ত্তি অমা। খম্বথোইবী ৱারীগী কাং শান্নবদা মঞ্জুনবা ঙবোং অমা ইল্লদুনা মচি অমদা ফল্লবা খম্বগী মশক্লি। তশেংনমক মীনকেতনগা গীতচন্দ্রগা ফিদা অমদা ফমহল্লবদি অনিগী খেন্নবা অমসুং ফজবা খঙগনি; অদুমদি ফম্মীন্নগনি; মায়দি ওনশিন্নরোই।

মথক্কী অহললোন ওইনা তৌরিবা কাংবুসিদগী খরদি নহা ওইবা লেখকশিংগী মনুংদা লৈরি- মহারাজকুমারী বিনোদিনী অমসুং লাইশ্রম সমরেন্দ্র। লৈববুদি লৈরি- সুরচান্দ শর্ম্মা, হিজম গুণ, মণিস্না শাস্ত্রী, রজনীকান্ত, থোইবী দেবী অমসুং খুমন্থেম ইবোহলনচিংব। অদুবু তোপ তোপ্পা ফোঙদোকপগী স্টাইল ৱারেংগী ৱাহৈ-ৱাতাদা রাশী হাপ্পা ঙম্বা মওং অদোমদদি ৱাৎলি। ৱাখলগী জগৎপুদি অৱাংবনি; মীৎয়েংসু অপাকপনি। অদুবু ৱাহৈগী কাউঙমদবা সুর অমসুং ছন্দ মপূং ওইনা হাপলে হায়বদি য়াদ্রি। মণিস্না শর্ম্মাগী ৱারেংশিং চেকশিল্লী, চাউবগী মতুংদা ৱাখল চঙবা ৱারেং রচনা নীংথিজনা ইনবা হোৎনরকপশিংগী মনুংদা শীংথানবা য়াই। অদুবু তোপ তোপ্পা পার্সোনেলিটি অমা ওইনা চোংথোকপদি নত্রি। রজনী কান্ত এলাংবমগী ৱারেং কয়াসু; ৱারীমচা কয়াসু চম্না ফজৈ; কাব্যগী শক্তি নীংথিজনা হাপ্পা ঙমই। হিজম গুণগী উপন্যাসশিংদা রোমান্সকী জগৎকী মমি নীংথিনা তাই। অদুবু ৱারেংগী অনৌবা

স্টাইল অমা পুশিল্লকপদি নত্রি।

রবীন্দ্র সাহিত্যবু মশক মুন্না খঙলবী বিনোদিনীনা শিজিন্নরকপা ৱাহৈশিং অমসুং পুন্সিবু কূপশিন্না উবা ঙম্বগী শক্তি-মতমগী সাহিত্যগী ৱারেংগী ফজরবা মশক্লি! সমাজগী পুন্সিদা লোন্না থুপ্পা চেল্লিবা লিরিক্কী সুর অমা মহাক্কী ৱারেংশিংদা থেংনৈ। লাইয়েকপগী তুরিনা শৎ শৎ চিংবদা থোরকপা মূর্ত্তি পরেংগুমনা বিনোদিনীগী ৱাহৈ নাচোমশিংসি থোৎনা নৌনা নীংথিজে। শরৎ অমসুং রবীন্দ্র সাহিত্যগী ৱাখলগী মঙালনি হায়বা য়াই। সমরেন্দ্রনা অমুক্কা ৱাহৈ লীক্লা অয়ুক-নুমিদাং শিজিন্নরিবা ৱাহৈগী ছন্দদা হায়নীংবা খরদু খোঞ্জেল তপ্পা হায়। অদুগা অয়েকপা লাই উৎপগী নোকমি নোকমি তৌবা ফজবা অমসু মহাক্কী য়ামদনা পুথোক্লক্লিবা ৱারেংশিংদা থেংনৈ। হায়নীংবদুতা তাপ হেক্তা হায়দোকপনি; ফঙহন্নিংবা কয়াসু ফিজিনা মমায় খুমজিনখিবদৌনা ফোঙদোকই। মসিনা অপাবদা ঈংনা নুংঙাইবা অমা ফাওহল্লি। অসিগুম্বা ৱারেংশি মতমগী সাহিত্যগী বেললেটর (রম্য রচনা) হায়বদুগী মশক্লি। পাবদা রস হায়বদু পোক্লে।

পুন্নমক অসিনা মণিপুরী লোনবু হৌজিকমক বিজ্ঞান অমসুং দর্শনগী লূরবা ৱাখল অমসুং ৱাহৈ কয়া ফোঙদোকপা ঙম্লে হায়বদি য়াদ্রি। সংস্কৃতকী লীপুনসু নাম্থোরক, ইংরাজীচিংবা ৱাহৈসু পঙলৌ লৌরুবা য়াদ- মতম অমা ওইনা তৌরিবা লোনগী ফিবমনি। ৱারী লীবগী, পাউতম্বগী অমসুং লাইয়েকপগী লোন অমা ওইনদি ফনা য়াম্না ফজবা য়ৌরে। ৱাখলগী লূরবা ভাব কয়াদি মরিক চুন্না ফোঙদোকপা ঙমদনা লৈরি। অদুবু মমারোনবু নুংশিবদসু নত্তনা লোনগীদমক চাউথোকচবা জাতি মচা অমা মণিপুরীশিংনা ওইরক্লিবনিনা অৱাৎপা খরা অসিমসু অসুম ফোঙদোকপা ঙম্লক্লগনি হায়না আশা তোরি।

অদুগা মথক্কী চাউরাক্লা নৈনরিবা মণিপুরী লোনগী ৱারেংগী চেষ্টরকইবা ঈচেনসিদা পনখ্রিবা মীশক খরা অসি নত্তনা নহারোল লেখক কয়াসু লোনগী য়াওন্দা মতমগী শৈশক অসিদা চঙনবা হোৎনরি। ফনা মওং তারবা ৱাখলগী অমসুং লোনগী মূর্ত্তিগীদমক্তা লাঙতক্করিবা খরদি থেংনদবা নত্তে। মখোয় পুন্নমক অসিগী অপুনবা দাননা মণিপুরী ৱারেংবু মতমগী সাহিত্যগী ৱারেং ওইহল্লকলগনি

হায়বদা চিংনবা লৈতে।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| বাহন | ঃ | শাদোং |
| প্রাকৃত | ঃ | লোন অমগী মিং। |
| ল্যাটিন | ঃ | রোমান লোন। |
| মুক্তি ফংজবা | ঃ | নীংতম্বা ফংজবা। |
| সংস্কৃতি | ঃ | নাৎ |
| বেশ | ঃ | ফিজেৎ। |
| পোপুলার | ঃ | খ্বাই ময়াম্না পাম্নবা। |
| প্রভু | ঃ | মপু। |
| মার্ক্সিষ্ট | ঃ | কার্ল মার্ক্স নত্রগা মাগী সমাজতন্ত্রবাদপু য়াবা মী। |

## ৱাহং

**১। মখাগী ৱাহংশিং অসি য়াম্না তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) মার্টিন লুথারনা বাইবলবু করম্বা লোন্দা হন্দোকখি?

(খ) বৌদ্ধধর্ম করম্বা লোনদা শন্দোকখি?

(গ) জৈনধর্ম করম করম্বা লোন্দা শন্দোকখি?

(ঘ) মণিপুরী ৱারেংবু মওং অমা তাহল্লকপসি মপূং ওইনা কনানো?

(ঙ) কনাগী ৱারেংদা কাব্যগী যাদু চঙবগে?

(চ) লমাবম কমলনা ইরম্বা উপন্যাস অদুগী মিংথোন করিনো?

(ছ) ‘মণিপুরী সমাজবু এক্সরে থাদুনা পুথোক্লবা লাক্লরি।’- লাক্লরিবসি কানানো?

(জ) ‘খম্ব-থোইবীগী ৱারীগী কাং শন্নবদা মঞ্জুনবা ঙৌবোং অমা ইল্লদুনা মচি অমদা ফল্লবা খম্বগী মশকনি।’- কনাগী মরমদা হায়রিবনো?

(ঝ) ‘খঙহন্নিংবা কয়াসু ফিজিনা মমায় খুমজিনখিবদৌনা ফোঙদোকই।’-

কনাগী খুৎইগী মরমদা হায়রিবনো?

(ঞ) 'বেললেটর' হায়বসি করিনো?

২। **মখাগী ৱাহংশিং অসি তেন্না খুন্মুঃ**

(ক) অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী লমজীং মৈরা পায়রম্বা অইবা অহুমদংগী মমিং ইয়ু।

(খ) অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য পোকখিবা মতমদা পুথোকখিবা পত্রিকা অহুমদংগী মমিং ইয়ু।

(গ) 'শাপ নত্তে, অমাঙবা নত্তে, বরনি' হায়রিবসি অইবা কনাগী মরমদা হায়রিবনো? মসি হায়বগী মরম করিনো?

(ঘ) 'মহাক্কী মতৌ তম্বদি ওইথোক্তে, অদুগা মহাকপু পাদবদি য়াদে।'- অইবা কনাগী মরমদা হায়বনো? মসি হায়বগী মরম তাকউ।

(ঙ) জি. সি. তোংব্রাগী লীলাগী থোইদোকপা মশক তাকউ।

(চ) 'অদুমদি ফম্মিন্নগনি; মায়দি ওনশিন্নরোই।'- ৱাফম অসি কনা কনাগী মরমদা হায়রিবনো খঙহল্লু।

৩। **মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

(ক) অসুন্না সংস্কৃত অমসুং বাংলা লোন্না হাৎপীরল্লবা মণিপুরী লোন-মৈতৈলোন অসি মুক্তি ফংজবা কুইদ্রি।

(খ) ৱাখলগী অরুবা মশক ফোঙদোকপদা চাউবা অমসুং কল্পনাগী মূর্তি উৎলকপদা কমল-অসুন্না অনিমক শিবদূর্গা গুন্না ঙাম্থোইহনবা য়াই।

(গ) অঙাংগী অচম্বা মিৎয়েংগা লোয়ননা অহলগী খুৎয়েক্তা লোইবা নাইদ্রবা ৱারেং শৈরেং থনমই- 'অঙাংহল' মিংফমগী চানবা তৌরমই।

(ঘ) মহাক্কী লোইবা নাইদ্রবা লীলাশিংনা ভাবকপু খম্থহল্লি অমসুং নোকহল্লি-নোক্লা নোক্লা খলহল্লি অমসুং খন্না খন্না নোকহল্লি।

৪। **ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

(ক) এলাংবম নীলকান্তগী মতুং ইন্না খ্বাইরাকপম চাউবা অমসুং লমাবম কমলগী ৱারেংগী খুৎই চাংদম্নদুনা উৎলু।

(খ) অইবা নীলকান্তগী মতুং ইন্না হিজম অঙাংহল অমসুং অশাংবম মীনকেতনগী ৱারেংগী খুৎইগী মশক তাকউ।

(গ) এম. কে. বিনোদিনীগী খুৎইগী থোইদোকপা মশক শীংথাদুনা ইয়ু।

# মৈতৈ নুপী

এস. কৃষ্ণমোহন সিংহ

*(**সিনাম কৃষ্ণমোহন সিংহ** (১৯০২-১৯৮৬) কৈশামথোং ইম্ফালদা পোকই। এম. এ., বি. এল. নি। তোম্বীসনা হায়স্কুলদা ওঝা ওইরম্মি। এম. পি. ওইখি। মোনু থাঙ্গাল, শকখঙদবী, নুংঙাইবা থিবা, মণিপুর গোবিন্দ, মণিপুর কদোমদা, চীংদা শাৎপা হায়ববা ড্রামাশিং অসি ইখি। ঋরেং নাচোম, গান্ধী, গান্ধী তত্ত্ব, গীতাঞ্জলি মণিপুরীদা হন্দোক্লুনা ফোঙখি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা "সহিত্য ভূষণ" উপাধি পীদুনা মহাকপু ইকায়-খুম্নখি।*

*ঋরেং অসিদা অইবনা মৈতৈ নুপীগী নোম্বা কনবা খাঙহৈবা অমদি নুংশি চাউবগী মগুণবু শীংথারি। লাইররবী মৈতৈ লুখ্রাবী অমনা মচাবু মী ওইনবা হোৎনবদা শেৎপা মচেৎ, চাবা মচেৎ তৌদুনা, মচাবু লাইরিক লাইশু তমহন্দুনা মীথোই মীহেনবা ওইহনবা ঙম্মী, নোম্বা কনবী মৈতৈ নুপীনি। পাৎতা ঙা তীল্লুরগা কৈথেন্দা য়োন্দুনা চরা নোংখন্নরিবী, চরা নোংখন্নবা চীং তম খঙদবমখৈ চেন্দুনা হোৎনরিবী মৈতৈ নুপীনি, মাগী মগুণদি থাবতনা ঋাৎলগনি। অসুম্না অইবনা মৈতৈ নুপীগী মগুণবু ঋরেং অসিদা মরীক চুম্না নৈনরি।)*

পলেম শকপী মৈতৈ নুপী, নহাক্কী নফমদা নুংশিনা ভক্তি ব্যবহার তৌফম থোকপদু তৌননি খঙলকত্রবা, তৌবিমল খঙদ্রবা তোল্লবা ঐনা ঙসি নঙগী খূয়াখাদা ইকোক লৈতানা খূরুমজরি ইমা। অসুক কুইবসি পলেম নঙগী তাঙলবা নতীক-নগুণ, নথৌনাবু মতমগী ঈচেলগা লোয়ননা অকাউবগী ঊনুংবুংদা অসুম চেন্থহনখি। ঐগী পুন্সি কৌবা মমল লৈত্রবা লাইরিক অসিগী নোংমা নোংমা কৌবা লামায়শিংদু হাইগৎতুনা য়েংঙবদা নোংমগী লামায় অমা ফাওবা পলেম নঙগী শুমহৎনবা মশক ওইরবা মূর্ত্তিদুগী মমি তাখিবা থেংনরকত্রি। অদুবু ঙসিদি পলেম, ইরাইবক

ফবা নুমিৎ অমা থেংনরে। পুন্সিগী খোঙচৎ লেপ্পিং লেপ্পিং তৌরক্লবা, যান্না ৱানা শোরো শোরো চিংদুনা চৎলবা মতম অসিদা নোংমা পলেম নঙনা অকাউবগী ঈনুংবুংদগী ফাওগৎলক্তুনা নঙগী চাংদমনিংঙাই লৈতনা চঙখোল্লবা মূর্ত্তিদুনা শক্লোন কয়াগা লোয়ননা ঐগী ৱাখল মীৎমাঙদা ঙাম্থোইবিরে। পলেম নঙগী নতীক-নগুণ নথৌনাবু মতীক চাবা ৱাহৈনা লৈশী-লৈথোন্দুনা শকশোনবা ঐগী ইতীক ইপা ওইদ্রে। ইকোক লৈতানা খুরুমজরি। মসিদনা ঐগী লমন খজিক্তং শিংজবনি নীংজগে। পলেম নঙগী লমন্দি মণিপুর মচশিংনা মপোক চামরক ফাওবদা শিংবা ঙম্মরোইদবনি।

ঐখোয়না নুতিগী তোরোৎ-খাদাননা লোয়নবা, নক্লমনবদুদা কাউথোকই-মৈতৈ নুপী করিনো? থায়নগী ৱা চিংথোকউদ্রবসু কুইদ্রিবা ইতিহাসনা, হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক্লা মৈতৈ করিনো হায়বদু যান্না শেংনা থাজনা তাক্লি।

অদুঙৈ বৃটিশনা মণিপুরবু লান্দা মায়থিবা পীরবা মতুংদা মণিপুর মচাশিংগী মথৌনা মরিংজেনবু নৈহত্তুনা মাঙহন্নবা বৃটিশ শক্তিনা অফা-অপুন তৌদুনা, ফূ-চৈদুনা ওৎলক্লবা মতমদা, মণিপুরদা অনৌব শাসনগী ফিভমসু মওং তাদ্রিঙৈ অদুদা সাহেবকী ময়ূম মৈ থায় হায়বগীদমক মণিপুরগী নিপাশিংবু যূম শিংহনবা তমথিরবা অচোপ্পা চৈরাক বৃটিশ শক্তিনা পীরক্লবা মতম, মণিপুরগী নিপাশিংনা মচীন কাঙথোকপদি ঙমদ, ময়া ক্রক-ক্রক চীক্লা তৌফম খঙদনা অনম-অহা চুদুনা মমায় মক্লা লৈরবা মতম অদুদা কনানা নিপাশিংগী ইজ্জৎ কনখি, বৃটিশকী সজাই লৌথোকহনখি! অতৈ কনানা নত্তে, মৈতৈ নুপীনা, নিপানা নৈহৎপিবা চৈবিবদা থংলবা মৈতৈ নুপীননি। অসিগী লমন কদৌঙৈ শিংবা লোইগনি!

খৃষ্ট কুম ১৯২৮-৩০ গী চাক তাঙবদা চাদ-থক্তবগী খোল্লাউনা মণিপুরগী মাইকৈ মরিমক, মফম খূদিংমক ইমা লাউবগা মান্ননা ৱানখ্রবা মতমদা চাদবনা মমি শাল্লবা তুরোয়-ঙাল্লোয়নরবা লৈবাক মীয়ামগীদমক কনানা সিপাইগী শঙ্গি ন মরক্তা চোংশিন্দুনা চেঙগী মিল থিংখি, মপান্দা চেঙ থিংখি? অতৈ কনানা নত্তে, মৈতৈ নুপীনা, যূম-কোইবী মৈতৈ নুপীনা। অসিবু কাউজন থীবা কনানা কাউবা ঙমগদগে?

ঙসি ঙরাংগী ৱানি- যুগী নেশানা লাকহৎতুনা মশা মাঙহন, মরমচৎ মাঙহন, মরল-মথুম মাঙহন তৌদুনা মশাগীসু সমাজগীসু মাঙননবা তৌবা মীশিং অসি নেংমা নোংমগী হেনগৎলক্তুনা সমাজদা অকি মশক ওইরবা তমথিরবা লায়থুং

অমা শন্দোক্লবা মতমসিদা পুলিশকী থৌরাং ঙাইদনা কনানা ঙসি লায়থুংসি মুথৎনবা হোৎনবিরি? কনানা ওইগনি? নিপানা থক-চানিদা হায়দুনা তানফম ওইরিবী মৈতৈ নুপীনি। অসিবু খজিক খরাক্কী লমন নত্তে।

জগৎ অসিদা চাংদম্নিংঙাই লৈতবী মৈতৈ নূপীনি। রামায়ণ, মহাভারত্তা মৈতৈ নুপীগুম্বা থীবা ফংলোই, রবী অমসুং শরৎকী ৱারী, উপন্যাসতা য়াওবা নুপীনা মৈতৈ নুপীগী মনাক নকচবা ঙম্লোই। মৈতৈ নুপীদি লৈশেম-মীশেম্লকপা লাইদুনা তোপ তোপ্না শেম্লবা মাল্লি।

নুতিগী কোল্লিক-ৱাইরম শেংদুনা চাকথোং-ফৌশু তৌদুনা চাগদবা খরা চারগা ঙন্তানা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেন কাদুনা ফনেক, ইনফি, ফিরোল য়োঞ্জদুনা মচাবু বি.এ., এম. এ. পাস তৌবা ঙমহন্নবা হোৎনরিবী মৈতৈ নুপী লুখ্রাবী। মচাগী হোৎনবদা চাবা মচেৎ,শেৎপা মচেৎনা মাগী মশৰূক ওই, মচাদা লাইনীং ওইৰবী সিগুম্বী লুখ্রাবী মফম কৈদা থেংনরোই। পুন্সিগী লমখাংদা মনুং-মতম চাদনা লাইরৈবাক তানখ্রবা মপুরোইবগী ঈ-তোংগী মহুৎ শিল্লবা মচাবু মী ওইনবা শেম্বনা মপুরোইবগী সেবা মতোল্লোম্বনি খঞ্জরবী অনোম কনবী লুখ্রাবী মৈতৈ নুপীনি।

অদুনা অহিং-তাংলৌ অথেঙবা, মীনা তূমখুন হুনখ্রবা ফাওবদা চোকথরবা মসাদু ৱাবা খঙদবা শারদুনা য়োংখমথক্তা ফমদুনা মচীন্দা ঈশৈ ঙংদুনা হয়েংগী কৈথেল নংনবা চরৈ ফিরোই তাল্লিবী ফিশাবী মৈতৈ নুপী। অশীৎপা মমলনা নোংমগী চরা লৈদ-য়াদবনা তোংলে তোংনা মাঙলে মাঙনা য়োন, নোমজমন নামৎ মাঙবনা মরাইবক্তা তোয়না থোক্লবী শূগনবী লাইরবী ফিশাবী মৈতৈ নুপী।

অতৈসু লৈরি- অয়ুক চাকঙন চাদুনা ঠিকাদারদা মমিং পালহল্লুরগা দোলান শাবা, শোরোক শেম্বা য়াওরিবী, লাইরবদগী ইকায়-ইকি খঙশিন্নদ্রবী মপুম থিৎনা নোল্লিবী মৈতৈ নুপী কুলি শাবী।

পাত্তা ঙা তীক্লুরগা লুথোং-কোকথোং নানা, খ্বাংচেৎ কন্না লাকশিন্না ইম্ফাল কৈথেল নংনবা নোমজেন চেন্দুনা মচীঞ্জাক তাল্লিবী মৈতৈ নুপী ঙায়োনবী। মাবু অঙাংশিংনা ৱাইথৌ শগোল কৌবিবদা নোক্তুনা তারিবী, অশাওবা অৰাবা খঙদনা মপোত্তুদা য়োলহৌনবা চেল্লিবী ঙায়োনবী মৈতৈ নুপী।

চান-থৰুবা পোৎশিংগী মমন্নদি নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লুবা মতমসিদা শুভম-চৎফম খঙদ্রবী মৈতৈ নুপী কয়া অমনা অরাপ্পা চীংনুং-মানুং তান্না হায়জিনখিদুনা উখ্রুল, চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, মোরে ফাওবা চঙসিন্দুনা

অফংবা গাড়ীদা চেপ্পোক-চেনশিন তৌদুনা ললোন পোৎ খরা পুরগা ৱানা হিংনবা লাক্লরি। করিগুম্বদসু তৌফম খঙলকত্রদুনা শির-শি, চঙল-চঙ মথৱায় খুবাক্তা হাপতুনা মীরৈবাক্তা লানশিন্দুনা মচীঞ্জাক থিরিবী মৈতৈ নুপী। নুংশিহৈতবা লাইরবনা চপশিল্লকপদা স্বর হোনফম খঙদ্রবী মঙোন্দা থৱায়গা হকচাংগা পূন্না লৈমিন্নবা পুন্সি হায়বসিগী অর্থ লৈত্রে, থৱায়গী মমল য়াওদ্রে। অসুন্না শিবা কিদ্রবী মৈতৈ নুপী।

অঙাওবী নত্রগা অহল ওইদুনা শূবা-নোম্বা ঙমদ্রবী নত্তনা মৈতৈ নুপীনা মচীঞ্জাক্কীদমক ভিক্ষা নিদে। কৈদৌনুংদসু নিরক্তবা ওইসনু।

অদুগা নিপা মরক্তা তুজুং-মাঞ্জুংবা খঙদনা কোন্না হায় হুমদুনা চৎলিবী মৈতৈ নুপী, থকশি-খাশি নাইদনা ৱাহৈ কারল চল্লকপদা ওনশিন্দুনা মখজাইদা খূপাক্লা থাবা ঙম্বী মৈতৈ নুপী, মসিনি মৈতৈ নুপীগী মখল-মথেল য়াল্লবা লীলাগী মশক ওইরবা পুন্সি।

বাঙ্গালীশিংনা রবী ঠাকুরদগী শরতচন্দ্রবু করিগী হেন্না নুংশি ? মরম লৈ। শরতচন্দ্রনা বাঙ্গালী সমাজগী মবুক খঙনা-বাঙ্গালী সমাজগী মথিবোং-মরিনবোং লোইনা কোৎথোক্তুনা কাচিন-কোয়া য়ৌনা হন-হন্দুনা মাগী হৈ-শিংলবা কলম্না অৱা-নুংশি খঙনা ইরকপা ৱারী, উপন্যাসতা বাঙ্গালীশিংনা মখোয়গী সমাজগী মমি তরু-তরুনা উবা ফংই, অদুদা পেল্লি। মতাং ওইনা গান্ধীজীনা হায়রম্বা ৱা অমা নীংশিংবা য়াই। মানা হায়রম্মী,- 'ঐনা পাম্বা কলা অমসুং সাহিত্যদি মী লাখ-লাখনা মরোল খঙবা ঙম্বা কলা অমসুং সাহিত্যদুনি' (আই ৱাণ্ট সচ আর্ট এণ্ড লিটরেচর দেট কেন স্পীক টু মিলিয়ন্স)। শরতকী ৱারী অমসুং উপন্যাসনা বাঙ্গালী লাখ-লাখগী থম্মোয়দা পাল্লি। মণিপুরগী ইবা হৈবশিংনা ঐখোয়গী ফজরবা, তাঙলবা মচাকশিংসি শীজিন্নদুনা ইরবদা করিসু চিংননিংঙাই ওইদে। ইবা হৈবশিংনা মৈতৈ নুপীগী লীলাগুল্লবা পুন্সিবু চৈচঙ তানা খন্থরবদি মীৎলুগী পি কংবা লৈররোইদবা অৱা-নুশিগী ৱাখল, ৱাহৈনো মথন-মথন্দা চেপ্পোরক্কনি।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| ভক্তি | ঃ | লাই নত্রগা মথক থোংবশিংদা নোল্লুকপা। |
| ঈনুংবুং | ঃ | ঈশিং মনুং, ঈচেলদগী নাকোয়ননা |

| | | |
|---|---|---|
| | | চেন্থদদুনা লৈহৌবা ঈশিং। |
| মূর্ত্তি | ঃ | শক্তম। |
| চঙখোল্লবা | ঃ | ফজরবা । |
| লৈশী-লৈথোনবা | ঃ | ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নবা। |
| তোরোৎ-খাদানবা | ঃ | য়াম্না হেন্না নকশিন্না তিন্নবা। |
| সাজাই | ঃ | মরালগীদমক পীবা দণ্ডী মখল অমা। (হিন্দী ৱাহৈ 'সাজা' গী মণিপুরীদা মশক ওল্লগা শীজিন্নবা) |
| ইমা লাউবা | ঃ | লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা অৱা-অনা থোকপা। |
| মমি শাম্বা | ঃ | মশোক-মঙান য়াওশিল্লক্তবা। |
| য়ূমগোইবী | ঃ | য়ূমগী থবক-ইংখাং নোমদুনা লৈবী নূপী। |
| রবী | ঃ | বিশ্ব কবি রবীন্দ্র নাথ ঠাকুর। অইবনা শমজিন্না রবী হায়না শীজিন্নরে। |
| শরত | ঃ | বেঙ্গলগী অইবা শরতচন্দ্র চট্টোপাধ্যায়বু খঙনৈ। |
| চাবা মচেৎ | ঃ | মপুক থন্না চাদবা। |
| শেৎপা মচেৎ | ঃ | মপূং ফানা শেত্তবা। |
| মতোল্লোম্বা | ঃ | থবক্কী পান্দম মপূং ফাবা। |
| লুথোং | ঃ | কোক্তা পুবা পোৎলুম, থুমোক মখল অমা। |
| নোমজেন | ঃ | নোম্না নোম্না চেনবা। |
| ৱাইথৌ শগোল | ঃ | কোকথক্তা ঙাগী লুবাক পুরগা ইম্ফাল তান্না য়োনবা নংনবা চেনখৎলকপী নুপীশিংবু অঙাংশিংনা লক্নদুনা হায়বা ৱাহৈনি। মণিপুরগী পলেল রোডতা লৈরিবা ৱাইথৌ পাৎ হায়রগা খঙনরিবা পাৎ অসিদা ঙা য়াম্না ফারম্মী। |

| | | |
|---|---|---|
| | | মমাংঙৈদা হৱা-গাড়ীনচিংবা লৈত্রিঙৈদা ঙায়োনবীশিংনা ৱাইথৌদগী ঙা লৌরগা ইম্ফালগী কৈথেলসিংদা য়োন্নবা চেন্না-চেন্না লাক্লম্মী। মদু উরগা অঙাংশিংনা মখোয়বু লরুবা ওইনা 'ৱাইথৌ' শগোল' হায়রম্মী। |
| মথৱায় খূবাক্তা হাপ্পা | ঃ | তৌরিবা থবক্তা শিবা কিদনা কন্না চঙশিনবা। |
| ভিক্ষা | ঃ | য়ূমথোং য়ূমথোংদা চঙদুনা সাধু সন্ন্যাসীশিংনা নত্রগা লাইরবশিংনা নিবা। |

## ৱাহং

**১। মখাগী ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

(ক) মণিপুরগী অহানবা নুপীলাল করম্বা মতমদা অমসুং করি তৌবদগী থোকখিবগে?

(খ) মণিপুরগী অনিশুবা নুপীলাল করি মরমদগী থোকখিবগে অমসুং মদুদা মৈতৈ নুপীশিংনা করি তৌখিবগে?

(গ) য়ুনচিংবা নিশা কাবা পোৎশিংনা লাকহৎলবা মণিপুরী সমাজদা মৈতৈ নুপীশিংনা মদু কোক্লবা করি করি তৌখিবগে?

(ঘ) "রবী অমসুং শরতকী উপান্যাসতা য়াওবা নুপীনা মৈতৈ নুপীগী মনাক নকচবা ঙম্লোই।" ৱাফম অসি অইবনা করিগী হায়রিবনো? মরম পীদুনা শুগাইনা পাউখুম পীয়ু।

(ঙ) মৈতৈ নুপী লুখ্রাবীনা মচাশিংবু করম্না মহে-মশিং তমহন্নবা হোৎনবগে?

(চ) শুভম-চৎফম খঙলকত্রবদা মৈতৈ নুপীশিংনা হিংনবগীদমক করি করি তৌবগে?

(ছ) ঙায়োনবী অমা ওইনা মৈতৈ নুপীনা করি করি তৌবগে?

**২। মখাগী ৱাহংশিংগী পাউখুম পীয়ুঃ**

(ক) অইবনা কনাবু মকোক নোন্না খুরুম্বগে?

(খ) অকাওবগী ঈনুংবুংদা করি চেন্থখিবগে?
(গ) অইবনা করি তৌরগা মৈতৈ নুপীগী লম্মন শিংবনি খনবগে?
(ঘ) করিগীদমক বৃটিশনা মৈতৈ নুপাবু ওৎ-নৌখিবগে?
(ঙ) করম্বা চহীদা নপীলাল থোকখিবগে?
(চ) নুপীলাল থোকখিবগী মরম করিনো?
(ছ) রামায়ণ অমসুং মহাভারত্তা মৈতৈ নুপীগুম্বা ফংলোই হায়রিবা করিগীনো?
(জ) রবী অমসুং শরত হায়বসি কনা কনানো?
(ঝ) লৈশেম-মীশেল্লকপা লাইনা মৈতৈ নুপীবু তোপ তোপ্না শেম্লবা মাল্লি হায়রিবা করিগীনো?
(ঞ) মৈতৈ নুপী লুখ্রাবীনা করি তৌবা ঙম্মী?
(ট) খুৎশুমল নামৎ মাঙনা কনানা করিগী পোৎ য়োনবগে?
(ঠ) ৱাইথৌ শগোল হায়রগা কনাবু খঙনবগে?
(ড) ৱাইথৌ জাতিগী নুপীনা ইকায়-ইকি খঙশিন্নদনা করিগীদমক মপুম থীৎনা নোম্বগে?
(ঢ) কনানা করিগীদমক চীংনুং- মানুংদা হাইজিন্দুনা ললোনবগে?
(ণ) করম্বা মৈতৈ নুপীনা ভিক্ষা নিবগে?
(ত) মৈতৈ নুপীনা ৱাহৈ কারল চল্লকপা মীদা করম্না দণ্ডী পীবা ঙম্বগে?
(থ) বাঙ্গালীশিংনা শরতচন্দ্রবু য়াম্না পাম্নবা করিগীনো?
(দ) কলা অমসুং সাহিত্যগী মরমদা গান্ধীজীগী মত করিনো?

৩। **মখাদা ইরিবসি পারগা পাউখুম পীয়ুঃ**

'মণিপরগী ইবা হৈবশিংনা ঐখোয়গী ফজরবা, তাঙলবা মচাক শিংসি শীজিন্নদুনা ইরবদি মণিপুরী মচা লাখ-লাখগী থম্মোয়দা পানবা অৱাংবা সাহিত্য থোক্কনি হায়বদা করিসু চিংননিংঙাই লৈতে।'

(ক) ঐখোয়গী ফজরবা, তাঙলবা মচাক হায়বসি করিনো? শুগাইনা খঙহল্লু।
(খ) থম্মোয়দা পানবা অৱাংবা সাহিত্য হায়বসি করম্বা মখলগী সাহিত্যবুনো?
(গ) ঐখোয়গী অইবশিংনা করম্বা মখলগী ফজবা মচাক য়াওবা সাহিত্য পুথোকত্রি হায়না অইবসিনা খনবগে?

# আসাম অমসুং অসমীয়া লোন

**বিৰিঞ্চি কুমাৰ বৰুৱা**

*(**বিৰিঞ্চি কুমাৰ বৰুৱা** (১৯১০-১৯৬৪)! ১৯১০ দা নওগাঁও জিলাদা পোকই। ইংকুমজা ১৯৩৮ দগী কলিকতা ইয়ুনির্ভাসিটিদা অসমীয়া লোনগী ওঝা ওইরম্মী। মথংদা, ১৯৫৩ দগী মহাক্না নোঙ্গাখিবগী মতম ১৯৬৪ ফাওবা গৌহাটী ইয়ুনির্ভাসিটিদা অসমীয়া লোনগী হেদ অব ডিপার্টমেণ্ট ওইদুনা থবক তৌরম্মী। 'বীণা বৰুৱা' হায়বা অরোনবা মীংথোন শিজিন্নদুনা 'আবাহন' কৌবা চেফেংদা ৱারেং কয়া ইদুনা ফোংলম্মী অমসুং অসমীয়া সাহিত্যদা মহাকপু শক খঙনখি। মহাক্কী ফোংখ্রবা লাইরিকশিংদি- 'অসমর লোক সংস্কৃতি' (১৯৬১), 'অসমীয়া ভাষা আরু সংস্কৃতি', 'জীৱনর বাট' (উপন্যাস) ১৯৪৫, 'সেউজীপাতর কাহিনী' (১৯৫৮) শীংথাবা য়াই। মহাক্কী লাইরিক 'অসমর লোক সংস্কৃতি' অসিদা সাহিত্য একাডেমী এৱার্ড পীখি (১৯৬৪)।*

*আসাম হায়াবা লৈবাক অসি মমাংঙৈদা (পৌরাণিক্কী মতমদগী) প্ৰাগজ্যোতিষপুর কৌনরম্বদগী মথংদা কামরূপ হায়না কৌখিরম্মী। মতুংদা আহোমশিংনা মফম অসিদা লাকতুনা পানবা হৌরকপদগী আসাম হায়না কৌখিবগী মরম পীরি। মফম অসিদা অহানবা তাংককতগী করম করম্বা শাগৈ নত্রগা মীকাঙলুপনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরম্মী অমসুং মখোয়শিং অদুনা করম করম্বা লোন ঙাংনরম্মী মদুগা লোয়ননা অসমীয়া লোন অসি করম্না ওইখিবনো হায়বসি কুপ্না নৈনরি। ৱারেং অসিদা অসমীয়া লোন অসি আর্যলোনগী মশা-অমনি, অষ্ট্ৰিক অমদি তিবেতো বর্মা লোষ্টে কয়াগী ইথিনতা নত্তনা অতৈ লোন কয়াগী মমি তারবসু মাগধীনা লোন অসিগী মপা মপুনি হায়না পল্লি। হৌজিক্কী মতমগী অমসীয়া লোন অসি সংস্কৃতকী মতেংদগী চাউখৎলকখি। বাংলা, আরবী, পার্সিনচিংবা*

*লেপচবা ঙস্বা, নীংতম্না লোনবা য়াবা লোন অমা ওইদুনা ভারতকী শীংথাবা য়াবা চাউখৎলবা লোন অমা ওইনা লৈরি হায়দুনা অইবা অসিনা মাগী ৱারেং অসিদা য়াম্না মরীকচুম্না নৈনরি।)*

ভারতবর্ষগী মনুংদা লৈরিবা হৌজিক আসাম হায়না হায়না খঙনরিবা লমদম অসি পৌরানিক যুগতা (মহাকাব্যগী মতমদা) প্রাগজ্যোতিষ হায়না খঙনরম্মী। অৱাংবা থাক্কী অরিবা সংস্কৃত সাহিত্যদা খুদম ওইনা কালিদাসকী লাইরিকশিংদা প্রাগগজ্যোতিষ অসিবু কামরূপ হায়নসু কৌরম্মী। কামরূপ হায়না মীংগৌখিবগী ইহান হানবা অফংবা কোরিকোম্পাক্কী চেজন (Epigraphic record) দি খৃষ্টগী চহীচা মঙা শুবদা পাল্লম্বা সমুদ্রগুপ্তগী এলাহাবাদতা লৈবা নীংশিংখুদমদা হকতুনা ইরম্মীবা (Inscription) অসিনি। ময়াই ওইবা যুগকী আসামগী ভৌগলিক ধর্ম্ম ইতিহাসকী মরমদা ইবা কালিকা পুরাণ (তরাশুবা চহীচা) দা প্রাগজ্যোতিষ নত্রগা কামরূপকী য়েক্তুনা তাকপা ভৌগলিক শক্তম উবা ফংঙি। যোগিনী তন্ত্রনা কামরূপকী ঙমখৈবু অসুম্না উৎলি মদুদি

> "নেপালস্য কাঞ্চনদ্রিম ব্রহ্মপুত্রস্যসঙ্গমম্
> করোতোয়াম সামরাভ্যা যাবৎ দিক্রভাসিনীম্
> উত্তরস্যাম কানজাগিরি করোতোয়া তু পশ্চিমে।
> তীর্থশ্রেষ্ঠ দিকসু নদী পূর্ব্বশ্যাম গিরিকান্যকে
> দক্ষিণে ব্রহ্মপুত্রস্য লক্ষ্যভাঃ সঙ্গমভাধে
> কামরূপা ইতি খ্যাতঃ সবর্ব্বশাস্ত্রেযু নিশ্চিতঃ।"

"নেপালগী কাঞ্চন চীংজাওদগী ব্রহ্মপুত্রগী ইতিনফম ফাওবা, করোতোয়াদগী দিক্রভাসিনী ফাওবা, অৱাংলোমদা কানজা চীংজাও, নোংচুপ লোমদা করোতোয়া, নোংপোক লোমদা দিকসু, খারোমদা লাকসা অমসুং ব্রহ্মপুত্রগী ইতিনফম ফাওবা। মসিগী মনুংদা কোল্লিবা চীংজাও কয়াগী মচানুপী অসিবু শাস্ত্রপূম্বদা কামরূপ লৈবাক হায়না কৌরি।" মরম অসিনা থায়নগী কামরূপ অসিনা হৌজিক লৈরিবা আসামদগী হেন্না পাক-চাওরম্মী। হৌজিক্কী লৈরিবা জিলাশিংতা নত্তনা অৱাং বঙ্গ পুম্নমক হায়বদি কোচবিহার, রংপুর, জলপাইগুড়ি অমসুং দিনাজপুর পুম্নমকপু য়াওনা কোনশিল্লম্মী।

লৈবাক অসিগী হৌজিক্কী মিং আসাম হায়বসি ইনৌ নৌনা থোনখিবা মিংনি। খৃষ্ট চহীচা ১৩ শুবগী অহানবা তাঙ্ককতা ব্রহ্মপুত্র তমপাক্তা লান্দারক্তুনা চঙলকপা অহোম নত্রগা শান-শিংগা মসীগা মরী লৈনৈ। অহোমশিংগী মরকতা হায়নদুনা লাকপদি হৌজিক্কী মিং অসি "অসমা" হায়বদি চাংদম্নিনংঙাই ওইদবা নত্রগা "মপা লৈতবা" হায়বাশিদগী লাকপনি। মখোয়না তম্পাক অসিদা লান্দারকপা মতমদা লৈবাক অসিদা লৈরম্বা উপজাতীশিংনা মখোয়দা ৱাহৈ অসি শীজিন্নরম্মি। মসিনা তাকপদি লানঙম্বা অহোম কাঙ্‌বুবু মখোয়না য়াম্না কিবনা থাগৎলম্মী অমসুং মখোয়গা য়ানদুনা লৈবাক অসিদা তিন্নরা লৈমিন্নখি। ডাঃ বাণীকান্ত কাকতিনদি 'অসমা' হায়বদি 'মপা লৈতবা' হায়বা ৱাহৈ অসি অরিবা ৱাহৈ 'অসম'দগী মরু (Root) 'সমগী' অর্থদি 'মায়থিহনগদবা' হায়বনি। মসিদা তেখাও (অসমীয়া) লোনগী মঙাতপ (Prefix) 'আ' তোপশিল্লবদি 'আসাম' নত্রগা 'অসম' ওই অর্থদি মায়থিদ্রিবা' নত্রগা 'মায়পাক্লবা'। মায়পাক্লবা (জয় ওইরবা) শিংগী মমিং অসি মতমগী মতুং ইন্নরা লৈবাক অসিদা কৌখিবনি হায়বা ৱাফমসু অমনি। বেডেন পাওয়েলনদি হায়রি- 'আসাম হায়বা মীং অসি বোদো ৱাহৈ' 'হা কোম' হায়বদি অনেম্বা নত্রগা লৈতেম মান্নবা লম-হায়বসিদা লংজিল ফংবা য়াই।

মহাকাব্য অমসুং পরাণগী মতুংইন্না আসামদা থায়ন অহানবা খুন্দারম্বা মীওইশিংদি নিষাদ, কীরাট, চীনা, অতোপ্পা উপজাতিশিংনি। মখোয়বু পূন্না ম্লেচ্ছ অমসুং অসুর হায়না খঙনরমই।

ভাষা বিজ্ঞান (Linguistics), অমসুং মী জাৎকী ৱারম বিজ্ঞান (Ethnographic) না পীবা প্রমাণ অমদি লৈবাক অসিগী লম খরগী থায়নগী মিংশিংনা তাকলি-মদুদি আসামগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরকপা মীশিংনা মোনক্ষ্মের শাগৈগী ইন্দোচীন লোন লোল্লম্মী অমসুং মসি স্মিথকী মোত মতুং ইন্নদি অষ্ট্রিক কাঙলুপকী লোন মশা অমনি। অষ্ট্রিক লোন লোনবা কাঙলুপ অসি আসামদা করম্বা মতমদা লাকখি হায়বদুগী চপ্‌চাবা মতম খঙবা ঙম্‌দে। অদুন্নদি ওইরগা কাঙলুপ অসি খৃষ্ট পোক্‌ত্রিঙৈ চহী চা কয়াগী মমাঙদা চঙলক্লম্বা শোয়দনা ওইগনি অমসুং মদু শোয়দনা নোংচুপ লোমদগি আর্য্য শিংনা চঙলকত্রিঙৈ চহী কয়াগী মমাংদা ওইগনি।

আসামগী জাতিশিং শাগৎপদা অষ্ট্রিক লোনবা মঙ্গোলীয় কাঙলুপ অসিনা কয়া য়াম্না শৌগৎলম্বা হায়বদুদি খনবদা য়াম্না ৱানা থোকই; অদুম্নদি ওইরগা আসামগী হৌজিক লৈরিবা সংস্কৃতিগী লমদা, চৎনবী কয়াদা অমসুং লমচৎ শাজৎতা অশেংবা কয়াদু উবা ফংঙি।

ইন্দোচীন-শিংনা মথংদা লান্দারকপদা মখল মথেল তিব্বতীয়-বর্ম্মা লোন লোনবা মী কাংবু কয়া য়াওরকখি। লান্দারকপা মীওইশিং অসিগী হৌরকফম্‌দি ইয়াংসিকিয়াং তুরেলগী মনাক্তা লৈবা লম অমসুং নোং চুপ চীনগী হোয়াংহো তুরেলগী তোর্ব্বানদনি। মফম অদুদগী মখোয়য়না ব্রহ্মপুত্র, চিন্দুইন অমসুং ইরাবতী তুরেলগী ইরিল মতুং ইন্না লাকতুনা ভারত অমসুং ব্রহ্মদেশতা চঙখি। আসামদা চঙলকতুনা লান্দারকপশিংনা ধূবড়ীগী মনাক্তা ব্রহ্মপুত্র তূরেলনা থা মচেৎ শানা কোল্লিবা লমদা লাকখি। খুদোং চারবা মফমসিদগী খরনা খা-রোমদা চথখিদুনা অহানবদা গারো চীং অমসুং টিপরা চীং লৈবাক লৌশিনখি। অতোপ্পা কাঙলুপ অমনা কপিলী তমপাক অমসুং য়ুম থংনবা অৱাং কাছাড়গী অৱাংবা লমদমদা কাখৎখি। অদুবু মখোয়না গারো চীংগী মরক্তা লৈবা হৌজিক্লা খাসি অমসুং জৈয়ন্তিয়া চীং হায়না খঙনরিবা চীংজাও অসি খুদুম চনগে তৌবদা মায় পাকখিদে। মরম অসিনা মফম অসি হৌজিক ফাওবা য়েলহৌঙৈগী অশেংবা মোন-ক্ষ্মের শাগৈগী মীওইশিংগী য়ুমফম্‌ ওইদুনা লৈরি। অতোপ্পা তিব্বতীয় বর্ম্মা কাঙলুপতি ব্রহ্মপুত্র তমপাক্কী মথক লোমদা তুংদূনা লৈখিরম্মী অমসুং খারোমদা চৎথখি। মখোয়না নাগা চীং লৌশিনখি। নাগা কাঙলুপ হায়না খঙনরবা লোন লোনবা চমন্নরবা (মশীং থিঙমদবা) উপজাতীশিং অসি মখোয়গী মচা মশুশিংনি। অতোপ্পা মায়গৈদা লন্দাবা কাঙবু খরদি চিন্দুইন অমসুং ইরাবতী তুরেলগী মথক থংবা তোর্ব্বান্দা খুন্দাখি অদুগা তপ্পা তপ্পা তৌদুনা আসামগী খা মাইগৈরোমদা চঙশিন লকখিদুনা লুসাই (মিজো) চীং, কাছাড়, মণিপুরগী

লমদম খরদা অমসুং নাগাচীংদা খুন্দাখি। আসামদা খুন্দাখিবা তিব্বতীয়-বর্ম্মা কাঙলুপকী মনুংদা বোড়ো উপজাতিশিংনা মতম অমদা খ্বায়দগী মশীং হেন্‌লম্মী অমসুং খ্বায়দগী মরু ওইবা আর্য্য নত্তবা কাঙ্‌লুপকী মীরোল ওইরম্মী। বোড়ো কাঙ্‌লুপকী মনুং চনবা উপজাতিশিংদি কোচ, কাছাড়ী, লালুং, ডিমাছা, গাড়ো, রাঙা, ত্রিপুরী, চুটিয়া অমসুং মোরাননি। হৌজিক্কী কামরূপ জিলাগী নোংচুপ মায়গৈদা লৈরিবা বোড়োশিংবু য়ুম থংনবা হিন্দুশিংনা মেক হায়না কৌই। মসিগী ৱাহৈ অসি সংস্কৃত ৱাহৈ ম্লেচ্ছ হায়বদগী য়েৎনা তোৎনদুনা শেমদোকপা মাল্লি। কামরূপ জিলাগী মনুংদা অমসুং নোংচুপ মায়গৈদা লৈরিবা বোড়োশিংবু কাছাড়ী হায়না কৌই। কাছাড়ী হায়বা ৱাহৈ অসিগী মৈহৈরোনগী মরমদা য়াম্না কুপ্না থি-হুমদুনা য়েংখ্রে। ওইবা য়াবা অমনা সংস্কৃত ৱাহৈ 'কিরাট' হায়বসিগা লেংমান্নানা চৎপা ৱাহৈ, লোনচৎ 'কক্ষতা' গা মরি লৈনরমগনি হায়বসিনি।

ভাষা বিজ্ঞান (লোন-কাঙলোন) না উৎপা প্রমাণগী মতুংইন্না মতম অমদা বোড়োশিংনা হৌজিক লৈরিবা লৈবাক অসি খাসি অমসুং জয়ন্তিয়া চীং য়াওদনা মণিপুর অমসুং নাগা চীংগী নোংচুপতা লৈবা লম পূম্নমক য়াওনা কোনসিল্লম্মী। অওইবমক্তি মখোয়না লৈবাক অসিগী মশক নাইবা পোৎ খরদা মিং থোল্লম্বা অসিনি। বোড়োশিংনা আসামদা লৈরিবা তুরেলগী মিংথোল বোড়ো লোন থোনখিবনি। মখোয়না য়েলহৌঙৈগী অষ্ট্রিক লোনদা থোল্লম্বা তুরেলশিংগী মিংবু মাংনপ 'ডি' হায়বসি মখোয়গী লোন্দা ঈশিং-হায়বসি হাপচিন্দুনা অমুক হন্না শেমদোকলম্মী। খুদম ওইনা হায়বদা বোড়ো ৱাহৈ 'ডি' অষ্ট্রিক লোন হোং (ঈশিং)গী মাংনপ ওইহন্দুনা ডিহোং হায়দুনা শেমলম্মী মশিমক তুরেল অসিগী হেন্না লিবা মতমগী মিং ওইরম্বা য়াই।

বোড়োশিংনা মখল মখলগী উপজাতিশিংগী মিংথোন্দা চুটিয়া, কাছাড়ী, কোচ অমসুং অতৈ অতৈ মিংথাল লৌদুনা অসামগী শরুক অমদা নত্রগা অমদা য়াম্না খুৎকন পাঙ্গল্লবা লৈবাক মতম মতমদা শেমখি। চহিচা কয়াগী মতুংদা বোড়োশিংবু নোংপোক মায়গৈদগী অচৌবা 'তাই' কাঙলুপকী অহোমশিংনা

অমসুং নোংচুপ মায়গৈদগী আর্য্যশিংনা মপাল্লোমদগী য়াম্না হেন্না কল্লবা পাঙ্গলনা নমথখি অমসুং মখোয়গী মখা পোনখি।

ইতিহাসকী লমায়দা 'তাই' নত্রগা শান কাঙলুপ অসি য়ুনানদা ইহান হান্না ফংঙি। মফম অদুদগী মখোয় বর্ম্মাগী মথক থংবা মায়গৈদা য়ুম হোংখি। খৃষ্ট চহীচা ৬ শুবদা মখোয় অসি র্খায়ুনানগী চীংজাওশিংদগী শেউলী (Sheweli) তমপাক অমসুং থংনবা লমশিংদা য়ুম হোংখিদুনা খুন্দাখি। খৃষ্ট চহীচা ১৩ শুবা মখোয়গী মরক্তগী আহোম কৌবা উপজাতি কাঙলুপ অমনা লান্দাদুনা আসাম খুদুম চনখি। অদুগা অতোপ্পা শান উপজাতি কাঙলুপপু খোঙ্গুল লিররুবা লম্বী য়াৎলম্মী। মখোয় অদু নোংপোক অসামগী শরুকতা খুন্দাদুনা লৈরিবা খামতি, ফাকিয়াল, নর, অমসুং আইতানিয়াশিংসিনি।

আর্য্যশিংনা ব্রহ্মপুত্র তমপাক্তা করম্বা মতমদা লাকখিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা পুথোকপা খরা ৱানা থোকই। অদুম্নদি ওইরগা আর্য্যশিংনা আসামদা লান্দারক্তুনা নত্রগা য়াম্না তপ্না ঈংনা য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী হৌনা খুন্দাবা হৌখিবনি হায়বসিদা চীংননিঙাই লৈতে। আসামগী সংস্কৃতি অমসুং লাম্মীগা আর্য্যবর্তগা লৈনরম্বা মরীগী খ্বাইদগী অরিবা লংজিলদি রামায়ণ অমসুং মহাভারত্তা ফংঙি। আর্য্যশিংনা লৈবাক অসিদা শিন-থুংনা খুন্দাবগী মতাংদা নরক্কী[১] ৱারী অসি থোইদোক্না নিশিংবা য়াই। অৱাংবা শাগৈগী আর্য্যশিং হায়বদি ব্রাহ্মণ, কায়স্থ অমসুং কলিতাশিংনা আসামদা খৃষ্ট হৌরকপদগী লাকখি অমসুং খুন্দাদুনা লৈখি হায়বসি অরিবা নুংদা হক্তুনা ইবা নীংশিং খুদম কয়ানা উৎতুনা তাকলি। নিধনপুর কোরী কোম্পাক্তা ইরম্বা রেকোর্ডতা নিংথৌ ভুটি বর্ম্মণ (খৃষ্ট চহীচা ৬ শুবা) না মখল কয়াগী 'গোত্র' কয়া অমসুং 'বেদশাখা' কয়াগী ব্রাহ্মণ চনীদগী হেনবনা অগ্রহারা তৌদুনা বৈদিক ধর্ম্ম চাওখৎনবা অমসুং লাইরিক লাইশু চাওখৎহন্নবংগীদমক লম পাদুনা খুন্দাহনখিবগী ৱা য়াওরি। মখোয়না লৈবাক অসিদা খুন্দাদুনা লৈবতা নত্তনা হান্না লৈরম্লিবা য়েলহৌমীশিংবু মখোয়গী লৈঙাক মখাদা থমদুনা আর্য্যধর্ম্ম চৎহল্লম্মী। আর্য্যদা ওম্থোকপা অমসুং চেকশিন্না লৈঙাক্লবগী পরম অসিদা আর্য্যশিংনা লৈরম্বা উপজাতিশিংগী মিং ফাওবা আর্য্য শাগৈগী মিংদা ওম্থোকলম্মী। অসুম্না কোক (Kock) হায়না খঙনবা হান্নগী উপজাতি অমবু আর্য্য শাগৈ ওম্থোক্তুনা মদুদা আর্য্য ওল্লবা কাছাড়ী, মিকির, লালুং অমসুং অতোপ্পা উপজাতি

য়েলহৌমীশিংবু য়াওহনখি।

লৈবাক অমগী লোনশিং নৈনবা, অমসুং সংস্কৃতিগী ইতিহাসকী শক লাকপদা লৈবাক অদুগী ভৌগলিক শক্তম য়াম্না মরু ওইনা চংঙি। মহৌশাগী আসামগী ম্যাপ য়েংলুরগা ৱাফম অসি ময়েক শেংনা তাকই। আসামগী মায়কৈ অহুমদা মখল মথেল কয়াগী তোঙান তোঙানবা জাৎ অমসুং লোন লোনবা কাঙবুনা কোয়শিল্লী অদুগা চৎথোক চৎশিন তৌবদা য়াম্না লায়না থোকপা লম্বেল লৈবা চীংজাও কয়ানা আসামবু অতে লৈবাক্তগী তোঙান্না তাহল্লি। থায়নদগী হৌজিক ফাওবা চীংলম্বীশিং অসিনা আসাম, বর্ম্মা, তিব্বত, ভূটান, চীনাগি ললোল ইতিক তৌবগী অমসুং সংস্কৃতিক লমগী চৎথোক চৎশিনগী লম্বী ওইদুনা লৈরি।

লৈবাক অসিগী ময়ায়দা চেল্লিবা ব্রহ্মপুত্র তুরেল অসি আসামগী ভৌগলিক শক্তমগী শং-শং উবা মশক অমনি। থাইনা মমাংঙৈদগী হৌনা তুরেল অসিনা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা লম্বী ওইদুনা আসামগী বাংলা অমসুং ভারতকী শরুক অতৈগা শমজিনহল্লি। আসামগী পাল্লবা তমপাকপু মাগী ঈশিং ইচাওনা লৈহাও চেলহল্লম্মী অমসুং ফৌথোক মরাং কাইহল্লম্মী। ৱাফম অমদা হায়রবদা তুরেল অসি নীল তুরেলনা মিশরদা তৌবগুম আসামদা হিংনবা ঈ পীরিবনি। আসামগী ইতিহাস অমদি সংস্কৃতি পূম্বা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগা য়োম্না ফজনা মরী লৈনৈ। মহৌশাগী খুৎশেন্নসু মসিদা লৈরিবা মীশিংবু য়াম্না চানবী। অদুনা মখোয়না নোংমগী চরাগীদমক য়াম্না ৱানিঙাই ওইদে। মমাঙৈদা ব্রহ্মপুত্র অমসুং লৈবাক অসিগী অতোপ্পা অচৌ অচৌবা তুরেলশিংগী লৈঙোয় শেক্তাদা সনা ফাওবা ফংলম্মী।

ভৌগলিক মচল ময়াম অসিনা মরম কয়ামুক্তা অসমীয়াসিংগী অৱাৎ-অপা, শেমগৎ শাগৎপদা মতেং ওইখি। ব্রহ্মপুত্র তমপাক্কী পাল্লবা লমদম অসিগী মীহৌহনবগী গুণ অমা লৈ, মসিনা য়ুম থংনবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা মীওইশিংবু কৌরকতুনা মফম অসিদা পুরকখি অমসুং খুন্দাহনখি। চেনশিল্লকপা মীওইশিং খুদিংমক্কা লোয়ননা মখোয়গী সংস্কৃতি অমদি চৎনবী কয়া পুশিল্লকতুনা লৈবাক অসিগী কৃষ্টিদা তীনশিনখি। চানথরুবা মরাং কায়না ফংবা অমসুং হকচাং ফবা হৱা-নুংশিৎ অসিনা চীংমী অমসুং তম্মীশিংবু য়াম্না চমজবা, পুক্চেল তপচবা, খজিক্তদা য়াম্না পেনগনবা অমসুং তনগনবা ওইহল্লম্মী। মরমশিং অসিনা মখোয়

'মখলমখা অয়াম্বা কলা, ঈশৈনোংমায় অমসুং জগোয়গা লোয়ননা নুঙাইনা লেনবা পুন্সি মরেন রোমদা ঈনশিনখি। অসমীয়া লোন অসি খৃষ্টগী চহিচা ৭ শুবদগী সংস্কৃত লোনগী মতেংদগী চাওখৎপা হৌরকখি মখোয়গী হেক অপোকপা মপা-মপুদি মাগধি (অপভ্রংশনি) গ্রীয়ারসনগী মোত মতুং ইন্না 'মগাধি হায়বসি নোংপোক প্রাকৃতগী মকোক ওইবা লোম্হৈনি। প্রাচ্য অপভ্রংশ মাগধিগী নোংপোক্তা লোন্নরম্মী। মসি খা-মায়গৈদা অমসুং কা-লোংপোক লোমদা শন্দোকখি, অদুগা হৌজিক লোন্নরিবা বাংলা লোনগী মমা মপা ওইখি। প্রাচ্য অপভ্রংশ খা-মায়গৈরোমদা শন্দোকখিবতা নত্তনা নোংপোক মায়গৈদসু গঙ্গা তুরেলগী অৱাংলোমদা মায় ওন্ন শন্দোকখিনদুনা আসাম তম্পাক য়ৌখি অদুগা মখোয় অদু হৌজিক তেখাও নত্রগা অসমীয়া হায়দুনা লৈরিবসিনি। মাগধি অপভ্রংশগী মচা অহুম্মক হায়বদি হৌজিক্কী বাংলা উড়িয়া অমসুং অসমীয়া চপ মান্ননা হেক অপোকপা অপুনবা মপা মমাগা মরী লৈনৈ।' (Linguistic Survey of India Vol. 1, Part I PP 125-125)। ডাঃ এস. কে. চ্যাটার্জ্জীনা মাগধি অপভ্রংশবু লোম্হৈ কাঙলুপ মরী থোক্লা খায়দোকই। মসিগী মনুংদা অহুম্দি হৌজিক্কী নোংচুপ ময়ায়, অমসুং, নোংপোক বঙ্গ অমসুং উড়িষ্যাদা লোন্নরিবা  লোম্হৈগা মরী লৈনৈ অদুগা মরীশুবা অসিনা আসাম অমসুং মসিগী য়ুমথংনবা অৱাং বঙ্গগী শরুক খরদা লোন্নরিবা লোনগা মরী লৈনৈ। ডাঃ বামীকান্ত কাকতিনা বাংলা অসমুং অসমীয়া লোনগী মমাংদ লোম্হৈ কাংলুপ অমা লোন্নরম্মী হায়না তাকলি অমসুং মদু নোংপোক মাগধি অপভ্রংশ হায়না মীং থোনবা য়াই। লোম্হৈ (Dialect) কাঙলুপ খুদিংমক মতমগী মতুং ইন্না তশেং তশেংনা ঙমখৈ (সীমানা) নাইখি অমসুং অসমীয়া লোনসু মনীংতম্বা আসামগী নিংথৌশিংগী মখাদা অমসুং মশাগী তোঙানবা মথন্তা লেপচবা সামাজিক পুন্সিনা মতুংদা নীংতম্না লোনবা য়াবা লোন অমা ওইরকখি। মথক্তা পঞ্জখিবগুম্না অসমীয়া লোন অসি খৃষ্টগী তরেৎশুবা চহীচা ফাওবা ওইগনি। তরেৎশুবা চহীচাগী অহানবা তংখাইদা অসমীয়া নিংথৌ-ভাস্কর বর্ম্মননা বার্ত্তন তৌবদগী চীনগী লৈবাক কোয়বা হিউয়েন সাংনা আসামদা লাকখি। মহাক্না কামরূপ লৈবাক্কী লোনগী মরমদা ইরম্বদা-মফম অসিগী লোন্নরম্বা লোনদি ময়াই থংবা ভারত্তা লোন্নরম্বা লোনগা খর খেৎনৈ হায়রমই। হিউয়েনসাংগী

ৱারোলদগী খৃষ্টগী তরেৎশুবা চহীচাদা ভারতীয় আর্য্য লোন আসাম চঙলকলে হায়াবা উরে অমসুং লৈবাক অসিদা লোন্নরম্বা লোন অসি ময়াইথংবা ভারত্তা ঙাংনরিবা মাগধি লোন্থেদগী ফন য়াম্না খেন্নরে। অরিবা নুংউ কোরিকোম্পাক্তা ইরম্বা লমগী মমিং অমসুং মীগী মমিংনচিংবদগী অরিবা অসমীয়া লোনগী নোম্না ফংবা ঙম্মী। লোন শেমগৎ শাগৎখিবগী অতোপ্পা মওংশিং বৌদ্ধাচার্য্যশিংনা' চহিচা খৃষ্ট ৮ শুবদগী ১২ শুবা ফাওবগী মনুংদা লেংলম্বা ঈশৈ অমসুং সুত্র (চৎন ৱাহৈ) দগী অমসুং মহামহোপাধ্যায় হরপ্রসাদ শাস্ত্রীনা অহানবা ওইনা খোমজিনদুনা পুথোকখিবা 'হাজার বছরের পুরাণো বাংলা ভাষায় বুদ্ধগান ও দোহা' অমসুং 'দোহাকোষ' হায়বা লাইরিক্তা ফংবা 'কার্য্য' 'দোহা' কয়াদগী নমুনা (মওং) ফংবা ঙম্মী। বাংলা পণ্ডিতশিংনা মসিগী কার্য্য অমসুং দোহাশিংবু অরিবা বাংলা লোনগী লংজিলনি হায়না লৌরি। অদুবু চেকশিন্না থি-হুমদুনা য়েংলবদি মখোইগী লোন্দা 'সান্দ্যাভাষা' (য়াচংলোন) হায়না খ্বাইনা খঙনরিবা লোনসি ইকোনকোনবা মাগধি অপভ্রংশনি হায়বা তশেংনা খঙ্গনি অদুগা মসিদা হৌজিক্কী নোংপোক থংবা ভারথীয় আর্য্যভাষা কাঙ্লুপ হায়বদি বাঙ্গালী, অসমীয়া অমসুং উরিয়া লোনশিং অসিগী খ্বাইদগী ঙনবা মতমগী মওংশিং ফন-য়াম্না য়াওখ্রে। ডাঃ বাণীকান্ত কাকতিনা- ঈশৈশিং অসিদা য়াওরিবা ৱাহৈগী মওং অমসুং খোন্থোক খোলহায়গী মওং খর মতৌ করম্না করিমত্ত তেক্তকোয়দনা (মওং হোংদনা) হৌজিক কালগী অসমীয়া লোন্দা চৎথরক্লি হায়বসি হৈশিংনা উৎলি। ঐখোয়না মথক্তা হায়জখ্রে আসামগী মীওইশিং অসি মখল মথেল লোন লোনবা জাতি কয়ামরুম্না হায়বদি-অষ্ট্রিক নত্রগা মোনক্ষ্মের (মদুগী মনুংদা অমদি খাসিসিং) বোড়ো নত্রগা কাছারী লোন লোনবা সিনোটিবেটানশিং অমসুং তাই নত্রগা অহোমনা লূপতিন্নদুনা ওইখিবনি। মরম অদুনা লোনশিং অসিনা ভারতীয় আর্য্যভাষাগী মশা ওইরিবা অসমীয়া লোন অসিগী খোন্থোক খোলহাই কয়া অমদি ৱাহৈগী মওং কয়াদা অকনবা ঈথিন পীখি হায়বসিদি মশানা তাজবনি। ডাঃ কাকতিনা অসমীয়া লোন্দা অষ্ট্রিককী পোৎ মচং য়াওই (Element) হায়না পুথোকলি অমসুং অসমীয়া লোনগী মনুংদা য়াওরিবা লম লমগী মশামশাগীনি (Indigenous) হায়বা ৱাহৈ অয়াম্বা অষ্ট্রিক লোন লোনবা কাঙলুপ্পুগী লৌরকপনি হায়না লৌই। বোডো অমসুং

অহোম নিংথৌসিংনা তোঙান তোঙানবা মতমদা আসামদা নীংতম্না পাল্লম্মী অমসুং মখোইনা পাল্লম্বদুনা অসমীয়া লোনগী লনগৈ চাওখৎলকখি। হৌজিক কালগী ভারতীয় আর্য্য ভাষা লোনশিংগী মরক্তা অসমীয়া লোন অসি অষ্ট্রিক অমসুং টিবেটোবর্ম্মা লোন্থে কয়ামরুন্না অকনবা ঈথিন পীখিবা মরম্না তোপতোপ্পা পূন্না লৈবা অমসুং লাইদবা লোন্নি। মসীং য়াম্লবা জাৎ কয়াগা নক্নরুবা অমদি পূনশিনখিবনা অসমীয়া লোন্দা অশেংবা ভারতীয়-আর্য্য লোনগী খোন্থোক কয়াগী মসক ওন্থোকপসিদি ময়েক্লা তাবনি। অরিবা ভারতীয় আর্য্য লোনগী ঙৌ অমসুং য়াদগী থোকপা খোন্থোক (Cerebral and dental) পূন্বা লৈতোন অমসুং য়াগী মরক্তা থোকপা খোন্থোক (Alveolars) ওনখি অমসুং সকার খোন্থোক অহুম্মক মখোইগী হান্নগী মশাগী মশক মাঙখিদুনা খ্বাইগা মান্নদবা তোপতোপ্পা খোন্থোক অমা ওল্লকই। আর্য্য নত্তবগী লোনশিংগী মরু ওইবা শক্তম ওইরিবা নতোন্দা ঙাঙবগী খোন্থোক মথন্তা থোকচরকপা অসি অসমীয়া লোনগী খোন্থোক্তা য়াম্না শীজিন্নরী। লোন অসিগী অতৈ তোপতোপ্পা খ্বাইগা মান্নদবা খোন্থোক শীংথানিঙাই ওইবদি সমজিন্নবা ব্যঞ্জক ময়েক (Conjunct consonants) লীক্লা শিজিন্নবা, স্বর ময়েক খোন্থোক য়াম্না য়াওবা অমসুং লোইশিনবদা নুংশিনা লোইশিনবা অসিনি। সংস্কৃত লোন্দা ব্যঞ্জন ময়েক সমজিন্নবা (Conjoint consonants) শীজন্নবা অদু মরক্তা স্বর ময়েক হাপচিন্দুনা মহৌশানা মতৎ মতৎ তাহল্লি।

শীংথানিঙায় ওইবা ৱাফমদি আর্য্য নত্তবা কাঙলুপনা ইথিল কয়া পীখিদূনসু লোন অসিগী আর্য্য শকতম অসি য়াম্না শাথিনা ওন্থোকপা ঙমখিদে। ডাঃ কাকতিনা হায়বগুম্না মসি ইতিহাসকী মরু ওইবা থৌদোক খুদম কয়ানা ওইখিবনি। আসাম হায়বা লৈবাক অসি মরম-পূন্বদা অথাপ্পা নোংপোকলমদা খুন্দাবা চৎপা ভারত মচাশিংগী লম্বীদা লৈ অমসুং মসিনা আসামবু মতম পূন্বদা আর্য্য ভারতকা সম্নদুনা থম্মী অমসুং আর্য্য নত্তবশিংনা অসমীয়া লোনদা খঙ্হোং হোংদোকপগী ৱাপুসিল্লকপা ঙমহনদে। অদুদগী ১৩ শুবা চহিচাদা সংস্কৃত লোনগী মতেং লৌদুনা চৎনবা য়ারবা অফবা সাহিত্য শেমগৎলকখি অমসুং মসিনা ঙাংনরিবা লোন্দা হোংহন্দবা ঈথিল পীখি অমসুং আর্য্য নত্তবা লোনশিংগী ৱাহৈ হাপচিল্লকপা ফজনা থিংখি। অসমীয়া ময়েকসু ভারতীয় গুপ্ত ময়েক্তগী শেমদোরকখি।

অসমীয়া লোনগী ৱাহৈশিং (Vocabulary) অয়াম্বা সংস্কৃত লোন্দগী

লাকপনি অমসুং ৱাহৈগী শক্তমসু সংস্কৃত ব্যাকরণগী মতুংইন্না শেম্বনি। ৱাঙাং শাঙাংদা তসেংবা সংস্কৃত ৱাহৈদি খরতমা শিজিন্নৈ অদুনা মদুগী মহুত্তা অয়াম্বনা তদভব নত্রগা অর্দ্ধতৎসম সংস্কৃত ৱাহৈসিংনা হেন্না শিজিন্নৈ অদুগা অসমীয়া লোন অসি হিংলিবা অমদি চাওখৎলকলিবা ওইবা মরমনা অতৈ অতোপ্পা অনৌবা ভারতীয় আর্য্য ভাষাদগী ৱাহৈ ৱাতা কয়ামরুমসু পুশিল্লকলি। মরু ওইনা লৈঙাক পথাপকী অমসুং আইনগী ৱাহৈ ৱাতা কয়ামুকসু আরবী পার্সি লোন্দগী লৌশিল্লি। ইকুইকুইদ্রিবা মতমদগীসু ইংরেজি ৱহৈ-ৱাতা ৱাঙাং শাঙাং কয়াসু অসমীয়া লোনদা চংলকলি। মরম পুম্বমক অসিনা অসমীয়া লোন অসি মপূং ফানা চাওখৎলকপদা মতেং পীদুনা লোন অসিবু মীওইবগী পুক্নীং ৱাখল মপূং ফানা ফোংদোকপা ঙম্বা মপাঙ্গল কল্লবা পাম্বৈ ওইহল্লি।

*মণিপুরিদা হন্দোকপা ইরুংবম চন্দ্রসিং*

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্না তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| পৌরাণিক যুগ | ঃ | থায়নগী মতম, পূয়াগী মতম। |
| কোরিকোম্পাক | ঃ | কোরিনা শাবা পুখম গুম্বা অপাকপা কোন, মমাংঙৈদা লাইরিক ইনরম্বা কোম্পাক। |
| ভৌগলিক | ঃ | লৈকোয়রোনগী ওইবা। |
| উপজাতি | ঃ | শাগৈ নত্রগা মীকাঙলুপ মচা, ট্রাইব। |
| মহাকাব্য | ঃ | লাইতিনগা মরী লৈনবা অশাংবা ৱারী, মহাকবিনা ইবা অশাংবা শৈরেং (কাব্য)। |
| পুরাণ | ঃ | পুয়া, এলহৌঙৈগী অমসুং লাইতীনগী ৱারী লাইরিক। |
| ভাষাবিজ্ঞান | ঃ | লোন নৈনবা বিজ্ঞান, (Linguistics)। |
| সংস্কৃতি | ঃ | চৎনবী নাৎ, ফিজোৎচাকচা, য়ুমলৈ কৈরৈনচিংবা। |
| গোত্র | ঃ | শলাই। |
| বেদশাখা | ঃ | বেদগী মশা। |
| অগ্রহারা | ঃ | ব্রহ্মনশিংদা ধর্ম্মগী মতুং ইন্না লম কৎপা। |
| ম্যাপ | ঃ | লৈবাক (ষ্টেট) নচিংবগী লাইয়েক। |

| | | |
|---|---|---|
| কৃষ্টি | ঃ | মমাংঙৈদগী চৎনদুনা লাকপা লীচৎ |
| কলা | ঃ | ফজবগী মতৌ, আর্য |
| প্রাকৃত | ঃ | লোন অমগী মিং। |
| সিদ্ধাচার্য্য | ঃ | য়াম্না লুনা অমসুং শেংনা থৌগঞ্জবা সিদ্ধিকৌবা লাইৱা নিপান্না মশক তাকপা গুরু। |
| সান্ধ্যাভাষা | ঃ | য়াচংলোন। |
| লোন্থৈ | ঃ | থৈথরকপা লোন, (Dialect)। |
| তৎসম | ঃ | সংস্কৃতকা মান্নবা ৱাহৈ। |
| তৎভব | ঃ | সংস্কৃততগী লাকপা ৱাহৈ। |
| আইন | ঃ | লৈবাক্কী চৎন-পথাপ, লৈঙাক-পথাপ। |

## ৱাহং

**১। ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

(ক) পৌরাণিক যুগতা আসামবু করি করি হায়না কৌনরম্মী?

(খ) যোগিনী তন্ত্রনা কামরুপকী ঙমখৈ করম্না তাকখি?

(গ) আসাম হায়বা মীংথোল অসি করম্বা মতমদগী খঙনরকখি?

(ঘ) মমাংঙৈদা আসামদা করম করম্বা শাগৈ নত্রগা মী কাঙলুপ্না অহানবা ওইনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরম্মী অমসুং মখোয় অদুবু করি হায়না খঙনরম্মী?

(ঙ) আসামদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরম্বা তিব্বতীয় বর্মা লোন লোনবা মী কাংলুপশিং অদু কনা কনানো?

(চ) মেক হায়রিবসি করিনো?

(ছ) হোংয়াংহো তুরেল কদায়দা লৈ? তুরেল অসিবু করি হায়না খঙনৈ?

(জ) ইয়াংসিকিয়াং করিনো?

(ঝ) আসামদা আহোমশিং করম্বা মতমদা লাকখি?

(ঞ) আর্য্যশিং আসামদা করম্বা মতমদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈখি?

(ট) আসামগী ব্রহ্মপুত্র তুরেল অসি মিশরগী নীল তুরেলগুম্বনি হায়রিবসি করিগীনো?

(ঠ) করম্বা লোনগী মতেংদগী অসমীয়া লোন চাউখৎলকখি?

(ড) করম্বা লোন্থৈবু অসমীয়া লোনগী মাপামপুনি হায়না লৌনৈ?

(ঢ) মাগধী অপভ্রংশগী মচা অহুমনি হায়রিবসি করি করিনো?

(ণ) অসমীয়া লোনগী ৱাহৈশিং (Vocabulary) করম্বা লোনদগী মরূ ওইনা লাকখি?

(ত) ডাঃ এস. কে. চ্যাটার্জিনা মগাধী অপভ্রংশবু লোন্থৈ কাঙলুপ কয়া থোক্লা খায়দোক্লম্মী অমসুং মখোয়শিং অদু করম্বা লোন্থৈ নত্রগা লোনগা মরী লৈনরকই?

২। **মখাগী ৱাহৈ পরেং খরা অসি পাউ অদুগা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

ৱাফম অমদা হায়রবদা তুরেল অসি নিল তুরেলনা মিশরদা তৌবগুম আসামদা হিংনবা ঈ পীরিবনি। আসামগী ইতিহাস অমদি সংস্কৃতি পূম্বা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগা য়াম্না ফজনা মরী লৈনৈ।

(ক) ব্রহ্মপুত্র তুরেলনা আসামগা করম করম্বা লৈবাক্কী মরী লৈনহল্লি?

(খ) নীল তুরেলনা মিশর লৈবাক্তা করম্বা কান্নবা পী?

(গ) ব্রহ্মপুত্রনা আসামনা হিংনবা ঈ পী হায়রিবসি করিগীনো?

ঘ) আসামগী ইতিহাস অমদি সংস্কৃতিপূম্বা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগা মরী লৈনৈ হায়রিবসি শন্না খঙহল্লু।

৩। **মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

(ক) আসাম হায়বা মীংথোল অসি করন্না ওইরকখিবনো শন্দোক্লা ইরগা খঙহল্লু।

(খ) বোডো হায়বসি করম্বা মী কাঙলুপনো? মখোয়না আসামদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখিবা অমসুং লমদম অসিবু চাউখৎহনবদা করম্বা শরুক য়াখি খঙহল্লু।

(গ) আহোম করম্বা মীকাঙলুপনো? মখোয়না আসামদা লাকখিবগী মতাং অমসুং অসমীয়া ইতিহাস অমদি সংস্কৃতি চাউখৎপদা লৌখিবা থৌদাং অদু খঙহল্লু।

(ঘ) অসমীয়া লোন করন্না চাউখৎলকখি অমসুং লোন অসি 'মশা মতোমতা লেপচবা' ঙল্লকখিবা 'নীংতন্না লোনবা য়াবা' লোন অমা ওইরকখিবদু নশাগী ৱাহৈনা ফোংদোকউ।

# ইলিশা অমগী মহাও

**নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ**

*(**নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ** (ইং ১৯৩৫-) কাছাড় জিলাগী পালারবন্দ খুনদা পোকখি। গৌহাটী বিশ্ববিদ্যালয়দগী অর্থনীতিদা এম. এ. পাশ তৌখি। মণিপুর কোলেজ, ইম্ফালগী ইকোনোমিক্সকী ওঝা ওইরম্মী। মতুংদা বোর্ড অব সেকেন্দরী ইডুকেশন, মণিপুরগী সেক্রেটরী, কাউনসিল অব হায়ার সেকেন্দারী ইডুকেশন, মণিপুরগী সেক্রেটরী অমসুং খা ইম্ফাল কোলেজগী প্রিন্সিপালসু ওইরম্মী। হাইস্কুল তম্লিঙৈদগী হৌনা সাহিত্য প্রেমী ওইবনা খুৎনা ইদুনা 'আশা' কৌবা চেফোঙগী সম্পাদক অমসুং কোলেজ তমলিঙৈদা 'পঞ্জেন' কৌবা থাগী ম্যাগাজিনগী সম্পাদক ওইখি। মণিপুরদা কোলেজগী ওঝা ওইরবা মতমদসু 'মৈরিক' কী সম্পাদক ওইখি। মহাক্কী ফোঙখ্রবা মরুওইবা লাইরিকশিংদি চেনখিদ্রবা ঈচেল (ৱারীমচা), ইলিশা অমগী মহাও (ৱারীমচা), সোভিয়েৎকী লৈবাক্তা (লমকোয় ৱারী), জি ডি আর ডায়েরী (লমকোয় ৱারী), সন্ধ্যাথাউমৈগী মৈরী (অনুবাদ), গোৱা (অনুবাদ) অসিনচিংবনি। 'ইলিশা অমগী মহাও' গীদমক ইং ১৯৭৪ দা সাহিত্য একাডেমী এৱার্ড ফংখি। রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'গোরা' মণিপুরীদা হন্দোকপগীদমক ইং ২০০৪ দা অমুক্কা হন্না সাহিত্য একাদেমি এৱার্ড ফংখি। হৌজিকসু অতৎপা লৈতনা মণিপুরী সাহিত্যগী সেবা তৌরি।*

*নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন্না মাগী 'ইলিশা অমগী মহাও' হায়বা ৱারীমচা অসিদা চাউবা অমসুং মণি মপা-মচানা খুদম ওইরগা লৈত-লাইরবা মীওইশিংগী শেৎপা-চাবা মনীংথুংদবা অৱাবা পুন্সিগী শক্তমবু থাদুনা ইরি। মপা-মচানা য়াম্না ৱানা*

*বোরাক তুরেন্দা ঈন হুল্লগা ইলিশা অমা ফাজরকখি। মচানা য়াম্না হাওনা চারনি খঞ্জখি; মপানা মচানুপী থা য়াল্লক্লবীবু চাক চরা অমতং পিজনীংখি। অদুবু ময়ুমদা নুমিত্তুগী থোঙনবা চেঙ লৈরমদে। মদুনা মরম ওইদুনা ইলিশা অদু মহাও তংবা ফংখিদে, য়োনবা তাখি।)*

অতিয়া ঈপাক্তা থৱানমিচাকশিংনা কুফেৎ কাফেৎ তৌরি। মরক মরক্তা অম-মম অনী-নি কেনখিবসু য়াউরি। বোরাক্কী ঈচেল-খোন্থাংনা নাকোংদা য়ৈররি।

মী অতৈ কনামতা কুমথনরকত্রি। মপা মচাতনি। মচানা নৌ পায়রি, মপানা ঈন অদো শেমলি। মচারোমদা য়েংথোকখিবদা নৌ পায়না পায়না উইরি উইরি তৌদুনা লৈরম্বদো উরুরে, "হায়মা মণি! মসি উইরিমাল্লে, নুমিৎ থোক্কদৌরা ফাউবদা! নমিৎ অদো মোরক অশাবা হেক নোইশিনববু! ঈশিংদা নমায় অদো শেংনা তাথোকউনে।"

নৌ অদো হিনুঙদা থল্লে হায়রগা মণি অদো মপাগী য়াথং মতুং ইন্না মমায় অদো তাথোকই। অদুদগী শেৎলিবা খুদৈ অদুগী কুনজা মচীদা মমায় অদো তৈথোক্লগা নৌ অদো অমুক পায়খৎলি।

মচাগী মতৌ অদে উবদা নুংশিরক্লমাল্লে, শেগাইরবা লৌখাং ফুরিৎ অদুদগী য়েৎ থংবা খাউদগী বিড়ি মচৈ অমগা মৈখেৎ অমগা লৌথোক্তুনা হায়রকই,- "সে সে, বিড়ি মচৈ সিমা য়াউরিসে চম্মু। অমুক অনীরক চিংলগা ঐঙোন্দা অমুক পীরকউ।"

মণিনা বিড়ি অদো মচীন্না চুপ্লগা মৈখেৎ অদো খেৎকদবগী লাক্লে। মরূ অনী-হুম খেৎলবা ফাউবদা মৈ হৌদ্রবদা শাউনিংলমাল্লে; মরুম মরুম শোল্লকই, "মসিদি! তুরেল ময়াইদা হেক নমশিনববু!"

মপানা- "কদায় ঐ তৌগে। হৌজিক্কালগী মৈখেৎ" সিনবু নাকন নাম্মতদা হিদাক তৈরদুনা, পৈশা লৌগদবগী ফিকিরতা।" হায়দুনা চঙশিল্লক্লগা মৈখেৎ অদো খেৎলরে।

মণিনা বিড়ি অদো অমুক্তং শাংনা হেক চিংবা লোইবগা আসোম ৱাংমগী ঘাটতা লৈবা মকোক জটা তাবা সাধু অদুগী খোল্লাউ নাকোংদা য়ৈরৈ- "বোম ভোলানাথহু জয় শিবশম্ভু।"

সাধু অসি হৌগৎলবদি নোং ঙাল্লনি কুইররোই। মী অতৈসু কুম্নরক্লনি।

লোঙ্গোর-বাবাগী ঈরেনলোমদা মপা-মচা হি হোঞ্জিল্লি। মফম অসি মী অয়াম্বনা চঙবদা খরা হঙ্গোইনৈ। অদুবু ঙাদি য়াম্না লৈগল্লি। ঈশিং খরবু চাউরবদি নাশুবীনা শৌ শাই। মরক মরক্তা গোরিয়ানসু ফাউগৎলি। হাকুম মফম অসিদা গোরিয়ান অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি।

ঈনদা কক লাউনা থেংবগুম তৌই হায়দুনা মপানা ঈন অদো শোনগৎলি। অদুবু করিমতা য়াউরকত্রে। হিনাক অদুদা মহাকপু করেম্নবা ওইনা নাসুবী অমা ফুৎ লাউনা ফাউগৎলকই।

ঈরেন অদুদা অমুক অনীরক শোন্দুনা য়েংলম্লগা কান্নদ্রবদুদা মপামচা মখারোমদা হোন্থরক্লে।

শরক অসিদা হি মরী তারক্লে। নোংসু ফনা নিংথিনা ঙাম্থোরক্লে।

খরা চৎথরগা নাউরেমগী হিদেনমপা অদুদা লাইবক চুম্মুরে। ঈনদা ঙৌরোক ঙৌনা ফনা নিংথীনা চাউরবা ইলিশা অমা ফ্রং ফ্রং চোংবা উরে। মপা-মচাগী মায়থোং অনীদা খংঙান ঙাম্থোরকপগুম তৌই।

অঙাং ওইরিবা মণিগী মচীন্দগী খঙহৌদনা থোরকই- "ইস ফজরেদা! হাউরনিদা পাবো।"

"তুমিন লৈয়ু, তৌহৈদে হায়হৈদে-" মপানা চৈহৎলি। হিদেনদা মী কুম্মকপগুম তৌরি হায়দুনা য়েংথোকখিবদা নাউরেমগী মরেং থোল্লবা অহন অদো মখোয়বু মুন্না য়েংদুনা লৈরম্মী। কৌরকই- "মণি মপা, ও মণি মপা।"

তানা তানা তাশিন্নদে মণি মপানা। মহাক্কা রাশি থোইনা তিন্নদে। ঙা অসি লৈহৌরগে হায়গদবগী কৌরিবনি হায়বসি মহাক খঙঙি। অদুবু ময়াম্না পীনবা মমলদি খক পীরোই। ইনাক খুল্লি হায়দুনা মমল থক থক হুল্লোই। আনা-শিকি তৌদুনা চহী চামরি চঙগদৌরি।

অদুবু তত্তনা কৌশিল্লক্লবদুদা খুমদবা য়াদ্রদুনা খুম্মকই- "করি ওইরবনো খুড়াবু?"

নাউরেমগী অহন্না হায়রকই, "কয়াম্না ফারবগে? ঐ অমত্তা লৈহৌগে।

পাকিস্তানদগী ঙা লাক্তবদগী লোয়রেহে। ইরৈ অসি উদা য়েৎশিন্দুনা খাঙঙে। হকচাং অসি কংশিল্লক্লে।"

মণি মপানা মতোমতা মরূম মরূম শোল্লি, "সোরোক্তগী ক্বাকথী ফাউবা খুনবা নঙনবুদি করিগী নরৈ অদো উদা য়েৎশিল্লোই।" অদুদগীদি খুম্মকই, "ফাদে, অসিতনিদা।"

"অদুবু ঐ লৈহৌরগে।"

"ঙসিদি তোক্লসি খুড়াবু। অসিমতং ফাবসিদা মওং চাররোই।" য়াররোইদৌবা অদু উবদা নাউরেমগী অহল অদো মখা তারকত্রে।

"মসিগী অহন অসি থেংনরবদি দায় য়াররোই।" মপানা মুরুম মুরুম শোল্লিবদো তাবদা মচা অদুসু হায়রকই, "ঐসু ওহ্নোক্লা নুংশিখিদ্রে। নহান মখোয়গী তোমালনা ঐঙোন্দা ফুরক্লিবনিনে। ঐসু... ... ... ...।"

অঙাং অদুগী ৱা অদো লোইশিনহৌদ্রে। রহিমুদ্দিন মপা-মচাগী ঈনদা ঙা অমা লকপদো উবদা মপানা মুরুম মুরুম অমুক্কা তৌরকই, "মীগীদি য়েংঙুদো, লাকপগা হেক্তা ফাবনি।"

রহিমুদ্দিনা ঙা অদো হাপচিল্লগা কৌরকই, "ও তা-চাউবা। কয়াম্না ফারবগে?"

"ফাদেদা, অমখক্তনি।"

"অদু ওইরবসু মহুত্তি হঞ্জিল্লেদনা। ঙরাংদি ঐ অহুমখক ফায়। মরী মরীদা য়োনখি।"

"য়োল্লবুদি হোয় পৈশা খরা মফংগনি। অদুবু য়োল্লরোই। ইচানুপী সনাবৈ অদো থা য়ামশিল্লক্লে। চাক অমতং পীজগে। হায়দোক্লগদি ইকায়বা জাৎনি, য়োন্নবা লাক্লবদা ইলিশাগী মহাও কাউবু কাউশিল্লক্লে। ঙসিদি চারুরগে।"

মপা-মচানা ময়ুমদা কাখৎলকপা মতমদা নুমিৎ মাঙ্গোল ময়ায় য়ৌরম্মে।

মচানুপী খরা চাউবী তম্ফানা লোনবা শঙ্গোম য়াউদবা চিনি অঙাংবগী চা অদো মাঙ্গোলদা ফমদুনা থক্লিঙৈদা কোনশমগী কাহ্নাইনা কোহ্নোংদগী কৌরকই, 'চাউবা, ও চাউবা! ইলিশা অমা ফারকই হায়ববু চুমব্রা?'

কাহ্নাইগী মখোল হেক তাবদা চাউবা মশা পুম্বা শ্বাই লাউখিবা খঙহৌদে। মঙোন্দা কাহ্নাইগী লুপা অনী-সিকি তোল্লিবদো নীংশিংলকই।

মপানা খুমদ্রিঙৈদা মচীন থীংগৎলকপদা ঙায়রিবা মুক্তানা খুম্মকই, "অং! অচৌবা অমখক ফারকই।"

অঙাং অদুনা হায়রিবদো কাহ্নাইনা তারিগদ্রা তারিরোইদ্রাহ্ণু খঙদে। চাউবনা মচাদু চৈহৎলি, "হৈ মচীন থিরেদা অঙাংসিদি! নঙগী নথৌ করি লৈ?" অদুদগী থোঙ্গাল্লোমদা খুম্মি, "অমত্তবু ফারক্তেদা তাদা। কনানা হায়রিবনো?"

"হোয় হোয় ফরকত্রবদি কমদৌনি।" হায়রল্লগা কাহ্নাই হনখি।

মুক্তানা মহাক্কা শান্নমিন্নরিবা মমান্নবা তোমচৌদা ৱারী শাই, "ঐখোয়গীদি হোরেন ইলিশা থোংবা চাগনি হায়বা। "সুক চাউইদো তুরেলদগী ফারক্লিবা। নখোয়গীদি চাজব্রা?" মমিৎনে মনানে মখুৎনা তস্মি।

মচে তম্ফানা থোরক্তুনা মপাদা হিদাকফু পীদুনা হায়রৈ, "পাবো হৌজিক থোংনবা চেঙ লৈতে। কমদৌনি?"

পাউ তাবদা চাউবা মচানুপীরোমদা মুননা য়েংঙি। হিদাক থক্লিংলম্বকা ৱাই চাইখিবা খঙহৌদে। তাঞ্জা অদুমক্তদা মশাপুম্বা মতু কেনখ্রবা শরূ-শয়াং ঙাক্তা ঙায়রবা অহন ওইরবা হুই লাবা অদো কদোমদগীনো থোবক্তুনা শুমাং ময়ায়দা তুরোই ঙাল্লোই হেক চৎলৈ। চেঙ লৈতবগী মরম পুন্নমক মঙোন্দা লোইনা তাইনবিরে। হুই অদুবু হেক উবদা শাউমনখ্রদুনা চাউবা ফল্লিবা ফান অদু তাপ হেক পায়দুনা হুই অদু তন্না লংখিবা খঙহৌদে! মরাল লৈজদবনরা হুই অদো পানবদি পালহৌদ্রে। খেং খেং তৌদুনা থোঙ্গাল্লোমদা অদুম চেনখ্রে।

চাউবসু হিদাকফু অদু পায়রগা শাউনা শাউনা ইমুংদা চঙলক্লে। কুম লায়নানা ফমুংদা তাদুনা লৈরিবা তম্ফা-মমানা য়াওল্লকপা হেক থোক্লুরে। হৌজিক্তা লাঞ্জাউ অমা থোকখিবদো তম্ফা মমাদি ভাব তাহৌদ্রমাল্লে, হায়রকই, "অঙাং অসিনা চেঙ লৈতে হায়রিবসিবু তারবরা? কমদৌদোরি?"

মুৎলগে তৌরম্বা মৈ অদু অমুক খংচাক হেক চাকখৎলকই। "উম ঙমজদ্রে ইতোমতা লাক্লবা। শিগে হায়রগা শিজখ্রো মী ওৎতুনা লৈগদগী শরূকপুদি।"

খরগা চোম্থরমগদবনি। অদুবু মপান্দগী কনানো অমনা কৌরকপা অদুদা য়াখিদ্রে।

কৌরিবদু কনানো হায়দুনা চাউবা মপান থোরকই। থানিনজাউ ওইরম্বদা

চাউবা শকফম হেক হোংজিল্লি। হংঙি, “করি থবক্কীনো?”

“ঐখোয়গী থাবল্লে অদো লাকইয়ে। ঙা অমত্তা থিবা ফংখিদ্রে। তা-চাউবনা ইলিশা খরা ফারকই হায়বা তাদুনা লাকইবসিনি।” থানিনজাউনা খুম্মকই।

“অমখক্তনিদা ইমুংদা চঙলকউ, য়েংঙো লাউসে।” হায়দুনা চাউবনা থানিনজাউবু ইমুংদা পুশিনদুনা ঙা অদো য়েংহল্লি।

“কয়া লৌগদৌরি?” থানিনজাউনা হংঙি।

“মরী অদো লৌগেদনা। বোরাক্কী ইলিশাসু মহাউবনিদা।”

“এ-রা অহুম-মখায় পীরক্কনি।” হায়রগা থানিনজাউ ঙা অদো পায়খৎলি।

“পৈশাদি হৌজিক পীদবা য়াদেকো। চেঙ ৱানগদৌরিবনি।”

“হোয়দা হোয়দা। পৈশা ওইনা লৌগে হায়রবসু লৌরো। চেঙ ওইনা লৌগে হায়রবসু লৌরো।” হায়রল্লগা ঙা অদু পুদুনা থানিনজাউ মপান্দা থোরকই।

মহাক্না শুমাং হেক য়ৌবগা মুক্তানা উই, মপাদা কৌদুনা হায়রকই, “পাবো পাবো! ঐখোয়গী ঙা পুখ্রে।”

“লেম্না পুরিবা নত্তে হাই! পৈশা পীরক্কদৌরিবনি।” থানিনজাউনা ফাগী-ফারাং ওইনা হায়রম্মী।

অঙাং অদু ৱা মখা তারক্তে। পুখিবা ঙা অদু মুন্না য়েংদুনা লৈহৌই।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্না তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| লৌখাং ফুরিৎ | ঃ | লৌ খাওবদা লিৎপা ফুরিৎ। |
| ফিকির | ঃ | লৌনম; নমথাক। |
| অসোম ৱাংম | ঃ | বোরাক তুরেলগী ৱাংমা। |
| নাকোংদা য়ৈরৈ | ঃ | নাকোংনা তারে। |
| মরেং থোল্লবা | ঃ | মশা-মউ ফবা; মসা নোয়বা। |
| রাশি তিন্নদে | ঃ | য়ানদে, নুংশিনদে। |
| পাকিস্থান | ঃ | নোংপোক পাকিস্থান, হৌজিক্না বাংলাদেশ কৌরবা। |

| | | |
|---|---|---|
| সোরক্তগী ৱাকথী খুনবা | ঃ | য়াম্না কুপ্পা মী, অরিকপা মী। |
| দায় য়ারোই | ঃ | অফবা ওইররোই। |
| মহুৎ হঞ্জিনবা | ঃ | তৌরিবা থবক্তগী কান্নবা ফংবা। |
| শ্বাই লাউবা | ঃ | কিথুপ কিরুম তৌবা, অকিবা ফাওবা। |

## ৱাহং

**১। মখাগী ৱাহংশিং অসি য়াম্না তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) 'মসি উইরিমাল্লে, নুমিৎ থোক্কদৌরা ফাউবদা।'- উইরিবসে কনানো?

(খ) 'মচাগী মতৌ অদো উবদা নুংশিরক্লমাল্লে'- মচা অসি কনানো অমসুং কনানা নুংশিরক্লিবনো?

(গ) 'মফম অসি মী অয়াম্বনা চঙবদা খরা হঙ্গোইনৈ।' পল্লিবসি করম্বা মফমনো?

(ঘ) "ইস ফজরেদা! হাউরনিদা পাবো।"- কনানা হায়বনো? ফজরেদা হায়রিবসি করি পোৎনো?

(ঙ) "মসিগী অহন অসি থেংনরবদি দায় য়াররোই।"- পল্লিবা অহন অসি কনানো?

(চ) "পাবো, হৌজিক থোংনবা চেঙ লৈতে।"- কনানা কনাদা হায়রিবনো?

(ছ) "অমখক্তনিদা, ইমুংদা চঙলকউ, য়েংঙো লাউসে।"- অমখক্তনিদা হায়রিবসে করি পোৎনো?

**২। মখাগী ৱাহংশিং অসি তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) মুরুম মুরুম শোল্লকই, "মসিদি! তুরেলময়াইদা হেক নমশিনববু।"- মুরুম মুরুম সোল্লিবা মীশক অসি কনানো? মসিদি হায়রিবসিনা করি পোৎনো? করি মরমগী তুরেল ময়াইদা নমশিনগে হায়রিবনো?

(খ) 'মপা-মচাগী মায়থোং অনীদো খংঙান ঙাম্থোরকপগুম তৌই।'- মপা-মচা অনী হায়রিবসি কনা কনাবুনো? মখোয়গী মায়থোং খংঙান ঙাম্থোরকপগী মরম করিনো?

(গ) "ঙরাংদি ঐ অহুমখক ফায়। মরী মরীদা য়োনখি।" কনানা কনাদা হায়রিবনো? অহুমখক ফারগা য়োনখি হায়রিবসিনা করি পোৎনো?

(ঘ) 'অঙাংঅসিনা চেঙ লৈতে হায়রিবসিবু তারবরা?' কনানা কনাদা হায়রিবনো? পল্লিবা অঙাং অসিনা কনানো?

(ঙ) "লেন্না পুরিবা নত্তে হাই! পৈশা পীরক্কদৌরিবনি।"- কনানা কনাদা হায়রিবনো? পুরিবা পোৎ অদু করিনো?

**৩। মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

(ক) হায়দোক্লগদি ইকায়বা জাৎনি, য়োন্নবা লাক্লবদা ইলিশাগী মহাও কাউবু কাউশিল্লক্লে। ঙসিদি চারুরগে।

(খ) পাউ তাবদা চাউবা মচা নুপীরোমদা মুন্না য়েংঙি। হিদাক থাক্লিংলম্বকা ৱাই চাইখিবা খঙহৌদে।

(গ) মুৎলগে তৌরম্বা মৈ অদু অমুক খংচাক হেক চাকখৎলকই।

(ঘ) অঙাং অদু ৱামখা তারক্তে। পুখিবা ঙা অদু মুন্না য়েংদুনা লৈহৌই।

**৪। মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম শন্দোক্লা পীয়ুঃ**

(ক) 'হৌজিক্তা লাঞ্জাউ অমা থোকখিবদু তম্ফা মমাদি ভাব তাহৌদ্রমাল্লে'- করম্বা থৌদোকপু মতাং অসিদা লাঞ্জাউ হায়রিবনো? লাঞ্জাউ অদুগী মরমদা শন্দোক্লা ইয়ু।

(খ) নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন্না ইবা 'ইলিশা অমগী মহাও' হায়বা ৱারীমচা অসি পারগা করি খঙবা ঙম্বগে? শন্দোক্লা ইয়ু।

# হৌজিক্কী সমাজদা বৈজ্ঞানিকশিংগী থৌদাং

**আই. এস. খাইদেম**

*(**আই. এস. খাইদেম** ১৯৩৮ দা উরিপোক সিনাম লৈকাইদা পোকই। ১৯৫৫ দা জোনষ্টোন হাইস্কুলদগী মেট্রিক ফার্ষ্ট ডিভিসন্দা পাশ তৌরগা ১৯৫৯ দা ডি. এম. কলেজতগী B.Sc. মথংদা ১৯৬১ দা M.Sc. পাশ তৌরগা D. M. College তা Chemistry গী ওজা মকোক ওইরম্বদগী মণিপুর য়ুনিভারসিটি দা প্রোফেসর (Chemistry) অমসুং Dean of School of Science ওইরম্মী। ১৯৯৪ দগী য়ুনিভারসিটি অসিগী V.C. ওইদুনা চহী ৪ লৈরম্লগা থবকতগী পোথাখি। মণিপুর পাব্লিক সার্ভিস কমিসনগী চেয়ারমেনসু ওইরম্মী। বিজ্ঞানগা মরী লৈনবা লাইরিক কয়া ইরম্মী। লাইরিকশিংদুগী মনুংদা 'বিজ্ঞানগী পাউদম' শীংথাবা য়াই।*

*হৌজিক্কী যুগ অসি বিজ্ঞান্না চাউখৎপগী অৱাংবা থাক্তা কারবা মতমনি। মতম অসিদা বিজ্ঞানগী জ্ঞান লৈরবা বৈজ্ঞানিক অমসুং বিজ্ঞান্না পুথোকপা খুৎশু-খুৎলাই, মেছিন, শিল্লম খঙলবা টেক্নোলোজিষ্টশিংনা মীওইবা সমাজদা করি থৌদাং য়াফম থোকই হায়বসি অইবা আই, এস, খাইদেমনা ৱারেং অসিদা মরিকচুন্না ইরি। মীওইবগী সমাজদা হৌজিক লৈরিবা সমস্যা কয়া, খুদম ওইনা তমথীবা লায়না-লায়থুং, চীঞ্জাক্কী সমস্যা, মীশিং হেনগৎপগী সমস্যা, শক্তি ৱাৎপগী সমস্যা অসিনচিংবা, কোকহন্দুনা নুংঙাই-য়াইফব সমাজ অমা শেমগৎপদা বৈজ্ঞানিকশিংগী*

*থৌদাং য়াম্না মরু ওই। বৈজ্ঞানিকশিংনা থিজিনবদা খঙলকপা ফংলকপা কয়াদু মীয়ামবু সমাজগী কান্নবা হিরমদা শিজিন্নহনবদা বৈজ্ঞানিকশিংগী থৌদাং লৈ। করি করিগুম্বদা মীওইবা জাতিনা মশাগী ওইজবতা য়েংবা মিৎয়েংনা বিজ্ঞানবু শেরান্ননা লমজিংদুনা মীওইবগী অমাং-অতা ওইহনবা ফত্তবা থবক কয়াদা শিজিন্নদবা নত্তে। অদুবু লেখক্না হায়রি, "বিজ্ঞানদি বিজ্ঞাননি, লেংদনা লৈবনি। কানবা মওংদা নত্রগা মাং তাকহনবা মওংদা অদুম শিজিন্নবা য়াই।" শিজিন্নবগী মওংদি বৈজ্ঞানিকশিংগা লোয়ননা মীয়াম অমসুং দেশ দেশকী লুচিংবশিংগী ৱাখল মিৎয়েংগী মখা পোল্লি। বিজ্ঞান চাউখৎলকপগা লোয়ননা বৈজ্ঞানিক পোখোকসিং শিজিন্নবদা সমস্যা কয়াসু থোরকপা য়াই। শিজিন্নবদুদা থোরকপা য়াবা অফ-ফত্তা মাংওইননা মীয়ামদা খঙহনবদি বৈজ্ঞানিকশিংগী মথৌনি।)*

**বৈজ্ঞানিকশিংনা** বিজ্ঞানগী জ্ঞানগী মপুনি। টেক্নোলোজিনা বিজ্ঞানগী জ্ঞানবু পোখোক ওইনা পুথোকই। মীওইবা সমাজবু চাউখৎপা থাক্তা পুখৎনবা, নুংঙাই-য়াইফনবা বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজিনা অনৌ অনৌবা পোখোক কয়া পুথোকই, কয়ামসু পুথোক্লবা থিজিল্লি। লৈবাক্কী চাওখৎ লম্বী কয়াদা বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজি থানবা য়াদে। অদুনা নুংঙাই-য়ায়ফবা সমাজ অমা শেমগৎপদা বিজ্ঞানগী জ্ঞানগী মপু ওইরিবা অমসুং টেক্নোলোজিবু লমজিং পিরিবা বৈজ্ঞানিকশিংগী থৌদাং য়াম্না মরু ওই।

মীওইবগী চাউখৎ-খোংথাং নুংঙাই-য়াইফ কয়াদা চংলিবা পোখোক কয়াগা বিজ্ঞানগা হকথেংননা মরি লৈনৈ। মরমদুনা সমাজদা বৈজ্ঞানিকশিংনা থোইনা হেন্না দায়িত্য লৌগদবনি হায়দুনা মীয়াম্না মোট ফোংদোকনরকই। মীয়াম্না বৈজ্ঞানিকশিংদা হংই- বিজ্ঞান্না থাদা মী য়ৌহনবা ঙমলে, অদু ওইরবদি করিগী মীওইববু লায়নানা নাহনবগে? মীওইববু কেন্সর লায়নাদগী করিগী কনবা ঙমদ্রিবনো? শক্তি ৱাৎপগী সমস্যা করিগী লৈহল্লিবনো? করিগী চিঞ্জাক্কী সমস্যা

লৈরিবনো? করিগীদমক বিজ্ঞান্না মীওইবা জাতিগী কানগদবা হিরমদা মাইওনদ্রিবনো?

সমাজদা হকথেংননা কান্নবা, সমাজদা থোকপা সমস্যা কয়া থেংনবদা মতেং পিবা বিষয় কয়াগী মরিদা থিজিনবনা বৈজ্ঞানিকশিংগী হেন্না চুম্বা থৌদাং ওইগনি হায়বসি মীয়ামগী খোল্লাওনি। বৈজ্ঞানিকশিংনা থিজিনবদা খঙবা, ফংবা কয়াদু মীয়ামনা সমাজগী কানবা মওংদা শিজিন্নহনবদা বৈজ্ঞানিকশিংগীসু থৌদাং চাউনা লৈ। গ্রিন রিভোলুসনসি বৈজ্ঞানিকশিংনা মতম চংনা থিজিনবদগী ফংবা প্লান্ট ব্রিডিংগী জ্ঞান (পাম্বীগী অফবা ধারা পুথোকপগী জ্ঞান), পাম্বীগা লৈহাওগা লৈনবা মরি, এগ্রোনোমিগী জ্ঞান, পাম্বীগী লায়না তিন্না ঙাকথোকপা পেষ্ট কন্ট্রোলগী জ্ঞান অসিনচিংবা কয়াদগী মপুংফানা মাইপাকপা ঙম্লিবনি। বৈজ্ঞানিকশিংনা জ্ঞানসি মীয়ামদা খঙহন্দুনা মীয়াম্না মদু লৌদুনা চীঞ্জাক্কী সমস্যা কোকলিবনি, চিঞ্জাক্কী সমস্যা থেংনবদা মতেং পিরিবনি।

বৈজ্ঞানিকশিংনা সমাজগী সমস্যা কয়া থেংননবা, মীশিং হেনগৎপা থিংনবা, অনৌ অনৌবা হিদাক কয়া, উপায় কয়া পুথোকই। অসিগুম্বা হিদাক নত্রগা উপায় কয়াসি মীয়ামদা শিজিন্নহনবদা বৈজ্ঞানিকশিংনা মদুদি মখোয়গী মথৌ নত্তে হায়রবদি হিদাক নত্রগা উপায় কয়াদুগী কান্নফম খঙলোয়। অদুনা সমাজগী সমস্যা কয়া থেংননবা পুথোকলিবা পোত্থোক নত্রগা উপায় কয়াদু মীয়ামদা খঙহন্নবা, শিজিন্নহন্নবা হোৎনবদসু বৈজ্ঞানিকশিংগী অচৌবা দায়িত্ব লৈ।

হৌজিক্কী সমাজদা বৈজ্ঞানিকশিংগী থৌদাংগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা তৌখিবা ফ্যুচরস রিসার্চ সেমিনারদা মমিং চৎলবা আমেরিকাগী ফ্যুচরোলোজিষ্ট মেজরোভীক্না হায়-হৌজিক্কী সমস্যা কয়াগী হৌফমগী মরম অমদি ৱারেপ লৌগদবা লুচিংবশিংনা সমস্যাদুগী মরমদা নিংথিনা মনুং হুঞ্জিন্না খঙবা মীওই অমসুং বৈজ্ঞানিকশিংদগী তংতাবা পাউতাক ফংদবদগী, ৱারেপশিংদু রাজনিতি অমসুং চৎনবী কয়াদা য়ুমফম ওইদুনা লেপখিবননি।

মেজরোভীক্না মখা তাথনা হায়- হৌজিক্কী সমাজগী সমস্যাশিংসি ইচম চম্বা নত্তে। মসিগী মরমদা লৌবসি অরাইবা থবক নত্তে। সমস্যাদুবু মপুংফানা খঙবা লুচিংবশিংসি শোয়দনা মতেং চংই। লুচিংবশিংসিনা লৈবাক্কী সমস্যা কয়াগী মরমদা ৱারেপ লৌবদা বৈজ্ঞানিকশিংসিনা মখোয়না খঙবা বিজ্ঞান্দা য়ুমফম ওইবা মতেংদু পিদ্রবদি, বৈজ্ঞানিকশিংসি লৈরুবগী করি কানরিবগে? মেজরোভীক্না ফোংদোক্লিবা, হৌজিক্কী সমাজদা সমস্যা কয়াগী মরম নৈনবদা, বৈজ্ঞানিকশিংগী ৱাখল অমসুং ঈথিল চংই, বৈজ্ঞানিকশিংনা খঙজিন্নদনা লৈথোকপা য়াদে হায়বসি পনবা য়াবা ৱাফমনি।

ইংশোক ১৯৪০ অদুৱাইদদি বৈজ্ঞানিকশিংসি চাংয়েংশংদা মানা মানা পামজবা হিরম কয়াদা থৱাই য়াওনা থিজিন্দুনা লৈনরম্মি। সমাজদা থোরক্তুনা বিজ্ঞানগী ওইবা অফ-ফত্ত পাউতাক পিনরমদে, সমাজগী সমস্যাদা পুক্নি চংনরমদে। ১৯৫০ অদুৱাইদগী বৈজ্ঞানিকশিংনা থিজিন-খোৎচিনববগী চাং য়াম্না হেনগৎলকখি। সরকারগী মাইকৈদগীসু বিজ্ঞানগী ওইবা সমস্যা কয়া লাকখি। বৈজ্ঞানিকশিংদা সেলগী মতেং পিবা হৌরকখি, চাংয়েংশং কয়া লিংখৎলকখি।

করম্বা মখলগী থিজিন খোৎচিনবগী লমদা অমসুং করম্বা বৈজ্ঞানিকতা কয়া য়াম্বা শেনফম সরকারনা মতেং পিগদগে অমসুং করম্বা লমদা থিজিন্নবগীদমক করম্বা চাংয়েংশং লিংগদগে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া থোরকখি। মরমসিদগী বৈজ্ঞানিক খরা বিজ্ঞানগী ওইবা থৌরম কয়া খন্নবদা, ৱারেপ লৌবদা সরকারদা ঈথিল পিখি, মতেং পাংখি।

ইংশোক ১৯৬০ অদুৱাইদা পাউতাক পিরিবা বৈজ্ঞানিকশিংসিগী পাউতাক অমসুং ইথিলদা পেন্দবা বৈজ্ঞানিক কাংলুপ কয়া থোকখি। মখোয়না বিজ্ঞানগা মরি লৈনবা থৌরম কয়াদা, কাহেন্না মীশিং হেনগৎলকপা, ওভর পোপুলেসন, হিদাক, দ্রগ, হকশেল, জেনেতিক এনজিনন্যিরিং, ইন্টিলিজেন্স কোসেণ্ট, চিঙ্গাক্তা য়ান্নশিনবা, শক্তি ৱাৎপগী সমস্যা, মহৌশাগী খল ইকোলোজিনচিংবা হিরম কয়াদা

বিজ্ঞান্দা য়ুমফম ওইবা অফ-ফত্তা মোট কয়া মীয়ামদা হাকথেংননা খঙহনবা হৌরকখি।

অসিগুম্বা বৈজ্ঞানিক কয়াগী মনুংদা আমেরিকাগী এনথ্রোপোলোজিস্ত মার্গ্রেট মীদ, লাইনস, পোলিং, স্তেনফোর্ড য়ুনিভরসিটিগী পোপুলেসন বাইওলোজিগী মমিং লৈরবা প্রোফেসর পোল এরলিকনচিংবগী মিং পনবা য়াই। পোল এরলিকনা কা হেন্না মীশিং হেনগৎলকপগী সমস্যাদা মীয়ামদা হায়- চাউখৎলবা লৈবাকশিংনা মীশিং হেনগৎলকপগী সমস্যাদা চাউখৎলবা অমসুং চাউখৎত্রিবা লৈবাকশিংগীতনি, মখোয়গী নত্তে হায়না লৈথোক্লবদি, হি অমদা পুন্না তোংমিন্নরগা হিদুগী নাকল অমা লুপথরে হায়বগা মান্নগনি। অদুনা চাউখৎলবা লৈবাকশিংনসু সমস্যাসিগী মরমদা তৌবা ঙম্বা মথৌ তৌগদবনি।

মীয়ামগী মোট মতুংইন্না ৱারেপ তাবা ঐখোয়গী সমাজদা মোট পিগদবা মীয়াম্না বিজ্ঞান্দা য়ুমফম ওইবা অফ-ফত্তা মমুৎ তানা খঙবা দরকাররনি। মসিদা বৈজ্ঞানিকশিংগী থৌদাং চাউনা লৈ। বৈজ্ঞানিকশিংনা লৈবাক্কী অচৌ-অচৌবা থৌরাং কয়াগী তুংদা ওইগদবা অফ-ফত্তশিংদু মীয়ামদা ময়েকশেংনা খঙহনবা তাই। অচৌবা শিল্পগী থৌরাং অমা লিংখৎত্রিঁডদা মদুদগী থোরকপা য়াবা পল্যুসননচিংবা কয়াগী মরমদা, মদু করমনা থোকহন্দবা য়াগদগে হায়বনচিংবা কয়া মীয়ামদা খঙহনগদবনি; মীয়ামগা তানগদবনি।

অচৌবা পল থিংদুনা খুৎশেমগী পাৎনচিংবা ওন্থোকপদা মহৌশাগী খলদা ইকোলোজিগী বেলেন্সতা অকনবা চৈথেং পিবা তারবদি মদু মীয়ামদা খঙহনগদবনি। খুদোংথিবা থোক্তনবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং কয়া মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা লৌখৎকদবনি। তঙাইফদ্রবদি থৌরাংদু তোক্লবা হোৎনগদবনি। য়ুরোপকী লৈবাক খরদা এতোমিক পৱার স্তেসন লিংখৎপদা মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোংদোকখিবা, ভারতকী সাইলেন ভেলি প্রোজেক্টকী মতাংদা ফোংদোক্লখিবা মোট কয়া বৈজ্ঞানিকশিংনা থৌরাং কয়াদুগী মরমদা অফ-ফত্ত মোট কয়া বিজ্ঞানগী য়ুমফমদগী মীয়ামদা খঙহনখিবদগীনি।

মীওইবা জাতিনা মশাগী ওইজবা ৱাখল খরনা লমজিংদুনা বিজ্ঞানবু করিগুম্বদা ফত্তবা থবক কয়াদা ফোংনা শিজিন্নদবা নত্তে। আলফ্রেদ নোবেলনা

ডাইনামাইত পুথোকখি। ডাইনামাইতনা লানগী বোম শাদুনা মদুনা মী হাৎতুনা লৈবাক কয়া খুদুম চন্নবা নোবেলনা ডাইনামাইত পুথোকখিবা নত্তে। আমেরিকাগী হারভার্ড য়ুনিভার্সিটিগী প্রোফেসর ওইরম্বা লুই ফিজরনা উনা লেহনবা বোম নাপাল্ম কেমিকেল পুথোকখি। ভিয়েটনামগী লান্দা কেমিকেলসিনা বোম ওইনা শিজিন্নদুনা ভিয়োটনামগী জঙ্গল কয়া কোকথোক্লবা, কংহন্নবা, ফিজরনা নাপাল্ম পুথোকখিবা নত্তে। অসুমনা এটোম বোম, হায়ড্রোজেন বোম, ন্যুত্রোন বোমনচিংবা পুথোক্তুনা বিজ্ঞানবু লান্না শিজিন্নদবা নত্তে।

অদুবু বিজ্ঞানদি বিজ্ঞাননি, লেংদনা লৈবনি। কান্নবা মওংদা নত্রগা মাং তাকহনবা মওংদা অদুম শিজিন্নবা য়াই। এটোম বোম পোকখাইহনবগী বিজ্ঞান্দুমক্না শক্তি ৰাৎপগী সমস্যা থেংননবা এতোমিক পাৱার স্তেসন শাদুনা বিজলি পুথোকপা য়াই। ডাইনামাইতনা চীং কক্তুনা লম্বী শেমদুনা মীওইবা জাতিগী চাউখৎ থৌরমদা শিজিন্নবা য়াই। মরমদুনা বিজ্ঞান করম্না শিজিন্নগদগে হায়বা ৰাফমসি য়াম্না মরূ ওই। শিজিন্নবগী মওংসি বৈজ্ঞানিকসিংতনা লেপতে। মীয়াম অমসুং লৈবাক লৈবাক্তুগী লুচিংবশিংগী ৰাখল মতুংইন্না লেপ্পি।

আমেরিকাগী ফ্যুচরোলোজিষ্ট হরমান কাননা বিজ্ঞান চাউখৎলকপগা লোয়ননা বিজ্ঞান শিজিন্নবদা থোরকপা য়াবা সমস্যা কয়াগী মরমদা ৰাহং কয়া হংই। মহাক্না হংই- বিজ্ঞানগী মতেংনা মমা-মপানা পামজবা মতুংইন্না মচানুপা নত্রগা নুপী পোকপা য়াগনি। সমাজদা লৈবা মপা-মমা খুদিংনা মচানুপাদমক নত্রগা মচানুপীদমক পাম্লবদি সমাজদুদা নুপা ঙাক্তা নত্রগা নুপী ঙাক্তা লৈরক্কনি। নুপীঙাক্তা নত্রগা নুপাঙাক্তা লৈবা অদুগুম্বা সমাজদা করম্বা সমস্যা লাক্কনি? অদুনা সরকারনা আইন শেমদুনা মমা-মপাশিংদা মচানুপানা অসুক, নুপীনা অসুক পোক্কদবনি হায়গদ্রা?

জেনেটিক এনজিনন্যিরিংগী বিজ্ঞান চাউখৎলকপগা লোয়ননা মমা-মপানা অপাম্বা মতুংইন্না মখোয়গী মচা-মশুগী মওং-মতৌ হৈশিংবা কয়া লেপ্পা ঙমলকলগনি। আই কিউ ২০০ দগী হেনবা য়াম্না হৈথোয়-শিংথোইবা মীওই, নত্রগনা ফুট ১০/১৫ ৰাংবা মপাঙ্গল কনবা লমজেল য়াংবা মীওই, নত্রগনা থবক্কা চাননবা মখুৎ তরা পানবা মীওই কয়া সমাজদা লৈরক্লবদি, মদুনা সমাজদা করম্বা চৈথেং পিরগনি?

প্লাস্তিক সর্জরি চাউখৎলকপগী মতুংইন্না কনাগুম্বনা মমিং চৎলবা নূপা নত্রগা নুপী অমগী মশক চপ মাননা প্লাস্তিক সর্জরি তৌদুনা মমিং চৎলবা নুপা নত্রগা নুপীদা শাদুনা সমাজদা থোকলকপা য়াই। মসি য়াহনগদ্রা? সরকারনা আইন শেমদুনা মসি থিংগদ্রা?- অসিনচিংবা ৱাহং কয়া হরমান কাননা হংই।

হরমান কানগী ৱাহং কয়াসি খরা হেনজিন্না উরবসু বিজ্ঞানগী জ্ঞানসি নিংখা তন্না শিজিন্নবদা ওইরকপা য়াবা সমস্যা কয়াদগী চেকশিনহৌনবা ৱাফমনি। বিজ্ঞান শিজিন্নবগী দায়িত্যগী বাফমনি। বৈজ্ঞানিকশিংতনা দায়িত্যসি লৌফম থোক্তে। বৈজ্ঞানিকশিংদি অনৌবা পোথোক অমসুং থৌওং কয়া পুথোক্লবা থিজিনবদগী সমাজদা লৈমিন্নরিবা মীয়াম অমসুং লুচিংবা কয়াগী ৱাখলগী মখা পোল্লি। শিজিন্নবগী মওংদুদা থোরকপা য়াবা অফ-ফত্ত মাংজৌননা মীয়ামদা খঙহনবদি বৈজ্ঞানিকশিংগীসু মথৌনি।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| বৈজ্ঞানিক | ঃ | বিজ্ঞানগী জ্ঞান লৈবা মী, বিজ্ঞান হৈবা মী। |
| টেক্নোলোজি | ঃ | থবক শুবা লায়হন্নবা খুৎশু-খুৎলাই, মেছিন, পোৎ-চৈ, শিল্লম অসিনচিংবা শিজিন্নবা। বিজ্ঞান্না থবক অমা করম্না অমসুং করিগী থোকপগে নৈনৈ অমরোমদা টেক্নোলোজিনা থবক অদু থোকহনববু নৈনৈ। |
| কেন্সর | ঃ | তমথীবা লায়না মখল অমা; লাইরেল শজিক; অশৌবা লায়না। |
| গ্রিন রিভোল্যুশন | ঃ | ইং কুম ১৯৬০ অমসুং ১৯৭০ গী মনুংদা চাউখৎলকইবা লৈবাক খরদা ফৌ- চেঙ, হৱাইনচিংবগী পোথোক হেনগৎপগা লোয়ননা শেনথোক হেনগৎপবু খঙনৈ। |
| প্লাণ্ট ব্রিডিং | ঃ | পাম্বীগী অফবা ধারা পুথোকপা। |

| | | |
|---|---|---|
| এগ্রোনোমি | ঃ | লৌবুক্তা মহৈ-মরোং পুথোকপগী বিদ্যা। |
| পেষ্ট কন্ট্রোল | ঃ | পাম্বীগী লায়না-তিন্না ঙাকথোকপা। |
| ফ্যুচরস রিসার্চ | ঃ | তুংগী চত্থগদবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক। |
| ফ্যুচরোলোজিষ্ট | ঃ | তুংগী চাউখৎলকপগী মওংগী মরমদা মাংজৌননা হায়নবা চৎলিবা অমসুং হৌখ্রবা খোঙচৎ নৈনবা মী। |
| ড্রগ | ঃ | অনাবগী হিদাক নত্রগা হিদাক্কী মচল; ময়াইকাবা হিদাক। |
| জেনেটিক এনজিনন্যিরিং | ঃ | পাথাং-পুথাং ওইনা ফংগদবা জিনগী মচাক খুৎশেমগী ওইনা (মহৌশাগী পথাপ হকতিন্নবা য়াওদনা) তিন্ননবা শেম্বা। |
| ইণ্টেলিজেন্স কোসেণ্ট | ঃ | বাইওলোজি (জীববিদ্যা) গী মশা অমা। |
| এন্থ্রোপোলোজিষ্ট | ঃ | নৃতত্ত্ববিৎ; তাইবং মীগী মরমদা নৈনবা মী। |
| পোপুলেশন বাইওলোজি | ঃ | বাইওলোজি (জীববিদ্যা) গী মশা অমা। |
| পোল্যুশন | ঃ | মোৎশিনবা; শেংহনদবা। খুদম-ঈশিং মোৎশিনবা, নুংশিৎ মোৎশিনবা, অকোয়বগী ফিভম মোৎশিনবা। |
| এতোমিক পাৱার স্তেসন | ঃ | এতোম থুগাইবদগী ফংবা মৈশাগী শক্তি শিজিন্নদুবা বিজলি শক্তি পুথোক্লুবা থৌরাং তৌবা মফম। |
| ডাইনামাইট | ঃ | অকনবা পোকখায়গনবা পোৎ। |
| নাপাল্ম কেমিকল | ঃ | উনা কেলহনবা ঙম্বা কেমিকল অমা। |
| এটোম বোম | ঃ | আণবিক বোম; এটোমিক বোম। |
| হাইড্রোজেন বোম | ঃ | হাইড্রোজেন বোম। |
| ন্যুত্রোন | ঃ | এটোমগী মরিক অমা। |
| প্লাস্তিক সর্জরি | ঃ | হকচাংগী অৱাৎপা শরুক হাপ্পা লায়য়েং। |

## ৱাহং

**১। ৱাহংশিং অসি য়াম্না তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) প্লাণ্ট ব্রিডিং হায়রিবসি করিনো?

(খ) এগ্রোনোমিগী জ্ঞান হায়রিবসি করিনো?

(গ) মেজরোভীক কনানো?

(ঘ) জেনেটিক এনজিনিয়্যিরিং হায়বসি করিনো?

(ঙ) ইণ্টেলিজেন্স কোসণ্ট হায়রগা করি খঙবগে?

(চ) ইকোলোজি হায়বসি করিনো?

(ছ) প্লাস্তিক সর্জরি হায়বসি করিনো?

**২। ৱাহং অসি তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) 'লৈবাক্কী চাউখৎ লম্বী কয়াদা বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজি থানবা য়াদে।' ৱাফম অসি শান্দোক্লা তাকউ।

(খ) মীয়াম্না বৈজ্ঞানিকশিংদা করি ৱাহং হংবগে?

(গ) করি করিদগী গ্রিন রিভোলুসন মাইপাকপা ঙমলিবনো?

(ঘ) মেজরোভীক্কী মোত্তা হৌজিক্কী সমস্যা কয়াগী হৌফমগী মরম করিনো?

(ঙ) ইংশোক ১৯৪০ অদুৱাইদা বৈজ্ঞানিকশিংনা করি তৌরম্মী?

(চ) পোল এরলিকনা কাহেন্না মীশিং হেনগৎপগী সমস্যাগী মরমদা করি হায়?

**৩। মখাগী অসি পারগা ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

মীয়ামগী মোট মতুংইন্না ৱারেপ তাবা ঐখোয়গী সমাজদা মোট পিগদবা মীয়াম্না বিজ্ঞানদা য়ুমফম ওইবা অফ-ফত্তা মমুৎ তানা খঙবা দরকারনি। মসিদা বৈজ্ঞানিকশিংগী থৌদাং চাউনা লৈ। বৈজ্ঞানিকশিংনা লৈবাক্কী অচৌ অচৌবা থৌরাং কয়গী তুংদা ওইগদবা অফ-ফত্তশিংদু মীয়ামদা ময়েকশেংনা খঙহনবা তাই। অচৌবা শিল্পগী থৌরাং অমা লিংখৎত্রিঔেদা মদুদগী থোরকপা য়াবা পল্যুসননচিংবা কয়াগী মরমদা, মদু করম্না থোকহন্দবা য়াগদগে হায়বনচিংবা কয়া মীয়ামদা খঙহনগদবনি; মীয়ামগা তানগদবনি।-

(ক) ঐখোয়গী সমাজ করম্বা মওংগী সমাজনো?

(খ) মীয়াম্না করিবু মমুৎতানা খঙবা দরকারনো?

(গ) বৈজ্ঞানিকশিংনা লৈবাক্কী অচৌ অচৌবা থৌরাং কয়াগী মরমদা মীয়ামদা করি খঙহনবা তাই?

(ঘ) অচৌবা শিল্পগী থৌরাং লিংখৎত্রিঙৈদা বৈজ্ঞানিকশিংনা মীয়ামদা করি করি খঙহনগনি অমসুং করি তৌগনি?

৪। **মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোকনা ইয়ুঃ**

(ক) লৈবাক্কী চাউখৎ লম্বী কয়াদা বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজি থানবা য়াদে।

(খ) হৌজিক্কী সমাজগী সমস্যাশিংসি ইচম চম্বা নত্তে। মসিগী মরমদা ৱারেপ লৌবসি অরাইবা নত্তে।

(গ) অদুবু বিজ্ঞানদি বিজ্ঞাননি, লেংদনা লৈবনি। কানবা মওংদা নত্রগা মাং তাকহনবা মওংদা অদুম শিজিন্নবা য়াই।

(ঘ) নত্রগনা থবক্কা চাননবা মখুৎ তরা পানবা মীওই কয়া সমাজদা লৈরক্লবদি, মদুনা সমাজদা করম্বা চৈথেং পিরগনি?

৫। **মখাগী ৱাহংশিংগী পাউখুম শন্দোক্না পীয়ু ঃ**

(ক) "মীওইবা জাতিনা মশাগী ওইজবা ৱাখল খরনা লমজিংদুনা বিজ্ঞানবু করিগুম্বদা ফত্তবা থবক কয়াদা শিজিন্নদবা নত্তে।" ৱাফম অসি কয়ামুক চুম্বগে হায়বদু খুদম পীদুনা শন্দোক্না তাকউ।

(খ) আমেরিকাগী ফ্যুচরোলোজিষ্ট হরমান কান-না বিজ্ঞান চউখৎলকপগা লোয়ননা করি করি ৱাহং হংখিবগে? শন্দোক্না নৈনৌ।

(গ) হৌজিক্কী সমাজদা বৈজ্ঞানিকশিংগী থৌদাং করিনো? অইবগী মতুংইন্না নশাগী লোন্না শন্দোক্না ইয়ু।

# এডোলেসন্স এডুকেশন

**ৱাংখৈময়ুম তোমচৌ সিংহ**

*(ৱাংখৈময়ুম তোমচৌ সিংহ (১৯২৭- ) রিটায়র্দ এডিসনেল ডাইরেক্তর ওফ এডুকেশন্নি। ক্লাস ৱান্দগী এইট ফাওবগী এম. আই. এল. মণিপুরীগী ওইবা লাইরিকশিং অমসুং সেকেণ্ড লেঙ্গুইয়েজ ওইনা তন্নবা ক্লাস থ্রীদগী এইট ফাওবগী লাইরিকশিং, ক্লাস নাইন্দগী তুৱেলভ ফাওবগী মণিপুরী গ্রামার ইবদা য়াওখি।*

*পারা অসিদা এডোলেসণ্টশিংনা (মথোক কারক্লিবা নিপা নুপীশিংনা) মশা মউ ফনা, নাদ-য়েক্তনা লৈননবগী মখোয়না থেংনগদবা খুদোংচাদবশিংগী মশক মমিং তাক্লগা পুন্সিগী ওইনা অনাবশিংবু ঙাকথোক্লবগী পাম্বৈ হৈ-শিংনা শীজিন্নবা ঙম্নবা লম্বী পীরি।)*

এডোলেসন্সঃ

সাইকোলোজিষ্ট খরনা চহী ১৩ দগী ১৮ ফাওববু অদুগা অতোপ্পা খরনা চহী ১০ দগী চহী ১৯ ফাওবগী মতমবু এডোলেসন্সকী মতমনি হায়। খরা খেন্নরবসু, অঙাং ওইরম্বদগী চাউখৎলক্তুনা হকচাংগী শরূক চাউরকপা, ৱাখল খল্লকপা হেল্লকপা, সমাজগী চৎনবীগী মওংদা মীওই মপূং ফাবা অমা ওইরকপা ফাওবগী মতমবু এডোলেসন্সকী মতমনি হায়বা তাই। নুপীগী চহী ১০-১৪ দা থাগী খোঙকাপ লাকপা মতম হায়বদি মচা পোকপা য়ারবা মতমদগী মীওই মপূং ফাবা মতম হায়বদি চহী ১৯ লোম শুবা ফাওবগী মতম অদুবু এডোলেসন্সগী মতম

কৌবা য়াই। নুপীগী থাগী খোঙকাপ লাকপা মতমবু প্যুবর্টি (Puberty) কৌই।

এডোলেসন্সগী মতম অসিদা হায়বদি অঙাং পোকপা য়ারগদবা মতম অসিদা নিপা অমসুং নুপীগী হকচাংদা অচৌবা অহোংবা লাকই। মতাং অসিদা পাখং-লৈশাবীগী চপচাবা মশক মওং লাকপা হৌই। নিপাসু নুপীসু ৱাংবা হেনগৎলকই, চাউবা হেনগৎলকই। লেং ফল্লকই, থবাক চাউখৎলকই। নিপাশিংগী খোঞ্জেল হোংলকই, নাতোনগী, খদাংগী কোইনচিংবা মথং মথং হৌরকই।

এডোলেসন্সকী মতম অসিদা হকচাংগী অহোংবা লাকপা মতমদা পাখং-লৈশাবীশিংগী পূক্নংগী ৱাখলসু হোংলকই। চহী মতাং অসিদা মপূক্নীংদা অপাম নুংশিগী ৱা খঙলকই। অদুগীসু মথক্তা পা-পীগী ৱাখলদা পূক্নীং খোয়দারকই, অসুন্না তৌরকপসি মহৌশাগী হৌনবীনি। মতম অসিদা মথোক কারকলিবা পাখং-লৈশাবীশিংনা য়াম্না জ্ঞান তানা অমসুং চেকশিন্না লৈবা তাবনি।

মপূং ওইবা পান্দমশিংঃ

এডোলেসন্সকী মতম অসিদা অঙাং ওইব্রম্বদগী মীওই মপূং ফারবা পাখং-লৈশাবী ওইন্নবা হকচাং শারেপ তানখৎলকপা মতাংদা হকচাং ফন্না লৈননবা, সমাজগী চৎনবী ইনবগা লোয়ননা পাখং-লৈশাবী মশেল অমগা অমগা ব্যবহার কায়নদনা হকচাং ঈনখৎলকপগী অর্থ খঙ্না চাবোকপগা মরী লৈনবা ফিন্নুংগী হকচাং ফন্না লৈনবা হোৎনবা অসি এডোলেসন্স এডুকেশনগী পান্দম অমনি। পান্দম অসিগী মনুংদা চাবোকপগা মরী লৈনবা হকচাং ফহন্দবগী পান্দম অমনি। পান্দম অসিগী মনুংদা চাবোকপগা মরী লৈনবা হকচাং ফহন্দবগী মরম খঙ্বসু অমদি ঈনখৎলকপা চহী-মতাংগী অরানবা ৱাখল্লোন লৈতনবা হোৎনবসু মনুং চল্লি।

অতোপ্পা পান্দম অমনা ময়াই কাবা হিদাক (Drug) অমদি পোৎশক (Substance) লান্না শীজিন্নদুনা হকচাং ফত্তনবগী লম্বীদা চঙদবনি।

অতোপ্পা পান্দম অমনা ঐচ. আই. ভি. অমসুং এইডসকী মরমদা নীংথিনা

খঙদুনা মখোয়শিং অসি হকচাংদা চঙহন-পরকহন্দনবা হোৎনবনি।

অরানবা ৱাখল্লোন খরাঃ

ঈনখৎলকপা চহী- মতাংগী নহামচা লৈশাবীমচাশিংদা অরানবা ৱাখল্লোন খরা লৈ। খূদম ওইনা, নুপী ওইবীশিংদি থাগী খোঙকাপ লাক্লিঁঙৈদা মাংই অমদি মরম অসিনা চাকখুম চঙবনচিংবা অশেংবা থবক তৌবা য়াদে। মাংবা-শেংবগী ৱাফম অসি অরানবা থাজনবীনি, মরমদি থাগী খোঙকাপ লাকপা হায়বসি ঈনখৎলকপা নুপীমচা খুদিমক্কী মহৌশা ওইবা শাজৎনি। থাগগী খোঙকাপ লাক্লিঁঙৈদা নুপী ওইবীনা ঈরুহৈদে অমদি অচার, অঈংবা পোৎলম্নচিংবা চাহৈদে হায়বসিসু অরানবা থাজনবীশিংনি। তশেংবদি, থাগী খোঙকাপ লাক্লিঁঙৈদা চাং নাইনা ঈরু-মায়থজদুনা হকচাং লূ-হেন্না থম্বদা থোইনা পূক্নীং চঙগদবনি। অহিংদা ফম্বী চৎপনা হকচাং শোকহল্লি হায়বসিসু অরানবা থাজনবীনি। ফম্বী (Semen) মরিক অমগা ঈ মরিক কুনগা মান্নৈ অমসুং মরম অসিনা হকচাংদগী ফম্বী চৎহনখিবনা হকচাং শোকহল্লি হায়বসিসু অরানবা ৱাখল্লোন্নি। ফম্বীগা ঈগা মরী লৈনদে অমদি ফম্বী চৎহনখিবনা হকচাং শোকহনবা লৈতে। অরানবা ৱাখল্লোনশিং অসি মথোক কারক্লিবা নহারোলশিংনা থাদোক্কদবনি।

ফিনুং হকশেল অমদি পোৎশক লান্না শীজিন্নবাঃ

ভারতকী নেসনেল কাউন্সিল ওফ এডুকেশনেল রিসর্চ এন্দ ট্রেনিং (N.C.E.R.T.) না শীন্দুনা এডোলেসন্স এডুকেশনগী মরমদা সেমিনার অমা খৃষ্টাব্দ ১৯৯৩ গী এপ্রিলদা তৌখি। সেমিনার অদু জাতিগী ওইনা তৌখিবনি। মদুদা এডোলেসন্স এডুকেশনবু স্কুলগী করিক্যুলমদা হাপ্পা হায়না লেপ্পখি। সেমিনার অদুদা এডোলেসন্সগী মতম অসি অঙাং ওইরিঙৈদগী মীওই মপূং ফারকপা ফাওবগীনি হায়দুনা অঙাং ওইরিঙৈদগী অহল ওইরকপগী মওংকয়া খন্নবগা লোয়ননা এডোলেসন্টশিংগী চাবোকপগী মতম য়ৌরকপদা মশা ফনা লৈননবগী

মরমদা মরুওইনা খন্নখি। ইংলিসতা মদুবু এডোলেসণ্ট রিপ্রদক্তিভ এন্দ সেক্সুয়েল হেলথ (ARSH) হায়না খঙনখি।

'রিপ্রদক্তিভ হেলথ' নৎত্রগা 'ফিনুং হকশেল' হায়বসি ইণ্টরনেসনেল কনফরেন্সনা পোপুলেসনগী হীরম খন্নবদা খৃষ্টাব্দ ১৯৯৪ দা কাইরোদা অর্থ শন্দোক্লা তাকখি- 'রিপ্রদক্তিভ হেলথ' হায়বসি হকচাং মপূং ফানা ফবা, অফবা ৱাখল খনবা (মশাগী অমদি সমাজগী), অনাবা লৈতবা, চাবোকপগী মরীদা করি অমত্তা অপনবা লৈতবা হায়বনি।

হকতিন্নবদগী শন্দোকপা লায়না খরাঃ

নিপা নুপী হকতিন্নবদগী লৌনবা লায়না মখল কয়ামরুম লৈ। ফিনুংগী ইন্দ্রিশিংগী ওইবা লায়নাশিং অসিগী লৌনবা মওং অমসুং অনাবগী লাইওং হাইরপ মান্নবা ঙাক্তনি। লায়নাশিং অসি ইংলিশতা Sexually Transmitted Disease (STD) নৎত্রগা Sexually Transmitted Infections (STI) হায়না কৌনৈ। অসিগুম্বা লায়না খরদি- গোনরিআ (Gonorrhoea), ক্লেমিডিয়া (Chlamydia), সিফিলিস (Syphilis), শীংগোলোসিস (Shingollosis), ভেনেরিএল ৱোর্টস (Venereal Warts), হেপাতাইতিস- এ (Hepatitis-A), হেপাতাইতিস-বি (Hepatitis-B), স্কেইবিজ (Scabies), হারপিজ (Herpes), ঐচ. আই. ভি (HIV), অসিনচিংবনি।

ফিনুংগী লৌনবা লায়নাঃ

Sexually Transmitted Diseases (STD) নৎত্রগা Sexually Transmitted Infections (STI) হায়না খঙনবা লায়নাশিং অসি HIV গুন্না হকতিন্নরিবা মীশক অনীগী মনুংদা অমনা নারবদি নারমদবা নিপা নৎত্রগা নুপী অদুদা অনাবগী মহীক চঙখিবদগী ওইরকই। STD নত্রগা STI ওইবা লায়নাশিং অসি নৌরিঙৈদদি য়ান্না লায়না লায়েংবা ঙম্মী অদুগা কুইনা নারক্লবদি লায়েংবদা ৱায়।

STD না নাবা মীবু সমাজ অসিনা য়াম্না হন্থনা য়েংনৈ। অদুনা, STD নাবা মীনা সমাজবু কিনরম্মী অদুগা লায়েংবগী ডাক্তার উনবা চৎপফাওবা ইকায়নরম্মী। হৌজিক্তি কিবা অমসুং ইকায়বগী মওং খরা শাফরে।

খরা তোয়না নাগনবা ফিনুংগী লায়না খরগী লাইওংগা লোয়ননা লায়েংবগী মওং খরা মখাদা পীরিঃ

STD গী নাবগী লাইওং অসি য়াম্না উৎতে। কনাগুম্বা মী খরদি মশা-মশানফাওবা লায়না অসিনা নারবনি হায়বা খঙজদে; মহাক্না মরম ওইদুনা মশা ফরিবা মী অতৈদা লায়দা অসি শন্দোকখিবগী মওং অদু মশামক্না খঙদবসু য়াওই।

১। গোনরিআ (Gonorrhoea)ঃ মীশক অমদা গোনরিআ লায়নাগী মহীক চঙখিবা নুমিৎ হুন্নিদগী মঙানি ফাওবগী মনুংদা লায়নাগী মওং উৎলকই। STD গী লায়নাশিং অসি ফিনুংগী হকচাংগী ইন্দ্রিদা অমসুং ইন্দ্রিশিংগী ময়াদা মশক উৎলকই। গোনরিআনা নারবা নিপাগীনা হক্কী ঈশিং চৎপদা অনাবা ফাওই অদুগা হক্কী ঈশিং অদু নাপু নৎত্রগা অশংবা মচু ওইনা থোক্লকই। নুপীগীনা হক্কী ঈশিংগী মহুৎতা অঙৌবা মহী ওইনা থোক্লকই। গোনরিআগী মহীকশিং অদু এণ্টিবাইওটিক খরদদি চঙবা ঙমদে। মরম অদুনা লায়না অদু গোনরিআগী লাইওংনি হায়বা খঙলবদি নীংথিনা শোয়দনা ফননবগীদমক লায়না অসি য়েংবা হৈবা ডাক্তরবু য়েংহনগদবনি। অদুগা লায়েংদ্রিফাওবদি হকতিন্নবা তৌরোইদবনি।

২। ক্লেমিডিয়া (Chlamyadia)ঃ মসি বেক্তরিয়া মখল অমনা থোকহনবনি। মতম খরদি অনাবগী খূদম অমত্তা ফংদে, মতম খরা লৈরগা লায়নাগী লাইওং খরা উৎলকই- হক্কী ঈশিং চৎপদা মচু ওল্লকপগা লোয়ননা অশাবা ওইনা লাকপগী অনাবা ফাওরকই। লায়না অসি গোনরিআগা পুন্না লাইওং উৎলকপসু য়াওরকই। মসিগী লায়েংবদি হকতিন্নরিবা অনী অদু হকতিন্নবা তৌরোইদবনি, নৎত্রবদি STD অসিনা অঙাংখাউগী অনাবা ওইরক্কুনা খুদোং থীগনি।

৩। তাকি/ সিফিলিস (Syphilis)ঃ লায়না অসি অহানবদা পিক্না ফিনুংগী

ইন্দ্রিদা নৎত্রগা চীনবান্দা চাথৎপা হৌরকই। মতম অসিদা চৈনা ফাওদবনিনা লায়না পক্লে হায়বদু অনাবা মশানা খঙজদে। অনাবগী মহীক্লা চঙখ্রবা মতুং নুমিৎ ৯ নিদগী ৯০ নি নি ফাওবগী মনুংদা চৈনা ফাওবা হৌরকই অমদি মশা পূন্নমক্তা ঙাংশঙ ঙাঙবা মপাক মচা মচা ওইনা চোংথোক্লকই। লায়না অসি লায়েংবদা হকতিনরিবা মীশক অনী অদু পূন্না য়েংমিন্নবা তাই, অদুগা অনী অদু অনাবা ফৎত্রিফাওবদি হকতিন্নবা য়াদে। করিগুম্বদা অপিকপা ঙাংশঙ-ঙাঙবা মপাকশিং অদু পিক্লা লৈবনা উবা ফংদবা য়াই, অদুনা অনাবগী ঈ লৌরগা য়েংলবা মতমদা নারিবা লায়নাগী মশক খঙগনি। তাকি থুংবগী লায়না অসি মতম চানা য়েংহৌদ্রবদি তুংগী পুন্সিদা য়ান্না খুদোং থীনিংঙাইনি। মসিনা থস্মোয়গী লায়না ওইরকপা য়াই। লায়না অসিনা কোক্কী থোপ শোকখ্রবদি মদুগী ফল ওইনা কাউগনবা, ৰাখল খনবা ঙমদবা অমদি খ্বায়গা মীমান্নদবা মীশক ওইরকপা য়াই। নুপীগীদনা, মাগী পোকত্রিবা অঙাংদা লায়না অসি চঙখিবদগী অঙাং পোকপদগী হৌনা খ্বায়গা মান্নদবা ওইনা পোক্লকপা য়াই। তাকি হায়রিবা লায়না অসি য়ান্না নৌরিঙৈদা লায়েংহৌরবদি মপূং ফানা ফহনবা ঙম্মী।

STD/STI থিংনবগী পাম্বৈশিংঃ

১। হকতিন্নবগী থবক অসি হকতিন্নবা য়াবা মী মশীং য়ান্না পাঙথোক্তবাঃ STD/ STI গী লায়না য়ান্না শন্দোক্লিবসি হকতিন্নবা মী মশীং য়াম্বদগী থোকপনি।

২। থিংবা য়াবা পোৎ শীজিন্নবাঃ কোন্দোম শীজিন্নরবদি STD/STI থিংবদা মতেং ওইগনি।

৩। মশাগী ৰাখল হোংদোকপাঃ STD/STI গী খূদম, লাইওংনচিংবসি খঙদুনা মশাগী ৰাখল হোংলবদি মতম থীহুদনা ডাক্তরবু য়েংহল্লগা লায়না মশক খঙবগা লোয়ননা মদু লায়েংদুনা ফহন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইগনি।

ময়াই কাবা হিদাক খরাঃ

ময়াই কাবা হিদাক (দ্রগ) খরদি হিরোইন (Heroin) , ওপিয়ম (Opium), মোর্ফিন (Morphine), কোকেইন (Cocain), মেরিজুৱানা (Marijuana), হাশীস (Hashis) অসিনচিংবনি। মখোয় অসি অনাবা খাঙবা ঙমহনবা

অমদি হকচাং পঙথহনবা হিদাকশিংনি। য়ু থকপা, চুরুপ- বিড়ী থকপা, গঞ্জা থকপা, কানি চাবা অসিনচিংবসু ময়াই কাবা হিদাক থকপা-চাবগুম্বনি। হৈনবী পোকহনবা ঙম্বা ময়াই কাবা ড্রগ, য়ু, চুরুপ্পচিংবা পোৎশকশিং অসিবু 'সবষ্টেন্স' (Substance), হায়না খঙনৈ। পোৎশক লান্না শীজিন্নববু ইংলিশতা Substance Abuse হায়না খঙনৈ।

অনাবা ফনবা শীজিন্নবা হিদাক (Drug)ঃ

মী অমগী হকচাংগী অমসুং ইন্দ্রিগী থবক নৎত্রগা ৱাখলগী মওংহোংদোকহনবা ঙম্বা পোৎ অমবু, 'দ্রগ' নৎত্রগা 'হিদাক' কৌই।

হিদাক লান্না শীজিন্নবা (Drug Abuse)ঃ

অনাবা ফনবা ডাক্তরগী হিদাকপু লান্না শীজিন্নবগী মওং খরা মখাদা পীরিঃ

চাং হেন্না চাবাঃ ডাক্তরনা পীবা হিদাক অদু ডাক্তরনা হায়বদগী হেন্না চারবদী মদু হিদাক লান্না চাবা হায়বদুনি। খূদম ওইনা, হিদাক অমা মিলিগ্রাম ২ দং চাও হায়রগা মিলিগ্রাম ১০ চারবদি মদু হিদাক লান্না শীজিন্নবা (Drug Abuse) কৌই।

হেন্না তোয়না চাবাঃ খূদম ওইনা, ডাক্তরনা তুল্লমদাইদা অমুক্তং চাও হায়না পীবা হিদাক অদু অমুক্তগী হেন্না তোয়না চারবদি মদুসু হিদাক লান্না শীজিন্নবা (Drug Abuse) কৌগনি।

মতম হেন্না চাবাঃ খূদম ওইনা, ডাক্তরনা থা মখায় অমা চাও হায়রগা মদুদগী মতম হেন্না চারবদি মদুসু হিদাক লান্না শীজিন্নবা হায়গনি।

ওন্নতৈননা শীজিন্নবাঃ খূদম ওইনা, ডাক্তরনা অনাবদু তুমহন্নবা নৎত্রগা ঈংনা পোত্থাদুনা লৈহন্নবা পীজৌ হায়দুনা ইবা হিদাক অদুগী মহুত্তা Gardenol কৌবা হেক চাবদা পঙথদুনা জ্ঞান মাঙগদবা, থুনা মশা অদু কন্না নীক্লক্কদবা হিদাক অদু পীজরবদি মদু খুদোংথীনিংঙাই ওইবা হিদাকপু ওন্নতৈননা শীজিন্নবা কৌগনি।

ওন্নতৈননা হিদাক য়ানশিন্নবাঃ অমদগী হেন্না য়ান্নরগা চাগদবা হিদাক শেম্বদা ডাক্তরগী পাউতাক য়াওদনা পংশেম শেল্লবদি মদু ওন্নতৈননা হিদাক য়ানশিন্নবা হায়বদু ওই। খূদম ওইনা, ঈংনা পোত্থাদুনা তূন্নবা হিদাক্তা খরা হেন্না

কান্নবনি হায়দুনা ময়াই কাবা য়ু য়ানশিন্দুনা পীথক্লবদি মদু হিদাক ওন্নৈনেনা শীজিন্নবা কৌগনি।

আইন্না য়াদবা-হিদাক শীজিন্নবাঃ আইন্না য়াদবা হিদাকশিং, খূদম ওইনা, ব্রৱন সুগর (Brown Sugar), মেরিজুৱানা, গঞ্জা অমসুং য়ু নচিংবা শীজিন্নবসি হিদাক লান্না শীজিন্নবা (Drug Abuse) নৎত্রগা পোৎশক লান্না শীজিন্নবা (Substance Abuse) হায়না খঙনগনি।

হিদাক লান্না শীজিন্নবনা ওইহনবা মওংশিংঃ

(১) হিদাক লান্না শীজিন্নবনা করিগুম্বা থবক খরবু থুনা তৌবা হৌহল্লবসু মতুং তারকপদা থবকশিং অদু অমুক তপথহল্লি অমদি হিদাকশিং অদুনা অকায়বা থোকহল্লি।

(২) জ্ঞান মাঙদুনা তূম্নীংবা পোকহল্লি।

(৩) ওপিয়ম চাবদা পঙথবগুম্না পঙথদুনা শেংনা তাবা-উবনচিংবা ঙমহন্দে।

(৪) ঐখোয় খ্বায়না তারিবা, উরিবা, পুক্লীংদা ফাওরিবা অসিগী ওন্নৈনবদা লৈহল্লি।

লান্না শীজিন্নগনবা হৈনবী পোকহনবা পোৎশকশিংঃ

ঈনখৎলকপা চহী-মতাংগী নহাশিংনা মশানা অনৌবা মহাও খঙনীং-য়েংনীংবদগী, মমান্নবনচিংবা অতোপ্পা মীওইনা ঈনশিনবদগী নৎত্রগা মশাগী নীংবা কায়বদগী হৈনবী পোকহনবা ঙম্বা পোৎশক কয়ামরুম লান্না শীজিন্নৈ। পোৎশকশিং অসি খূদম ওইনা, মৈখু ওইনা শীজিন্নবগী চরুপ, বিড়ী, চরস, গঞ্জা, মহী ওইনা থরুবগী কা হেনবা চা নৎত্রগা কোফী, য়ু , ভাঙ হাপ্পা শর্বত, মপং ওইনা চানবগী গুটকা, পান মসালা, খৈনি, হিরোইন অসিনচিংবনি। হকচাংদা হৈনবী তপ্পা-তপ্পা পোকহনবা পোৎশকশিং অসি লান্না শীজিন্নবনা অরোইবদা হকচাং য়াম্না শোকহল্লি। মরম অসিনা ঈনখৎলক্লি বা নহারোলশিংনা কৈদৌনুংদসু পোৎশক লান্না শীজিন্নরোইদবনি।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা

এডোলেসন্স (Adolescence) ঃ মীওইবগী চহী ১০ দগী ১৯ শুবা ফাওবগী মতমবু এডোলেসন্স কৌই।

| | | |
|---|---|---|
| প্যুবর্টি (Puberty) | ঃ | নুপীগী চহী ১০-১৪ ফাওবগী মনুংদা থাগী খোঙকাপ লাকপা মতমবু প্যুবর্টি হায়না খঙনৈ। প্যুবর্টিগী মতম য়ৌরবদি মচা পোকপা য়ারবা মতম ওইরবনি। মীওই মপূং ফাবা মতম (চহী ১৮/১৯) শুদ্রিবা ফাওবদি মচা পোকপা ফত্তে। |
| হকতিন্নবা | ঃ | হকচাংগী চাবোকইন্দ্রিশিং তিন্নবা। |
| ড্রগ (Drug) | ঃ | মী খরনা মশাদা নুংঙাইবা, ময়াই কাবা ফংনবা ওইনা মৈখু থকপা, ইনজেক্সন তৌবা অসিনচিংবগী হিদাকশিংবু ড্রগ কৌই। |
| Substance Abuse | ঃ | হিরোইন, ওপিয়ম, মোর্ফিন, কোকেইন, য়ু, চুরুপ অসিনচিংবা ময়াই কাবা পোৎ চাবা-থকপা অসিবু Substance Abuse (পোৎশক লান্না শীজিন্নবা) কৌই। |
| ঐচ. আই. ভি (HIV) | ঃ | মীওইবগী লায়না ঙাকথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল হন্থহনবা য়ান্না কুপ্পা মহীক। (Human Immuno Deficiency Virus)। |
| এইডস (AIDS) | ঃ | লায়না ঙাকথোকপ ঙম্বগী পাঙ্গল হন্থহনবগী ফিভম অদূ অতোপ্পদগী লৌরগা Acquired immune Deficiency Syndrome চঙলকপা |

| | | |
|---|---|---|
| | | লায়নাগী লায়েংবা তারবা ফিভম। |
| এডোলেসণ্ট (Adolescent) | ঃ | এডোলেসন্সগী মতমদা লৈরিবা নহাশিংবু এডোলেসণ্ট কৌই। |
| Adolescent Reproductive and Sexual Health (ARSH) | ঃ | মথোক কারক্লিবা (মশা ঈনখৎলকলিবা) নহা ওইবশিংনা মীওইমপূং ফাবা মতম ফাওবদা মশা অমসুং ফিনুংগী ইন্দ্রিশিং শেংনা অনা-অয়েক য়াওদনা লৈবা। |
| এস. টি. ডি. (STD) Sexually Transmitted Diseases | ঃ | হকতিন্নবদগী লৌনরকপা লায়নাশিং। |
| লাইওং | ঃ | অনাবা লৈরবা মতমদা হকচাংদা নাবা, চীকপা, ফুরী থুংবা, পোস্বা, হকচাংগী ঊনশা চাথৎপনচিংবা লৈববু অনাবা অদুগী লাইওং কৌই। ডাক্তরনা লাইওং য়েংলগা করম্বা লায়নানো হায়বদু খঙই। |
| ঈশিং চৎপা | ঃ | য়ুং হানবা। |
| এণ্টিবাইওটিক | ঃ | অনাবগী মহীক থিংবা, হাৎপা ঙম্বা হিদাক। |
| খ্বায়গা মীমান্নদবা | ঃ | অচুম্বা, অফবা, ৱাখল খনবা ঙমদবদগী ঙাউরি-ফৈরি তৌবা। |

## ৱাহং ঃ

**১। ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম য়াম্না তেন্না পীয়ুঃ**

(ক) ARSH গী অশাংবা মমিং করিনো?

(খ) নহা ওইরিবা চহী ১০ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নিপা অমসুং

নুপীবু ইংলিশতা করি হায়না কৌনবগে?

(গ) নুপীমচাশিংবু মচা পোকপা ঙম্লগনি হায়বসি করিদগী খঙবগে?

(ঘ) Substance Abuse ওইবা য়াবা পোৎশক অমগী মমিং ইয়ু।

(ঙ) STD গী অশাংবা ৰাহৈশিং অদু করিনো?

(চ) STI গী অশাংবা ৰাহৈশিং অদু করিনো?

(ছ) STD ন নাবা মীনা সমাজবু কিনরম্বগী মরম পীয়ু?

(জ) STD ওইবা লায়না অনীগী মমিং পীয়ু।

(ঝ) য়াম্না নৌরিঙৈদা লায়েংহৌরবদি ডাক্তরনা ফহনবা ঙম্বা, মতম চানা য়েংহৌদ্রবদি তুংগী পুন্সিদা খুদোং থীবা লাক্কনি হায়বসি করম্বা লায়নানো, তাকউ।

(ঞ) অনাবা ফনবা হিদাকপু লান্না শীজিন্নরবদি মদু ইংলিশতা করি কৌবগে?

২। **ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) Puberty হায়বসি করিনো?

(খ) এডোলেসন্সগী মতমদা নহা ওইরিবা নিপা-নুপীশিংগী হকচাংগী, পুক্নিংগী মওং করম তৌবগে?

(গ) এডোলেসন্স এডুকেশনগী পান্দম অমত্তং পীয়ু।

(ঘ) STD মরিখক্কী মমিং পীয়ু।

(ঙ) Substance Abuse হায়বসি করিনো?

৩। **ৰাহংশিংগী পাউখুম শন্দোক্না পীয়ুঃ**

(ক) এডোলেসন্স এডুকেশন্দা করি করি য়াওবগে?

(খ) ঈনখৎলকপা চহী-মতাংগী অরানবা ৰাখল্লোনশিংগী মরমদা ইয়ু।

(গ) গোনরিআ (Gonorrhoea) অমসুং সিফিলিস (Syphilis) কী লাইওং অমসুং লায়েংগী মরমদা ইয়ু।

# ভেলু এডুকেশনগী তঙায়ফদবা

ঙারিয়ান্‌বম ইবেতোম্বী সিংহ

*(**ঙারিয়ানবম ইবেতোম্বী সিংহ** (১৯৪৩-) আসামগী কাছাড় জিলাগী রাণীপুর খুনদা পোকই। গৌহাটী বিশ্ববিদ্যালয়গী এম. এ. নি। শিলচরগী জি. সি. কলেজদা মণিপুরী ডিপার্টমেণ্টকী হেড অব ডিপার্টমেণ্ট অমসুং ভাইশ-প্রিন্সিপাল ওইরম্মী। মরন্নাই ফোঙলবা লাইরিক লৈত্রবসু মেগাজিন কয়াদা আর্টিকল কয়া ফোঙখ্রে অমসুং তম্নলাইরিকশিংদসু মহাক্কী খুদোল য়াউখ্রে।*

*ৰারেং অসিদা অইবীনা এডুকেশন হায়বসি করিনো, এডুকেশন ৰাহৈগী হৌরকফম, তমগদবা হিরম, তম্বিগদবা মীশক, শিক্ষাগী পান্দম অসিনচিংবা নৈনরি। শিক্ষাগী পান্দমশিংগী মনুংদা মীওইবা সমাজনা য়ানরবা মীগী ওইবা গুণ (Human value) বু মীরোন অমদগী মীরোন অমদা চগুহনবসু মরু ওইবা অমনি। মীগী ওইবা গুণবু ছাত্রশিংনা স্কুল, কলেজশিংদা তমশিনবা অমসুং য়োকখৎপবু ভেলু এডুকেশননি পল্লি। হৌজিক্কী মতমদাভেলু এডুকেশনগী তঙায়ফদবা লৈরকপগী মরম কয়াসু পুথোক্তুনা নৈনরি।)*

এডুকেশন (শিক্ষা) হায়বসি পীবা অমসুং লৌবগী মওংদা তম্বিবা অমসুং তমশিনবগী পথাপতা জ্ঞানবু মী অমদগী অতোপ্পা অমদা শিন্নবনি। এডুকেশন (education) হায়বা ৰাহৈ অসি ল্যাটিনগী ৰাহৈ 'educere' হায়বদগী লাকপনি। মসিগী অর্থনা 'lead forth' হায়বদি ‘মাংদা লমজিংবা’ হায়বনি। শিক্ষাগী পথাপতা খরা হেন্না জ্ঞান লৈবনা খরা ৰাৎনা জ্ঞান লৈববু লমজিংই।

তমদুনা হৈগদবা হিরমদি হায়নিংঙাই লৈতনা পাক-চউই। মদু হৌন-লোনচৎ

ওইবা য়াই, থাজনবী ওইবা য়াই, মীগী ওইবা গুণ (human value) ওইবা য়াই নত্রগা মদু অচুম্বা থবক, ৰাহৈ অমসু অঙ্ক মশীং ওইবসু য়াই; মদু মেছিন অমা চালাইবগী টেকনিকসু ওইবা য়াই নত্রগা নুংশিবা মখোন থোকপা যন্ত্র অমা শিজিন্নবদা হৈ-শিংবা ওইবা য়াই।

তম্বিরিবা মীশক অদুগীসু খেন্নবা ময়াম লৈ। মতিকচানা মহৈ-মশিন হৈরবা ওঝান স্কুলদা, কলেজদা অমসুং য়ুনিভার্সিটিদা তম্বিবা য়াই। তম্বিরিবা ওঝা অদু মমা-মপা, ময়াম্বা-মচে নত্রগা মরুপ-মপাংসু ওইবা য়াই। মসিদসু মত্তনা কনাগুম্বনা পাউ-চে, টেলিভিশন, লাইব্ৰিক, সিনেমা অমসুং মিউজিয়মদগীসু জ্ঞান লৌবা য়াই।

হৌজিক্কী বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজিগী যুগ অসিদা সমাজনা চাউখৎপগী মতাংদা খুৎশা হৈবা, খুৎসু-খুৎলাই শিজিন্নবা হৈবদা তোংই। কারখানাগী থৌমীশিং, হোটেলগী ৰেইটর-ৰেইট্রেসশিং, পেট্রোল পাম্পকী এটেনডেন্ট ফাউবা ইবা, পাবা হৈবা তাই অমসুং অরাইবা অঙ্ক তৌবা ঙম্বা তই। মসিগী মথক্তা অতম্পনা শিন-নাইরবা মীশিং, খুদম ওইনা ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়ার, ডায়েটিশিয়ান, বাইওলোজিষ্ট অসিনচিংবসু অৰাংবা থাক্কী ডিগ্রিনচিংবা ফংবা তাই। অদুগা অইবা, লাইয়েকপা, জগোই-ঈশৈ তৌবা অসিনচিংবসু মখোয়না মখোয়গী হিরমশিংদুদা অতম্পনা হৈজিন-খঙজিন্দ্রবদি সমাজ, সংস্কৃতি চাউখৎহনবদা মাংজিন থাবা ৰানা থোকই। অয়াম্বা লৈবাক্কী শিক্ষাগী পথাপনা লৈবাক্কী নাগরিক খুদিংবু ইবা অমসুং পাবা ঙমহন্নবা শীল-লাংই অমসুং টেক্নিকেল, সাইন্টিফিক অমসুং আর্টিষ্টিক ৰার্ক তৌবশিংগীসু ট্রেনিং ফংহন্নবা থৌরাং থমই।

শিক্ষাগী পথাপকী মরু ওইবা পান্দম অমনা সমাজগী খ্বাই মায়াম্না য়ানরবা ৰাফম, থাজবা, মীগী ওইবা গুণবু তুংগী মীরোন-দা মথং মথং ওইনা চথহনবনি। মীগী ওইবা গুণবু মথং মথং চথহনবা তারবদি গুণ (Value) করিনো খঙবা তাই অমসুং মদু করম্না য়োকখৎকনি হায়বসু তম্বা তাই। মদুবুনি ভেলু এডুকেশন হায়রিবসি।

মতাং অসিদা ঐখোয়না নিংশিংগদবা ৰাফম অমদি ভেলু এডুকেশন হায়বসি ইচম চম্না নীতিজ্ঞান তাকপি-তম্বিবা নত্তে। 'মদু তৌ' নত্রগা 'মদু

তৌগনু’ হায়না পাউতাক পীবগী মতম্বি অদু নত্তে। ছাত্রশিংদা ভেলু হায়বদি মীগী ওইবা গুণ খঙহনবা হায়বসি তম্বিবগী পথাপ (teaching process) দগী তমশিনবগী পথাপ (learning process) গা হেন্না মরী লৈনৈ। সংস্কৃতিগী পরম্পরাদগী ঐখোয়না অফবা অমসুং ফত্তবা গুণ কয়া ফংই। মদুগী মনুংদগী ঐখোয়না ফত্তববু থাদোক্কনি অদুগা অফববু লৌশিনগনি। ছাত্রশিংনা জাতিগী ওইবা সংস্কৃতিগী পরম্পরাদগী করিনা অফবনো অমসুং করিনা ফত্তবনো হায়বদু খঙনবা তম্বা তাই। অফ-ফত্ত খনবা ঙম্বগী শক্তি অসিদি ভেলু এডুকেশন্না পীরক্কদবনি। তশেংবদি মসিগুম্বা শিক্ষাদি অঙাংশিংনা স্কুল কাদ্রিঙৈদগী য়ুমদগী ফংবা হৌই।

অসিগুম্বা মীওইবগী গুণবু ঙাক-শেনবা অমসুং লু-হেন্না য়োকখৎপগী শিক্ষাগী পরিং অসিদি এরিষ্টোটলগী মতমগী কম্মিউনিটি স্কুলশিংদগী হৌরদুনা হৌজিক্কী নেট-ৱার্কিং যুগ অসিগী ক্লাশরূম ফাউবা চথদুনা লাকলি। অদু ওইরবদি হৌজিক  অমুক ভেলু এডুকেশন মথৌ তারিবা করিগীনো?

শিক্ষা হায়বসি মী অমনা মী অমদা জ্ঞানবু শিন্নবনি হায়না পনখরে ইংলিশ ফিলোসোফার টমাস হোব্স না হায়রম্মী- 'Knowledge is power' জ্ঞান হায়বসি শক্তিনি। শক্তি হায়বসিনা মওং অমা নৎত্রে অমদা মী অমবু অতোপ্পা অমনা খুদুম চন্নবা হোৎনৈ। অসুন্না মী কাঙলুপ অমনা অতোপ্পা  কাঙলুপ অমগী ওইজবা মৎপদা জ্ঞানবু শিজিন্নবা মতমদা মদু অমোৎপা ওইরকই। পৃথিবী শীন-থুংনা শিক্ষাগী নীতি কয়া, পথাপ কয়া পুথোক্লখ্রে অমসুং থবক ওইনা পাংথোক্লখ্রে। মদুগী মহৈনা নুংঙাই-য়াইফনা , অৱাৎ-অপা লৈতনা পনবা মী কাঙলুপ অমগী মশীং হেনগৎলক্লে- লৈবাক অমগী মনুংদা নত্রগা লৈবাক ময়ামগী মরক্তা। শিক্ষাগী জ্ঞানবু য়াম্না খুরবা অর্থদা মপানথোংগী ওইবা নুংঙাই য়াইফবগী, শেৎপা-চাবা মরাং কাইবগী মায়গৈদা শিজিন্নরক্লে। তৌইগুম্বসুং মীরোন কয়া কয়া চুমদুনা লাক্লবা গুণশিং অপূনবা অমসুং হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন, অশেংবা-অচুম্বা ঙাক্লা চৎপা, পুকচেল তিংবা, পুকচেল শেংবা, তোখায়তাবগী পুকচেল চেন্দবা অমসুং অতৈ অতৈ অফবা শাজৎ-লোনচৎশিংবু শিক্ষা ব্যবস্থানা মরূ ওইবা মঙাল পীবগী মহুত্তা মদুশিংদি মশানা অদুম ওইজরক্কনি হায়না লৌনবগুম তৌরি।

পৃথিবীগী ইতিহাসকী লামায়দগী ঐখোয়না উবা ফংই মদুদি অখন্নবা থৌদোক খরনা মীওইবগী সভ্যতা অমসুং সংস্কৃতিদা অঙকপা ফংনা অহোংবা পুরকই। মদুগী মহৈনা মীওইবগী সভ্যতা অমসুং সংস্কৃতিদা অঙকপা ফংনা অহোংবা পুরকই। মদুগী মহৈনা মীওইবনা চাউখৎপগী লম্বীদা চৎখৎলি নত্রগা চাউথবগী মায়গৈদা কুমথৈ। হায়রিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা পনবা য়াবদি ইন্দাষ্ট্রিয়েল রিবোলুশননি। রিবোলুশন অসিনা হৌজিক্কী যুগকী নুংঙাই য়াইফনা পানবগী পোৎনা মরাং কায়রবা চাউখৎলক্লিবা সমাজ অমগী থোঙ লাউনা হাংবিরে। অদুগা মায়গৈ অমরোমদনা মালেমগী মীশিংগী অচৌবা শরুক অমবু লৈত লাইরবা, চাবা ফংদবা অমসুং শরুক থুংদবগী খায়াত্তা থাদবিরে।

হৌজিক্কী টেক্নোলোজিনা খুমাং চাউশিল্লকপা অসিদি মীওইবনা নুংঙাই য়াইফা মরাং কাইনা চাউখৎপগী লম্বীদা চঙশিনবগী তাংকক অমনি। তৌইগুম্বসুং মসিসু মীওইবগী ওইবা গুণবু থোয়না নাকন্দা থৈদোকলম্মী। থোৎ-মেঙবা পুকচেলবুনা মমল হস্তহল্লগা নীংদা ইন্থোকলম্মী অদুগা ঈথক-ঈরাংবুনা মাংদা ইনখৎলি।

টেক্নোলোজি চাউখৎলকপনা অমুকসু মীওইবা পুন্সিগী পান্দম অমসুং অফবা পুন্সি-মরেলগী পাম্বৈশিং অনীবু মায়োক্লনা থেংগায়নহল্লি। খোঙথাং খুদিংগী মীওইবনা খনদোক-খনজিন তৌনঙাই হিরমশিং থেংনরি; খুদম ওইনা, মীওইবনা হেন্ন ফবা গুণগী মায়গৈদা চঙশিনগদ্রা নত্রগা নাথৈদুনা চৎকদ্রা হায়বসিদা নিংজিং-মাংজিংনহল্লি। অরিবা মতমগী গ্রীক দার্শনিকশিং সক্রেটিস, প্ল্যাটো অমসুং এরিষ্টোটলনা লাউরম্মী মদুদি দার্শনিকতনা নিংথৌ ওইগদবনি। ঐখোয়গী লৈবাক ভারত-তসু অশোক, বুদ্ধ, বিবেকানন্দ, গান্ধীনা পুন্সিগী চেঙজেল তানবগী পাম্বৈগী মমাংদা পুন্সিগী গুণশিংগী মফম পীরম্মী।

শ্রীরামকৃষ্ণ পরমহংসদেবনা পুকচাক তানবনা পান্দম ওইবা শিক্ষাবু মমল পীরমদে। পুকচাক তানবগী মহুত্তা লোয়ন-তিন্ননা হিংমিন্নরিবা মীওইশিংবু নুংশি-চান্নবা ঙম্বা গুণবু য়োকখৎপগী মোৎ শন্দোক্লম্মী। হৌজিক ভারত সরকারসু লৈবাক্কী চাউখৎ থৌরাশিংগী মনুংদা ভেলু এডুকেশনবু অহানবা মফম পীরি। অফবা গুণচেনবা অমসুং থাক ৱাংবা সমাজ পুরক্লবা সরকারনা ভেলু এডুকেশনগীদমক প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎখরে।

সমাজ অমগী খ্বাইদগী অফবনি হায়না লৌরবা মীগী ওইবা গুনবু খ্বাই ময়ামগা শরুক য়ামিন্নবা অসি শিক্ষাগী পান্দমনি। করিগুম্বা সমাজ অমতনা অচুম্বা চৎপা, নুংশিহৈবা অমসুং সেবা তৌববু য়াদবা শীংথাদবা তৌদে। মীওইবগী ওইবা গুণদি লনাইগী নত্তে, মালেম পূম্বগী ওইবনি। হায়রিবা গুণশিং অসি মী খুদিংমক্তা শাগোন্নবা লৈরবনি। মীওইবগী ওইবা গুণ অয়াম্বদি অঙাংশিংনা মখোয়না তৌথোরকপা থবক্তা উৎথোক্লকই। মখোয়না অমগা অমগা নুংশিনৈ, শান্নমিন্নৈ অমসুং অমগা অমগা শরুক য়ানমিন্নৈ। চাকলাম্বা হায়বসি জীব খুদিংমক্তা ফাউবা ঈথিল অমনি। অদুনা চাবা মতমদা য়েন্নদুনা চামিন্নবা হায়বসি মীওইবগী ওইবা গুণনি।  তৌইগুম্বসুং চাকলুক মুন্দুনা চাবদি মীগী ওইবা গুণ নত্তে।

হৌজিক হৌজিক পৃথিবী অসিদা বাজার শক্তিনা পূন্নমক্কী মথক্তা খুদুম চন্নবা লাক্লরি। মসিগী শক্তিসিনা মীপূম খুদিংমক্তা হিরি-হিদান্নবগী ঈথিন অমা পোকহল্লি। তৌগে হায়বা অমগা লোয়ননা অতোপ্পগী অমাং-অতা থোকহল্লগা বাজারবু মশানা খুদুম চন্নবা হোৎনরকই। মসিগুম্বা ফিভমদা মীগী ওইবা গুণশিংগী করিগুম্বা চন্নফম লৈহনদে। মসিদি মীওইবা সমাজগী চাউখৎ লম্বীদা অচৌবা অপনবা অমনি। অপনবা অসি লৈহন্দনবা শীনবদা ভেলু এডুকেশনগী তঙায়ফদবা লৈরকই।

মী খুদিংদা লৈরিবা আত্মজ্ঞানবু অচুম্বা মায়গৈদা লমতাকপিবা তাই। করিগুম্বা অমগী অপাম-পামদা খনবা হায়বসি বিচারশক্তিগী মথক্তা তোংই। শিক্ষাগী পান্দমদি অফবা গুণবু ময়ামগা শরুক য়ামিন্নবনি। অদুনা অঙাং খুদিংমকপু অমসং মী খুদিংমকপু পথাপ চুন্না লমতাকপীবা তাই, মশা মশানা করিনা অফবনো, কান্নবনো অমসুং চুমইবনো হায়বসিগা করিনা ফত্তবনো, মাংনিংঙাইনো অমসুং চুমদবনো হায়বসিগা খেন্নবা খঙবা ঙমজনবা।

তুংগী চারোন-শুরোনগীদমক ঐখোয়না থবক ময়াম অমা তৌরম্বা তাই। হিংসা অমসুং অরানবা অমদি আইন কায়বা থবক নোংমা নোংমগী মশীং হেনগৎলকলি। অঙাংশিংগী মরক্তা হিংসাগী থৌদোক অমসুং মথোক কাবা মতাংগী ওইবা আইন কায়বা থবকসু নোংমা নোংমগী জিরি জিরি হেনগৎলকলি। অসিগুম্বা ঈচেলসিনা সমাজদা হেন্না অমাং-অতা থোকহনবদা ওইরি। অদুনা ঐখোয় ইশানা ইশাগী ৱাখল পরিংবু চুমইবরা নত্রগা লাল্লিবরা হায়বসি মনুং হুনজিন্না খন্থবগী মতমনি। ৱাখল লৈবা অমসুং মিৎয়েং শানবা কাঙবুনা অমুকহন্না গুণগী মায়কৈদা

চঙশিনবা পাম্নরকলি। অঙাংশিংবু মখোয়গী মশা মশাদা য়াওজরিবা মরলশিং হায়বদি গুণশিং শাৎকায়হনবা ঙম্নবা তাকপি-তম্বিদুনা য়োকখৎপা তাই।

মীগী ওইবা গুণশিং অসি শন্দোকপগী থবকতি ওঝাশিংগীনি। ওঝাশিংদি সমাজ খুদিংমক্তা ফিদমগী শক্তম ওইরিবনি। সমাজ শেমগৎ-শাগৎপগী কাংলোন্দা গুণগী তঙায়ফদবা খঙহনবিরম্বা অচৌ অচৌবা ওঝা, পণ্ডিতশিংগী পরম্পরা ঐখোয়গী লৈজরিবনি। গুণশিং অদু ঙাকশেনবা অমসুং য়োকখৎপা শিক্ষাগী পান্দম অমা ওইফম থোকই।

ভেলু এডুকেশনগী তঙায়ফদবা লৈরকপগী অহেনবা মরম অতৈসু লৈরি। মরমশিং অদু ঙসিগী মীওইবা সমাজগী ওইরিবা ফিভম অমসুং সংস্কৃতিনা চেঙ্গরিবা ঈচেল মওংনা পুরকপনি।

(ক) হৌজিক্কী ৱাখল লৈবা অমসুং তুংগী মিৎয়েং শানবা অয়াম্বা মীশিংনা খন্নরি মদুদি ঙসি মীওইবা জাতি অসি শাথিনা খুদোংথিরবা মতম অমগী মনুংদা হিংলি অমসুং মীওইবা জাতি অসি শাথিরবা লায়নানা খুদুম চল্লে। লায়না অসিদি মীওইবনা পামজনা তাল্লিবা ফিদমগা তায়োন্নবা ওইরিবা ফিভমগা অনীগী মরক্তা খলগী চাং মান্নদবগী মহৈনি।

(খ) হৌজিক মীওইবগী চাউখৎপা য়াইফবা পামলিবশিংনা তশেংনা য়ানরিবা ৱাফম অমদি মীওইবা জাতিগীদমক পায়খৎকদবা থবক্তি মীওইবগী মরক্তা অপূনবা পুরকপা, পৃথিবীদা শান্তি লৈহনবা অমসুং চাউখৎপগী অথোইবা ফিদম অহুম, মমিং পন্না, নীংতম্বা (Liberty), অমগা অমগা চাং মান্নবা (Equality) অমসুং ইচিন্নাউ ওইবা (Fraternity) বু পুরক্লবা পুক্লিং চঙনা হোৎনবনি। হায়রিবা পান্দমশিং অসি পুরক্লবগী পাম্বৈদি গুণদা মায়ওনশিনবা শিক্ষানি হায়না হেন্না হেন্না থাজনরক্লি।

(গ) ভারত্তা হৌজিক য়াম্না কন্না খন্নরিবা ৱাফম অমনা, ঐখোয়গী লৈবাক অসি হকচিল্লবা সমস্যা কয়াগী পোৎলুম্না ননশিন্দুনা অসুম অসুম লুপথরকলি হায়বসিনি। সমস্যা খরদং পনবা তারবদা টেররিজম, করাপশন অমসুং শেঞ্জাও পায়বনা লৈঙাক চুপলি পায়বা অসিনি। হায়রিবা সমস্যাশিং অসি সমাধান তৌনবগীদমক হৌজিক ঐখোয়না খন্নরিবা অমসুং পায়খৎলিবা থবক্তগী হেন্না লুথবা থাক অমদা মসিগী লম্বী থিবা তাই হায়বসি খঙনরবা ৱাফম অমনি। লৈবাক অসিবু অমসুং মসিগী সংস্কৃতিবু কায়থহল্লিবা শক্তিশিংদগী

কন্ননবা মীগী ওইবা গুণশিং য়োকখৎনবা অতন্ননা পুক্লিং চঙশিনবা তাই।

হৌজিক্কী পৃথিবীগী অমসুং ভারতকী ওইরিবা ফিভমশিং অসিদা শান্তি, অহিংসা, হিংমিন্নবা অসিনচিংবা ফিদমশিং য়োকখৎপা অমসুং অথোইবা গুণশিংনি হায়না য়ানরবা 'সত্যম, শিবম, সুন্দরম'গী মায়গৈদা মায় ওনশিনবা তাই অমসুং মদুনা হৌজিক্কী মীওইবা জাতিনা মায়োক্নরিবা সমস্যা কয়াদগী লানথোকপা ঙমগনি অমসুং তুংগী মীরোনগী য়াইফবা অমদি চাউখৎপা ওইগনি হায়না আশা তৌবা য়াই।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| টেক্নিক (Technique process) | ঃ | খুৎশু-খুৎনোম; পথাপ |
| মিউজিয়ম | ঃ | যাদুঘর; অতাঙবা পোৎ, ঙক্লিঙাই ওইবা পোৎ, থায়নগী অরিবা পোৎ উৎনবা থম্বা য়ুম। |
| টেক্নোলোজি | ঃ | থবক শুবা লায়হন্নবা অমসুং পোথোক হেন্না পুথোক্নবা খুৎসু-খুৎলাই, মেছিন, পোৎ-চৈ, শিল্লম অসিনচিংবা শিজিন্নবা। বিজ্ঞান্না থবক অমা করম্না অমসুং করিগী থোক্পগে নৈনৈ, অমরোমদা টেক্নোলোজিনা থবক অদু থোকহনববু নৈনৈ। |
| ডায়েটিশিয়ান | ঃ | মী অমবু মশা ফনবা করি চীঞ্জাক চাগদগে হায়বা পাউতাক পীবা মী। |
| বাইওলোজিষ্ট | ঃ | জীব-বিদ্যা খঙবা মী। |
| পরম্পরা | ঃ | মীরোন মথং মথং চৎনরক্লবা নত্রগা লৌন-য়ানরবা। |
| এরিষ্টোটল | ঃ | অরিব গ্রীক দার্শনিকনি; প্ল্যাটোগী ছাত্রনি। |

কম্মিউনিটি স্কুল ঃ স্কুলতম্বা চহি মতাংগী অঙাংশিংদা নত্তনা সমাজগী অহনশিংসু তম্বা য়াবা স্কুল। স্কুল অসি চয়োল অমগী মনুংদা নোংমা ফাউবা লেপ্তনা অয়ুক-নুংথিল অমসুং নুমিদাং ৱাইরম হাংই; করি করিগুম্বা মতমদা অঙাংগা অহনগা পূন্না ক্লাশ অমদা তম্বসু য়াই।

নেটৱার্কিং ঃ মী অমগী থবক্তা কান্নগদবা অতোপ্পা মী অমা উননবা নত্রগা ৱারী শাননবা হোৎনবা পথাপ অমা।

ইন্দাষ্ট্রিয়েল রিবোলুশন ঃ ইউরোপ অমসুং আমেরিকাদা খৃষ্টগী ১৮ শুবা ১৯ শুবা চহিচাগী মতমদা মেছিন্না থবক শুবা হৌরকপা অমসুং ললোন পোৎ শাবগী থবক য়াঙশিল্লকপা।

সক্রটিস ঃ গ্রীক দার্শনিকনি প্ল্যাটোগী ওঝানি।

প্ল্যাটো ঃ গ্রীক দার্শনিক নি। সক্রেটিসকী ছাত্রনি অমসুং এরিষ্টোটলগী ওঝানি।

অশোক (খৃ. মাং ২৬৪-২৩৮) ঃ মৌর্যবংশগী অরোইবা নিংথৌরেননি। কলিঙ্গ লানদা মায়পাক্লবসু লান্দা অশি- অনা থোকখিবা অদু উবদগী হিংসা থাদোকখি অমসুং বৌদ্ধধর্মদা দীক্ষা লৌখি। মহাক্না খাঙবা কনবা, অচুম্বা চৎপা অমসুং অহিংসা নীতি শন্দোক্লম্মী।

বুদ্ধ (খৃ; মাং ৫৬৩- ৪৮৩) ঃ মহাক শাক্যবংশগী নিংথৌ শুদ্ধোধনগী মচানি। মহাক্কী মমিং সিদ্দার্থ কৌই, গৌতম হায়নসু কৌই।

মহাক চহি ৩০ রোম শুবদা ময়ুম, নুপী, অঙাং থাদোক্লম্লগা লাইনীংখি। লাইনীংবদা অশেংবা জ্ঞানগী মঙাল ফংখি অমসুং 'বুদ্ধ' হায়না খঙনখি। মহাক্না ৱাফম মরিখক হায়রম্মী; মদুদি-তাইবংপানদা অৱা-অনা লৈ, মসিগী হৌরকফম অমা লৈ, মসিদগী লানথোকপা য়াই, লানথোক্লবগী লম্বী অমা লৈ। অৱা-অনাদগী লানথোকপা অদু 'নির্ব্বাণ' কৌই।

বিবেকানন্দ (১৮৬২- ১৯০২) : মহাক্কী অশেংবা মমিং নরেন্দ্রনাথ দত্তনি। হিন্দু ফিলোসোফরনি। মহাক রামকৃষ্ণ পরমহংস দেবগী শিষ্যনি। মহাক্না বেলুর মঠ লিংখৎলম্মী।

গান্ধী : মোহনদাস করম চাঁদ গান্ধী। ভারতকী নীংতম লালহৌগী লুচিংবা অমসুং অহিংসা নীতি চৎপা মীথোয় মীহেনবা অমনি। মহাকপু ভারতবাসী পূম্বনা 'বাপুজী' হায়না কৌনৈ। পৃথিবী পূম্বনা 'মহাত্মা গান্ধী' হায়না খঙনৈ।

শ্রীরামকৃষ্ণ পরমহংসদেব : মহাক্কী অশাংবা মমিংদি গদাধর চাট্টার্জ্জী কৌরম্মী। কলিকাতাগী মনাক্তা লৈবা দক্ষিণেশ্বর কালি মন্দিরগী পুরোহিত ওইরম্মী। মহাক্না মসাগী ধর্ম অমা শন্দোক্লম্মী। মহাক্না হায়রম্মী, মদুদি ধর্ম পূম্নমক পম্থুং অমদংগী লম্বীনি। মহাক্কী অথোইবা

| | | |
|---|---|---|
| | | শিষ্যদি বিবেকানন্দনি। |
| আত্মজ্ঞান | ঃ | ইশানা ইশাবু খঙজবা। |
| ফিদমগী শক্তম | ঃ | মতৌ তন্নিংঙাই ওইবা মীশক। |
| টেররিজম | ঃ | লৈবাক ঙাকপগী নত্রগা রাজনৈতিক ওইবা উদ্দেশ্য অমা ফংনবগীদমক পথাপ অমা ওইনা মী কিহনবা। |
| করাপশন | ঃ | শাজৎ-মোৎপা; শেনজা-থুমজা । |
| সত্যম, শিবম, সুন্দরম | ঃ | অচুম্বা, অফবা, ফজবা। |

## ৱাহং

**১। ৱাহংশিং অসি য়াম্না তেন্না খম্মুঃ**

(ক) ‘Educere’ হায়বসিগী অর্থ করিনো?

(খ) ‘মিউজিয়ম’ হায়বসি করিনো?

(গ) ‘ডায়েটিশিয়ান’ হায়রগা করি খঙবগে?

(ঘ) “জ্ঞান হায়বসি শক্তিনি”- ৱাফম অসি কনানা হায়রম্বনো?

(ঙ) সক্রেটিস কনানো?

(চ) ‘আত্মজ্ঞান’ হায়বগী অর্থ করিনো?

**২। ৱাহংশিং অসি তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) শিক্ষা হায়বসি করিনো?

(খ) তমদুনা হৈগদবা হিরম খরগী মমিং পল্লু।

(গ) করম্বা মীশক্না মহৈ-মসীং তম্বিগনি?

(ঘ) শিক্ষা পথাপকী পান্দমশিংগী মনুংদা মরু ওইবা অমা করিনো?

(ঙ) ‘ভেলু এডুকেশন’ হায়রগা করি খঙবগে?

(চ) ‘কম্মিউনিটি স্কুল’গী মরমদা করি খঙবগে তাকউ?

(ছ) ‘ইন্দাষ্ট্রিয়েল রিভোলুশ্যন’গী মহৈ করিনো?

(জ) টেক্নোলোজিনা খুমাং চাউশিল্লকপগী মহৈ করিনো?

(ঝ) শ্রীরামকৃষঞ পরমহংসদেবনা শিক্ষাগী পান্দমগী মতাংদা করি

হায়রম্বগে?

(ঞ) "তুংগী চারোন- শুরোনগীদমক ঐখোয়না থবক ময়াম অমা তৌরম্বা তাই।"- তুংগী চারোন-শুরোনগীদমক ঐখোয়না করি করি থবক তৌরম্বা তাবগে?

(ট) মীগী ওইবা গুণশিং শন্দোকপগী থবক কনানা তৌগনি?

**৩। মখাগী অসি পাউ অদুগা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীয়ুঃ**

"ঐখোয়গী লৈবাক ভারত-তসু অশোক, বুদ্ধ, বিবেকানন্দ, গান্ধীনা পুন্সিগী চেঙজেল তানবগী পান্বেগী মমাংদা পুন্সিগী গুণশিংগী মফম পীরম্মী।"- অশোক, বুদ্ধ, বিবেকানন্দ, গান্ধীগী মরমদাকরি খঙবগে? তোঙান তোঙান্ন ইয়ু।

**৪। মরী-মখোঙ তাক্নুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

(ক) শক্তি হায়বসিনা মওং অমা নত্রে অমদা মী অমবু অতোপ্পা অমনা খুদুম চন্নবা হোৎনৈ।

(খ) খোঙথাং খুদিংগী মীওইবনা খনদোক-খনজিন তৌনঙাই হিরমশিং থেংনরি; খুদম ওইনা মীওইবনা হেন্না ফবা গুণগী মায়গৈদা চঙশিনগদ্রা নত্রগা নাথৈদুনা চৎকদ্রা হায়বসিদা নিংজিং-মাংজিংনহল্লি।

(গ) চাকলাম্বা হায়বসি জীব খুদিমক্তা ফাউবা ঈথিল অমনি। অদুনা চাবা মতমদা য়েন্নদুনা চামিন্নবা হায়বসি মীওইবগী ওইবা গুণনি। তৌইগুম্বসুং অতোপ্পগী চাকলুক মুন্দুনা চাবদি মীগী ওইবা গুণ নত্তে।

(ঘ) অদুনা ঐখোয় ইশানা ইশাগী ৱাখল পরিংবু চুমইবরা নত্রগা লাল্লিবরা মনুং হুনজিন্না খন্থবগী মতমনি।

**৫। ৱাহংশিংগী পাউখুম শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

(ক) 'ভেলু এডুকেশন' কদায়বু কৌবগে? 'ভেলু এডুকেশন'গা 'নীতিজ্ঞান তম্বিবগা মান্নব্রা? অনী অসিগী মরক্তা করি খেন্নবা লৈবগে তাকউ?

(খ) 'ভেলু এডুকেশন' মথৌ তারিবা করিগীনো? শন্দোক্লা তাকউ?

(গ) 'ভেলু এডুকেশন'গী তঙায়ফদবা লৈরকপগী অহেনবা মরমশিংদু করি করিনো শন্দোক্লা তাকউ?

# শৈরেংগী শরুক

# পি-থাদোই

**খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহ**

*(**খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহ** (১৮৯৫-১৯৫০) উরিপোক শোর্বোন থিঙেল, ইম্ফালদা পোকই। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী খূৎমাবা অথোইবা কবি অমসুং সাহিত্যিকনি। মণিপুরী লোনগী অহানবা ঐতিহাসিক উপন্যাস ইবনি। 'মিংনাইদবী' অমসুং 'জ্যোতি' চেফোঙশিংগী সম্পাদক ওইখি। মহাক্কী ফোঙলবা লাইরিকশিং- ছাত্র মচা (ৱারেং-শৈরেংগী অপুনবা'), কান্নবা ৱা, ফিদম ৱাখল, ৱাখলগী ঈচেল, থাইনগী লৈরাং (শৈরেং', লবঙ্গা-লতা (ঐতিহাসিক উপন্যাস) নি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা 'সাহিত্য রত্ন' (১৯৪৮) উপাধি পীখি।*

*'পি-থাদোই' হায়বা শৈরেং অসিদা কবিনা পি-থাদোই কৌবা উচেক্না খোংবা তারগা থায়নগী অশৈবশিংনা শরুরম্বা মোইরাং লৈবাক্তা নোংবান্না চীংখুবগী মমোম থোইবীবু নুংশিজবগী ৱারী অদু নিংশিংলকই। থোইবী মশুংলাংগীদমক পাম্বা কৈগী খায়াত্তা য়াইবী থৱায় মাঙখ্রবা নোংবানগী আত্মানা ওনখিবা উচেক্নি হায়না খল্লি অমসুং উচেক অসিনা মালেম শিনবা থুংনা কোয়পাই পাইদুনা কায়নবগী নুংশি-ঈশৈ শন্দোকলি হায়না লৌরি। মরম অদুনা উচেক অসিবু প্রকৃতিনা মালেমদা বিশ্বপ্রেম তম্বিনবা থারকপনি হায়না কবিনা শৈশল্লি।)*

চেক্লা নঙবু কনানো?
লমদম কৈদবু খোংবনো
        নুংশিবা নখোন্দা তারিবা?
মাঙগী উফৈদা খোংবরা?
নোংমদোন থক্তা শকপরা?
        শুক্মৎলে নুংশিবা খোঞ্জেন্না।

বসন্ত ঋতু য়ৌরক্লে,
মালেম নৌনা মালহৌনরে,
চেক্লা নহাকসু খঙবরা?
অপাম নুংশি কায়নরবা
লাইবক থীবা কনাগুন্না
পৃথ্বী থুংনা কোয়দুনা,
নীংঙমদ্রবা খোঞ্জেন্না
হীক্লা নৌবা খোম্থাঙনা
থাদোই কনাবু কৌরিবা?
পি-থাদোই পিথাদোই
থাদোই থাদোই পিথাদোই
কনা মশুংলাংগী ঙাওরিবা?
কায়না মৈখু লাংবা মীগী
মহৌশাগী হৌনবীনি,
নুংঙাইবা কালদা ৱাবা।
মলয়া নুংশিৎ নামিবনা
মালেম থুংনা হুন্নকপদা
খাইনা মৈরি হেল্লিদা
পোম্বী তেক্লা চীল্লোক্লনা
ফৈরাথক্তা খোংলকপা
ৱারবা থম্মোয় চাক্লবনি।
খঙলে চেক্লা খঙজরে
কৌখো নপূক্লীং পেন্না
থাদোই থাদোই পি থাদোই।
নঙগী থাদোই পাম্মুবী
নশাবী পূক্লীং খঙদ্রবী
লমদম তান্না চেনখরে।

লাইবক থীবী চেক্লাও!
পৃথ্বী থুংনা কোয়দুনবো,
থেংনবরনে থাদোইদুবো?
কুম্বীগী তেরা খাদুদা
ইতে হায়না কৌবদুনা
তাওজিং লমন খুল্লবনি।
য়াঙ্গোই থৌদুনা চেনখ্রবী
অমত্তা পোকপী থাদোই
অমুক মীত্তুনা উররোই।
খুমন ময়ূম য়ৌখ্রবনি
মশাবী মনাক তমখ্রবনি
থাদোক্লো উনীংবা অশা!
বসন্ত বসন্তদা থিদুনা
অঙাংবা লৈরাংতা খন্দুনা
অসুপ কুইনা কৌরকপা।
কৌখো হৌজিকসু কৌখো।
খোঞ্জেল ৱাংনা শকখো
থাদোই থাদোই হায়না।
ঐখোয়সু নঙগী নতৌগুম্না
থাদোইগী মরিক'মতং নুংশিবা,
ফাওরল্লবদিকো চেক্লা!
মালেম থুংনা কোয়দুনা
নীংঙমদ্রবা খোঞ্জেন্না
নুংশিবী থাদোই কনাবু
কৌরমগনি পেন্না পেন্না
শক্লমগনি লাউনা লাউনা
থাদোই থাদোই হায়না।
বসন্ত ঋতুনা লাকপদা

লৈরাং ফিজেৎনরে পৃথ্বীনা
নিল্লে চেল্লাগী কোলোয়না।
ঐখোয়সু খোয়রাঙ খোয়শাওনরে
পূক্লিংসি তয়াং তশোইনরে
কৌনীংঙি (খঙদনা) থাদোই হায়না।
থাদোই হায়বনা কনানো?
অমত পোকপীনা কদাইনো?
ঐখোয়দি খঙদে নুংশিবা।
খোইরেন্তাক্কী লময়ায়দা
পাম্বা কৈরেন্না শোক্লবা
আত্মা অদুগী মতৌগুন্না।
অদুমক্তদা প্রকৃতিনা
কৌহৌ কৌহৌ হায়না
তাক্লি’ খোয়দা তোয়না।
মঙলাক্লবা কনাগুম্বনা
ঙাঙবা ঙমদবগুম ঙাঙনীংবা
লাক্লরি ফোঙদোক্লবা শুন্দা।
খল্ল খল্ল ৱাখলনা হেল্লে
পূক্লিং ৱাখলনা লৈরে
অথুম্বা রসতি ফোঙদোক্তরে।
নঙগী কোলোয়না ঙাওরবা
মরাইবক ফরবা কনানা
হোৎনরি নঙগী খোঙ্গুল লীবা।
খঙলে চেক্লা খঙজরে
প্রকৃতিনা থারকপনি নঙসে
তস্মিনবা বিশ্ব-প্রেম।
ফোঙদোক্তবা নুংশিবা

থম্মোয়দদি তল্লিবা
নুংঙাইবগী ঈরাতম
খীকথবিরে মালেম থুংনা
ঈংহনবিরে মীপূম তিংনা
ফংহল্লে থাদোইগী নুংশিবা।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্না তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| মাল্হৌনরে | ঃ | অনৌবা মনা চোংখৎলে। |
| ফৈরাথক্তা | ঃ | উশাদা। |
| নোংমদোন | ঃ | অতিয়া। |
| মলয়া নুংশিৎ | ঃ | লিরি লিরি শিৎপা নুংশিৎ; মলয় চীঙদগী হৌরকপা নুংশিৎ। |
| খাইনা মৈরি | ঃ | কায়না মৈচাক। |
| কায়না মৈখু | ঃ | কায়নবগী অৱাবা। |
| মশাবী | ঃ | মপুরোইবা। |
| কুম্বী | ঃ | মোইরাংদা লৈবা মফম অমা। |
| তাউজিং | ঃ | হৈ। |
| য়াঙ্গোই | ঃ | শগোল। |
| খুমন | ঃ | য়েক শালাই অমগী মিং। |
| লৈরাং ফিজেৎনরে | ঃ | হৈ-লৈ মপুং ফানা শাৎলে। |
| পুক্লিংসি তয়াং তশোই নরে | ঃ | পুক্লিং তং তাদরে। |
| খোইরেনতাক | ঃ | মোইরাংগী মফম অমা। |
| পাম্বা | ঃ | কৈ। |
| বিশ্ব-প্রেম | ঃ | মালেমদা লৈরিবা জীব পুন্নমকপু নুংশিবা। (মতাং অসিদা মীওইবা খুদিংগী থম্মোইদা লৈরিবা ফোংদোক্তবা নুংশিবা।) |

## ৱাহং

**১। ৱাহংশিং অসি য়াম্না তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) ‘পি থাদোই’ শৈরেং অসি কনানা ইবনো?

(খ) ‘নুংশিবা নখোন্দা তারিবা’-
তারিবসি কনাগী নত্রগা করিগী মখোননো?

(গ) নোংবান্না কৈগী মখুত্তা মথৱায় থাখিবা মফম অদু করি কৌই?

(ঘ) ‘নঙগী থাদোই পাম্মুবী
মশাবী পুক্লিং খঙদ্রবী
লমদম তাম্না চেনখরে।’-
ৱাফম অসি কনানা কনাদা হায়রিবনো?

**২। ৱাহংশিং অসি তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) “কায়না মৈখু লাংবা মীগী
মহৌশাগী হৌনবীনি
নুংঙাইভা কালদা ৱাবা।”
শৈরেং পরেং খরসিনা পীরিবা অর্থদু ফোংদোকউ।

(খ) “কুম্বীগী তেরা খাদুদা
ইতৈ হায়না কৌবদুনা
তাউজিং লমন খুমলবনি।”
কনানা কনাদা ‘ইতৈ হায়না কৌখিবগে? ‘ইতৈ হায়বা মিংগৌ
অসিনা করম্বা তাউজিংগী লমন খুমখিবগে?

(গ) খুমন ময়ুম য়োখ্রবনি
মশাবী মনাক তমখ্রবনি
থাদোক্লো উনীংবা আশা।”-
খুমন ময়ুম য়ৌখ্রিবসি কনানো? মশাবী হায়রিবসিনা কনানো?

উনিংবা আশা থাদোক্লো হায়রিবসিনা কনাদনো?

৩। **মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

(ক) ‘মলয়া নুংশিৎ নামিবনা
মালেম থুংনা হুন্নকপদা
খাইনা মৈরী হেল্লিদো।’

(খ) ‘খোইরেন্তাকী লময়ায়দা
পাম্বা কৈরেন্না শোক্লুবা
আত্মা অদুগী মতৌগুম।’

(গ) ‘মঙলাক্লবা কনাগুম্বনা
ঙাঙবা ঙমদবগুম ঙাঙনীংবা
লাক্লরি ফোংদোক্লবা শুন্দা।

(ঘ) খল্ল খল্ল ৱাখন্না হেল্লে
পুক্লিং ৱাখল পুক্লিংদা লৈরে
অথুম্বা রসতি ফোঙদোক্তরে।’

৪। **মখাগী ৱাহংশিং অসি শন্দোক্লা খন্মুঃ**

(ক) পি-থাদোই চেক্লানা খোংবা তারগা কবিগী থমোইদা পোক্লকখিবা ৱাহংশিং অদু শন্দোক্লা ইয়ু।

(খ) পি-থাদোই শৈরেংগী ৱামচং ইয়ু।

(গ) ‘খঙলে চেক্লা খঙজরে প্রকৃতিনা থারকপনি নঙসে
তম্বিনবা বিশ্বপ্রেম।—
পল্লিবসি করম্বা চেক্লানো? বিশ্বপ্রেম কদায়বু কৌবগে?
চেক্লা অসিনা তম্বিরিবা বিশ্বপ্রেমগী মশক্লা করিনো? শন্দোক্লা
তাকউ।

# মৈতৈ চনু

**লমাবম কমল সিংহ**

*(**ডাক্তর লমাবম সিংহ** (১৮৯৯-১৯৩৫) লংথবান কুঞ্জদা পোকই। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য চাওখৎনবা হোৎনরম্বা লময়ানবশিংগী মনুংদা শীংথানরিবা কবি অমসুং উপন্যাসকারনি। মণিপুরী লোনগী অহানবা উপন্যাস ইবনি। মহাক্না ৱারী মচা অমা (ব্রজেন্দ্রগী লুহোংবা) ইরম্মী। ইরম্বা অমসুং ফোঙলবা লাইরিকশিংদি 'লৈপরেং' (শৈরেং), 'মাধবী' (উপন্যাস), 'দেবযানী' (নাটক) নি। কবি অসিনা লৈখিদ্রবা তুংদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা 'কবিরত্ন' উপাধি পীখি।*

*'মৈতৈ চনু' শৈরেংদা কবিনা, মতম কুইনা শিথরুবা মৈতৈ লোনবু/মৈতৈ সাহিত্যবু অনৌবা য়াওল লাকপগা লোয়ননা হিংগৎহনসি হায়বগী পাউজেল অমা সাহিত্যিকশিংদা পীরি। ফজবা ৱারেং, শৈরেং পুথোক্লদুনা মশাগী ওইজবা থাদোক্লরগা লিংজেল মান্ননা মৈতৈ লোনবু য়োকখৎনবা তৌরবদি মৈতৈ সাহিত্য অসি কুইনা হিংদুনা লৈহৌগনি হায়বগী থাজবা থম্মি। লোন অসিবু ভারতকী বিশ্ববিদ্যালয়শিংদা তম্নরকসনু, সমুদ্র ৱাংমদসু শকখঙবিবা ওইসনু হায়বগী ৱাফম কবিনা শৈরেং অসিদা ফোঙদোকই।)*

মতম কুইনগী তুংদা,
লেঙশিল্লক্লে ইমা মৈতৈ চনু,
মৈতৈ-সাহিত্য-মন্দির মনুংদা,
য়েন্দায় থন্না লৈহা প্তুনা
কৎলুসি ইমাগী খুয়াদা।

লৈ থিনবগীদমক্তা
নত্তে অথাপ্প উমংদা চৎকদবা,
নত্তে অৱাংবা উপাল কাগদবা;
ইনকনকপদা, খুৎনা লাম্বা ফংবা,
থিরুসি পূক্নিং লৈকোন্দা।

পূক্লিংগী লৈকোন্দা শাৎপা লৈরাং হেক্কুনা
লিংজেল মান্নবগী লংনা লেংদুনা,
খাঙবা কনবগী য়েন্দায়দা হাপ্পুনা
কৎলুসিনে ইমাগী খুয়াদা।

লৈগী মন্দির শারুসি ইমাগী
পামদে য়োৎকী মন্দির—
মাঙগদবা কোহলিং কারগা;
পামদে নূংগী মন্দির,
লূপকদবা মতমগী ঈচেল মনুংদা।

পামদে চেক্কী মন্দির,
ৱাংনা শারগা অমুক্তং,
মন্দুনা লৈবা মতম কুইনা;
শারুসি লৈগী মন্দির;
তাউখৎনবা মতমগী ঈথক মথক্তা।

কংখ্রগা চোংলকপা অমুক হন্না,
অদুগুম্বা লৈগী চারনা,
মন্দির য়ুম্বী য়ুংলুসি;
চাউখৎনবা মশা-মরেং
মতম অসুম কুইরক্লগা।

কুম্বী কালেন নাইদনা শাৎপা,
লৈগী চার থিরুসি,
থারুসি মন্দিরগী অকোয়বদা,
মখোঙ ঈংহনসি মীৎকী পি ঈফুৎনা।

কংখ্রবসু অমাঙবা হকচাংনা,
লৈহৌসনু পূক্লিং লৈরাংদু
শাৎহৌসনু তগুপ-তগুপ্না,
মাতৃমন্দিরগী অকোয়বদা।

মাতৃমন্দিরগী লৈনম নুংশিবা
তপ্পা লিরি-লিরি শিৎপা নুংশিৎনা
হুমখিসনু মৈতৈ লৈবাক খুদিংদা;
তেকখৎসনু শিরুম-নারুম্বা মৈতৈ।

পূক্লিংগী অশোঙবা উমং ককথক্তুনা,
থাসনু তরু-তরুবা লৈগী চার
মাতৃমন্দিরদা কৎননবা;
শেমসনু নীংথিবা নিকুঞ্জবন।

অথাপ্পদা লৈবা অনকপদা লৈবা
অচৌবসু অপীকপসু
নীংনসি মৈতৈ চনুগী মচানি।
লৈগী পরেং তত্তনবা।

হে লৈবাক মচা মাতৃসেবক!
স্বার্থত্যাগকী শিদ-হীদাক
থাবিয়ু মন্দিরগী অকোয়বদা,
পুন্সিবা পাল্লবদি মৈতৈ চনুগী।

মাতৃমন্দিরদা হৌবা লৈপালগী,
কেল্লকপা লৈরাং মখোক লোয়দুনা,
পুখিদুনা মতমগী ঈচেন্না,
তাউরুসনু সমুদ্র শীনবথুংনা।

মাতৃমন্দিরদা হৌবা লৈপালগী,
চাউখৎলকপা মশা-মরেংনা
অত্যাদা থৎসনু নোংগী লম্বী;
পোখরসনু মীরৈবাক্কী চেক্লা।

মৈতৈগী লম্পাক্তা হৌবা লৈরাং,
থারুসনু সমদ্রু ৱাংমদসু,
শাৎলুসনু ভারতকী বিশ্ববিদ্যালয়দা;
করিগী ঙল্লোইদগে 'লৈ পরেং' না তৎত্রবদি।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| ইমা মৈতৈ চনু | ঃ | ইমা মৈতৈ নুপী (সাহিত্যবু মৈতৈ নুপী অমগী শক্তম ওইনা লৌবনি) |
| য়েন্দায় | ঃ | লৈ হাপ্লবা পোলাং। |
| লৈগী মন্দির | ঃ | লৈনা শেম্লবা লাইশঙ। (মতাংসিদা মৈতৈ সাহিত্যনি) |
| চার | ঃ | পাম্বী মচা। |
| কুম্বী | ঃ | নিংথম থা; কুমগী মপী। |
| অমাঙবা হকচাং | ঃ | শিরগা লোইরবা হকচাং। |
| শিরুম-নারুম্বা মৈতৈ | ঃ | তোম্থরবা, অশিবগী মতৌ ওইরবা মৈতৈ। |
| পূক্লিংগী অশোঙবা উমং | ঃ | সাহিত্যগী মঙাল ফংদ্রিবা পূক্লিং। |
| নকুঞ্জবন | ঃ | হৈপাল-লৈপাল নীংথিনা হৌবা মফম, বন। |
| মাতৃ | ঃ | ইমা। |
| মাতৃসেবক | ঃ | মমা লৈবাকপু সেবা তৌজবা মী। |
| স্বার্থত্যাগী | ঃ | ওইজবা থাদোকপা। |
| শিদ-হীদাক | ঃ | শিদনবা হীদাক। |
| অত্যা | ঃ | অতিয়া, নোংমদোন। |

বিশ্ববিদ্যালয় ঃ অৱাংবা থাক্কী মহৈ পূন্নমক্কী তমফম শঙ। তাইবং-মহৈকোন, য়ুনিভারসিতি।

## ৱাহং

**১। মখাগী ৱাহংশিংসি খুম্মুঃ**

(ক) কবিনা 'ইমা মৈতৈ চনু' হায়রিবসি কনাবুনো?

(খ) 'পুক্নিংগী লৈকোন্দা শাৎপা লৈরাং' হায়রগা করি খঙবগে?

(গ) 'লিংজেল মান্নবগী লংনা লেংদুনা' হায়বসিগী অর্থ করিনো?

(ঘ) কবিনা শাবা পাল্লিবা মন্দির অসি করম্বা মখলগী মন্দিরনো?

(ঙ) হকচাংনা মাঙখ্রবসু লৈহৌবা পোৎশক অদু করিনো?

(চ) 'পূক্নিংগী অশোঙবা উমং' হায়বসি করিবুনো?

(ছ) 'স্বার্থত্যাগকী শিদ-হীদাক' হায়রগা করিবু খঙনবগে?

(জ) মৈতৈগী তম্পাক্তা হৌবা লৈরাংবু করিগা চাংদম্নবা য়াবগে?

(ঝ) কবিনা পূক্নিং অতিয়াদা লৈবা নোংগী লম্বীবু করিনা থৎসনু হায়রিবনো?

(ঞ) কবিনা পল্লিবা 'লৈ পরেং' গী অর্থ করিনো?

**২। মখাগী শৈরেং মতেক অসি পাডি অদুগা ৱাহংশিং অসি খুম্মু ঃ**

মাতৃমন্দিরগী লৈনম নুংশিবা
তপ্না লিরি-লিরি শিৎপা নুংশিৎনা
হুমখিসনু মৈতৈ লৈবাক খূদিংদা;
তেকখৎসনু শিরুম-নরুম্বা মৈতৈ।

(ক) মাতৃমন্দিরগী লৈনম নুংশিবা হায়রগা করিবু খঙনবগে?

(খ) তপ্না শিৎপা নুংশিত্তা কবিনা করি লৈনম পুহন্নিংবগে?

(গ) মৈতৈ লৈবাক খূদিংদা হায়রগা মফম অতৈবুসু খঙনবরা?

(ঘ) শিরুম-নারুম্বা মৈতৈ হায়রিবসি কনা কনাবুনো?

(ঙ) মখোয়বু করি তৌরগা তেকখৎহনগনি?

৩। **মখাগী ৱাহংশিং অসি শন্দোক্লা খুম্মুঃ**

(ক) কবিনা কনা কনাদা মফম কদায়দগী লৈ থিরুসি হায়রিবনো?

(খ) 'মৈতৈ চনু' হায়বা শৈরেং অসিগী নুংগী ওইবা ভাব (ৱাখল) ৱারেংদা ইয়ু।

(গ) লৈগী মন্দিরগা য়োৎকী মন্দিরগা করিগী চাংদম্নরিবনো?

৪। **য়াওফম, মরী-মখোঙ তাক্লগা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

ক) মতম কুইনগী তুংদা,
লেঙশিল্লক্লে ইমা মৈতৈ চনু
মৈতৈ-সাহিত্য-মন্দির মনুংদা,
য়েন্দায় থন্না লৈহাপ্পুনা
কৎলুসি ইমাগী খুয়াদা।

(খ) হে লৈবাক মচা মাতৃসেবক!
স্বার্থত্যাগকী শিদ-হিদাক,
থাবিয়ু মন্দিরগী অকোয়বদা,
পুন্সিবা পাল্লবদি মৈতৈ চনুগী।

(গ) মৈতৈগী লম্পাক্তা হৌবা লৈরাং,
থারুসনু সমুদ্র ৱাংমদসু
শাৎলুসনু ভারতকী বিশ্ববিদ্যালয়দা
করিগী ঙল্লোইদগে 'লৈ পরেং' না তত্রবদি।

# পুন্সি হিদোম

**হৱাইবম নবদ্বীপচন্দ্র সিংহ**

*(**হৱাইবম নবদ্বীচন্দ্র সিংহ** (১৮৯৭-১৯৪৬) উরিপোক হাওবম দেৱান লৈকাই, ইম্ফালদা পোকই। স্কুলগী ওৱা ওইবনা পুন্সিগী শিনফম ওইখি। আধুনিক মণিপুরী সাহিত্যগী খুৎমাবা কবি অমনি। মহাক্কী ফোঙলবা লাইরিক্তি 'মেঘনাদ তুবা কাব্য' (মাইকেল মধুসূদন দত্তগী মেঘনাদ বধ কাব্য'গী অনুবাদ) অমসুং 'নবদ্বীপচন্দ্রগী খোমজিনবা শৈরেং' অনীসিনি। কবিনা লৈখিদ্রবা তুংদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা ইং ১৯৪৮ দা 'কবিরত্ন' মিংথোন পীখি।*

*'পুন্সি হিদোম' হায়বা শৈরেং অসিদা ঐখোয়না উবা ফংলি মণিপুরী লোলনা মতম কুইনা শিথদুনা লৈরুরবা মতুংদা লময়ানবা খুৎমাবা অইবা কয়া চোংথোরক্কুনা মমালোলগী সেবা তৌখিবশিংগী মনুদা কবি হৱাইবম নবদ্বীপচন্দ্রসু অমনি। মতম অসি, মীরোলগী প্রভাবনা কনখিবনা মমালোল ঙাংনবদা ইকায়নবা মতমনি। মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্যবু সেবা তৌবদা নোক্করিবা কয়াবু তুংওইননা থল্লগা নাইতোম তানা মদোম চৎপা লক্ষ্মী অমদা মণিপুরী লোল অমদি সাহিত্যবু সেবা তৌগে হায়না চংশিল্লিবা অসিদা অশোয় অঙাম য়াওদনা পঙ্থুংফম য়ৌনবা লমজিংবিয়ু হায়না ঈশ্বরদা নিজরি।)*

পুন্সিগী ঈচেন্দা হোল্লি
ঐহাক্কী পুন্সিগী হিদোম,
ফৈনা য়ুংনা চেন্থরি,
কিনরি মসিবু থেংলুদ্রা।
পুন্সিগী ঈচেন্দা হোল্লি
ঐহাক্কী পুন্সিগী হিদোম।
লাউরক্লি তোর্ব্বানগী মীনা
করিনো অঙাওবা হোঞ্জিল্লু,
তোর্ব্বান তান্না পুশিল্লু
হৈতনা করিগী হোল্লিবা!

পুন্সিগী ঈচেন্দা হোল্লি
ঐহাক্কী পুন্সিগী হিদোম।
অৱাবা নুংঙাইবা ঈথক্তা
মীৱাগী নুংশিৎ মরক্তা
কনবিয়ু ননাইগী হিদোম
হোঞ্জগে ঈপাক য়ৌনবা।
পুন্সিগী ঈচেন্দা হোল্লি
ঐহাক্কী পুন্সিগী হিদোম।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| পুন্সি | ঃ | মদোম চৎপা পুন্সি, ময়ামগা মান্নদবা পুন্সি খোংচৎ। |
| ফৈনা য়ুংনা চেন্থরি | ঃ | মওং মরিন নাইদনা চৎপা, চুন্না চৎতবা। |
| তোর্ব্বানগী মী | ঃ | নাইতোম তাবা খোংচৎ পামদবা মীওইশিং। |
| অৱাবা নুংঙাইবা ঈথক্তা | ঃ | অমুক ৱাবা অমুক নুংঙায়বা পুন্সিদা। |
| মীৱাগী নুংশিৎ মরক্তা | ঃ | মীৱা ঙাংনবা, করেম্নবা, নোক্নবা ময়াম মরক অদুদা। |

## ৱাহং

**১। ৱাহংশিং অসি য়াম্না তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) ‘পুন্সি হিদোম’ হায়রগা করি খংঙি?
(খ) ‘কিনরি মসিবু থেংলুদ্রা’- মসিদা ‘মসিবু’ হায়রবসি করিবুনো?
(গ) ‘ঐহাক্কী পুন্সিগী হিদোম’- হায়রবসি কনাগী পুন্সিনো?

**২। ৱাহংশিং অসি তেন্না খুম্মুঃ**

ক) ‘ফৈনা য়ুংনা চেন্থরি
কিনরি মসিবু থেংলুদ্রা।’
শৈরেং মতেক অসি করম্বা শৈরেংদগিনো?- ফৈনা য়ুংনা হায়বসিনা করি খংহল্লি?

(খ) "লাউরক্লি তোর্ব্বানগী মীনা
করিনো অঙাউবা হোঞ্জিল্লু।"-
'তোর্ব্বানগী মী' হায়রিবসিনা কনাবু খঙহল্লি? অঙাউবা হায়রিবসিনা কনারিবুনো? করিগীদমক্তা অঙাউবা হায়না হায়রিবনো?

(গ) 'কনবীয়ু ননাইগী হিদোম হোঞ্জগে ঈপাক য়ৌনবা।' ৱাফম অসি করম্বা শৈরেংগী মনুং চনবনো? কনানা হায়জখিবনো?

**৩। মরী মখোঙ তাক্নুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

(ক) 'লাউরক্লি তোর্ব্বানগী মীনা
করিনো অঙাউবা হোঞ্জিল্লু,
তোর্ব্বান তান্না পুশিল্লু
হৈতনা করিগী হোল্লিবা!'

(খ) 'অৱাবা নুঙাইবা ঈথক্তা
মীৱাগী নুংশিৎ মরক্তা
কনবীয়ু ননাইগী হিদোম
হোঞ্জগে ঈপাক য়ৌনবা।'

**৪। মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম শন্দোক্লা পীয়ুঃ**

(ক) 'পুন্সি হিদোম' শৈরেং অসিদা কবিনা য়েকলম্বা মীওইবা খুনাইগী করি শক্তম উবা ফংঙি? শন্দোক্লা ইয়ু।

(খ) 'পুন্সি হিদোম' শৈরেংগী ৱা-মচং ইয়ু।

# কমলদা

অশাংবম মীনকেতন সিংহ

*(**পদ্মশ্রী অশাংবম মীনকেতন সিংহ** (১৯০৬-১৯৯৫ ইং) আধুনিক মণিপুরী সাহিত্যগী অইবশিংগী মনুং চনবা অথোইবা কবি, সাহিত্যিক অমসুং পণ্ডিতনি। ইম্ফালগী ধনমঞ্জুরী কলেজদা, মথংদা মণিপুর বিশ্ববিদ্যালয়দা মণিপুরী সাহিত্যগী ওঝা মকোক ওইরম্মী। মহাক্কী ফোঙলবা লাইরিকশিংগী মনুংদা মরুওইবা খরদি 'বসন্ত শৈরেং', 'মৈতৈ উপন্যাস' (সমালোচনা), মৈতৈ লোঞ্জন' (ব্যাকরণ), 'মেঘনাদ বধ কাব্য' (অনুবাদ), রবীন্দ্রনাথকী গীতাঞ্জলি' (অনুবাদ), 'অশৈবগী নিতাইপদ' (খণ্ডকাব্য), অসিনচিংবনি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী 'সাহিত্য রত্ন' উপাধি, মণিপুর ষ্টেটকলা একাদেমীগী ফেলোশিপ, সাহিত্য একাদেমী দিল্লীগী সাহিত্যগী মনা, পদ্মশ্রী, যামিনী সুন্দর গোল্ড-মেডল ফংখি।*

*শৈরেং অসিদা কবিনা মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্যবু চহী চনিরোম মণিপুরী মচাশিংনা কাওদুনা লৈরুরবা মতুংদা অমুক নৌনা হিংহন্নবা হোৎনবদা চোংথোরকখিবা কবিশিং অমসুং সাহিত্যিকশিংগী মনুংদা ডাঃ কমলসু চাওরবা থৌদাং য়াদুনা লাকখিবা কবি অমনি হায়না শৈথারি। মতম খরা সাহিত্যগী সেবা তৌরম্লগা নহা ওইনা কবি কমলনা নোঙ্গাবদা নীংঙমদবগা লোয়ননা মতিক মগুণ কয়া শৈথাদুনা কবিগী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎপা শৈরেংনি।)*

নোঙঙাল্লমদাই তাবা চেক্লা কয়া
তাররি নুংথিল নোংমায় সিদসু-
কোওয়াঙ ৱাতোল ফম্বৈনা
খোংলি তে-তু চরোইনা
পামেল উরাং উকোন্না
হেক্লি নেং নেং হারিনা।
নত্রি মখোয় সীদসু-
কৌজেং হারৌ শাজৈনা

নোংজা য়াওল শৈরাংবা
ঙঙলি নিং নিং মিরবা
কোরৌ য়াওল ঈরোয়না।
শালি কুম্লাংনা কুমওনবা
তরানিপান্না ওইওইনা
নিফুগা তরুক ৱায়রকপা
মৈতৈ সাহিত্য জগৎনুং
কুম্লাং চনী মম্লুব' তুং
নোংনা ঙানফুংদা তৌবৱাই
অমম-অঙাল শিন্নরকপা
মৈতৈ ইমারোল য়াওনৈঙে
চেক্লা কয়ানা শৈরাঙৈঙে
মখৌ পোঙনা শৈরাংখিবা
নুংশি খোঞ্জেন্না লোরবা
কাঞ্চী-কোননুংদা লাঙ্গোনবা
কদায় কমল চেক্লাদে!
কাঞ্চী-কোনগী চেক-নুংশি!
তারো খোংলি খৌবোংনা
নপাং কয়া কয়ানা
নোঙঙাল্লমদাই তামিন্নরম্বা-
মখোয়গী খোন্নেম-খোনৱাং ঈপোম লাং
মৈতৈ-মালং ঈওল্লক
উপাল ৱাপাল ঈয়ৈ চা
ঈওল মাগী ঈপোম লাং
হাইনা হুন্না শৈহল্লি।
কৈদৌরিবা নহাক্তে!
ওঃ কাউরুরেকো ৱারৌনু-
নথৱায় কৎনা ছৈরাঙৈঙে
নথম্মোই নঙগী ঈরী চেল

পাথখি,
নহকচাং নঙগী ঈরোয়না
চেষ্থখি
নোংনা ফুংদা ঙাল্লকপৱাই
নথৱাই চেক্লা খং-গোন্না
পাইথোকখি,
কোম্না ইংনা মালংনা
মিকুপ খুদিং শৈশকপা-
‘মতম কুইনগী তুংদা
লেঙশিল্লক্লে ইমা মৈতৈ চনু
মৈতৈ-সাহিত্য মন্দির-মনুংদা;
য়েন্দাই থন্না লৈহাপ্তুনা,
কৎলুসি ইমাগী খুয়াদা”
ওঃ তারুদ্রেকো ৱারৌনু।
শৈশক নঙগী শৈপানবনা
নমা মৈতৈ চনুনা
য়াওল থৌগল ওইনঙাই
মীরক তাল্লক য়েংদুনা,-
মী তার'দি খাঙ্মৌনি
মাগী নীংবা কায়রনি-
নোংনা পুমঙাল ঙান্দ্রিঙৈ
খঙঙি চেক্লা থেমদোকখিবনি।
শিদা ঈরা ইন্দুনা য়োকপনি।
ইমাগী য়াওল থৌগনবা
নপাং চেক্লা কয়ানা ফংজনি!
কাঞ্চী চেক্লা য়াইফবা!
য়াইফবদা শরুক্লৌ।
নোক্কনুকো পঙঙিদা
নুংঙোল ইপাউ তাবদা।

অৱাবনা ঈরৈনা,
নুঙঙাইবনা ঈহন্না
ঈথক তরংনরবা
মালং ৱাংমা খুভম্বা
তেংবান-মপু মক্নশু
তাইবং নুংঙোল অরূবা
মিহৌবনিকো কাউগনু।
অপাম-পামদ-নাইদ্রসু
থৱায় কৎনা লৈরাংবা
লৌবিবনিকো নীংশিংঙু।
য়াইফৌ চেক্লা য়াইফবা,
কাঞ্চী-কোনগী চেক-নুংশি!

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| কোঙয়াঙ | ঃ | ৱা। |
| উরাং উকোন্না | ঃ | উ মশা। |
| হেক্লি নেং নেং হারিনা | ঃ | হারি নোঙনাঙনা ঙংবা। |
| শালি কুম্লাংনা কুমওনবা | ঃ | শালি বাহন নিংথৌনা পানবদগী চহী থিবা হৌবা, শকাব্দ। তরানীপান্না ওয়ওইনা নীফুগা |
| তরুক ৱায়রকপা | ঃ | শকাব্দ ১৮৪৬ হৌগৎলকপা। |
| লাঙ্গোনবা | ঃ | পোকপা। |
| নথৱায় চেক্লা খংগোম্না পাইথোকখি | ঃ | শিখি। |
| শিদা ঈরা | ঃ | অমৃত। |
| মৈতৈ ইমারোল য়াওনঙৈ | ঃ | মণিপুরী লোননা নৌনা য়াকায়রকপা। |
| চেক্লা কয়ানা শৈরাঙঙৈ | ঃ | কবিশিংনা ইবা হৌরকপা। |

## ৱাহং

**১। ৱাহংশিং অসি য়াম্না তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) ‘কাঞ্চি কোনগী চেক-নুংশি’ হায়রিবসি কনাবুনো?

(খ) ‘য়েন্দায় থল্লা লৈহাপ্পুনা কৎলুসি ইমাগী খুয়াদা।’- কনানা হায়খিবনো?

(গ) শৈশক নংগী শৈপানবনা’ হায়বসিদা পল্লিবসি কনাগী শৈশকপুনো?

(ঘ) ‘নোক্নুকো পঙঙিদা নুংঙোল ইপাক তাবদা।’- কবিনা কনাদা হায়জরিবনো?

**২। ৱাহংশিং অসি তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) ‘শালি কুম্লাংনা কুমওনবা তরানিপান্না ওইওইনা নিফুগা তরুক ৱাইরকপা’- শালি কুম্লাংনা কুমওনবা’ হায়বসিনা করি খঙহনবগে? পল্লিবা চহি অসিনা করম্বা চহিনো?

(খ) ‘মৈতৈ সাহিত্য জগতনুং কুম্লাং চনী মম্লুবা তুং’- মৈতৈ সাহিত্যনা কুম্লাং চনী মম্লুবগী মরম করিনো?

(গ) ‘খঙঙি চেক্লা থেমদোকখিবনি/ শিদা ঈরা ইন্দুনা লোকপনি।’- পরেংশিং অসিগী অর্থ করিনো?

**৩। মরী-মখোঙ তাক্কুনা শন্দোক্লা ইয়ু ঃ**

(ক) মতম কুইনগী তুংদা  
লেঙশিল্লক্লে ইমা মৈতৈ চনু  
মৈতৈ -সাহিত্য মন্দির মনুংদা;  
য়েন্দাই থন্না লৈহাপ্পুনা,  
কৎলুসি ইমাগী খুয়াদা।’

(খ) মাগী নীংবা কায়রনি-  
নোংনা পুমঙাল ঙানদ্রিঙৈ  
খঙঙি চেক্লা থেমদোকখিবনি।  
শিদা ঈরা ইন্দুনা য়োকপনি।

(গ) অপাম-পামদা নাইদ্রসু
থৱায় কৎনা লৈরাংবালৌবিবনিকো নীংশিংঙু।'

**৪। ৱাহংশিং অসি শন্দোক্লা খুম্মুঃ**

(ক) 'কমলদা' হায়বা শৈরেং অসিগী ৱা-মচং ইয়ু।

(খ) 'নোঙাল্লমদাই তাবা চেক্লা কয়া /তাররি নুংথিল নোংমায় সিদসু'- থাংগৎলিবা শৈরেং-পরেং অনীসিগী নুংগী ভাব করিনো শন্দোক্লা তাকউ।

# মণিপুর

**এলাংবম নীলকান্ত সিংহ**

*(**এলাংবম নীলকান্ত সিংহ** (১৯২৭-২০০০) কৈশামথোং এলাংবম লৈকাই, ইম্ফালদা পোকখি। ডি, এম, কলেজদা দর্শন শাস্ত্রগী ওঝা মকোক ওইরমমী। ডিপার্টমেণ্ট অব সোসিয়েল ৱেলফ্যার, আর্ট এণ্ড কলচারগী ডিরেক্টর ওইনা থবক্তগী পোখাখি। অনীশুবা লাঞ্জাউ মতুংগী অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী মাঙজিন থাবা কবিনি, পণ্ডিতনি, সাহিত্য অমসুং কলাগী সমালোচকনি। ফোঙলবা লাইরিকশিং- অচাইবা লৈ (ৱারেং), মণিপুরী কবিতাগী ছন্দ (ছন্দ কাঙলোন নৈনবা) চৎলসিনে কদায়দনো ইবানি (শৈরেং), অসপেক্টস অব ইন্দিয়ান কলচর (ইংলিশতা ইবা ৱারেং), তীর্থ যাত্রা (শৈরেং), সুনীতিকুমার চট্টোপাধ্যায়গী 'জয়দেব' (ইংলিশকী অনুবাদ), সংস্কৃতিগী শক্লোন (ৱারেং), নচিংবা। 'তীর্থ যাত্রা' লাইরিক অসিগীদমক সাহিত্য একাদেমী মনা (১৯৮৭ ইংদা) ফংখি।*

*'মণিপুর' শৈরেংদা কবিনা মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না মণিপুরদা হোংলক্লিবা অওনবা লৈঙাক-ৱায়েল, রাজনীতি তৌবশিংগী চীনগা খুৎকা মান্নদবা তৌওং, অমগা অমগা য়েংথিনবা মরক্তা ঈংনা চীক্লা লৈজরম্বা কলা সংস্কৃতিগী মাঙখিবা শাক্লোন কয়াবু উৎনবা হোৎনৈ। হৌখ্রবা মতমগী অনুতাপ তৌরদুনা কাং-খোং চাইরবা মণিপুরী সমাজবু নৌহৌনা শেমগৎপা ঙমখিগদ্রা হায়বগী ৱাজবা অদু ফোঙদোকই।)*

রথযাত্রা নুমিৎকী নুংথিলদা
কাংশি, মাঙ্গং, পূংগী  মখোলগা লোয়ননা
"জয় জগন্নাথ" "জয় জগন্নাথ"
নিল্লি মায়কৈপূম্বা মণিপুরগী
অদুবু মণিপুরগী অতিয়াদদি
অমকপা, য়েংথীনবা থম্মোয়দগী থোরকপা

লোয়বা নাইদ্রবা চৈনবা খোল্লাও
অমুবা অরংবা প্রোপগণ্ডা
কংগ্রেস, সোসিয়েলিষ্ট, কম্যুনিষ্ট, প্রজা শান্তি
হিংসা, অহিংসা, রাজসিংহাসন।
"কদোমদনো লম্বেনসিবু-
চীনগা খুৎকা মান্নদবা,
লমথুংফমগ লম্বেনগা শন্নদবা,
ফিদমদগী মীশক্লা লুবা?"
হংলি নহাক্তি ইমা মৈতৈ লৈমা।
মজাইবেম্মা মমোম লাংলেন থোইবীনা শাথৌবা
ক্লাক্তাগী নুংশিৎ নামিবা
নিংঙোলবু মৌগী শীংদা চলহনবা
লাই হরাউবগী জগোয়
থেক্ক-থেক নৌগ-নৌ হায়না-হুন্না শাথেকপা
শুন্মৎপা বাঁশীগী সুরদা,
অঙকপা পূংলোন্দা জগৎপু কাউদুনা
ঐখোয়না য়েংজবা মৈতৈগী জগোয় রাস
নীংশিলিবরা ইমা মণিপুর?
নচাশিংদি য়েংলি, অদুবু কাউরে।
হৌজিক্তি রুদ্রগী তাণ্ডব জগোয়-
পৃথ্বী থক-খা ওলহনবা নটরাজ শিবগী
প্রলয়-ইঙ্গিৎ লৈপাক লৈমা চেকখায়দৌরে,
লাঞ্জদ্রবী পুন্সিচুপ্পা ৱাজরবী
সীতা সীতা অচুম্বদি চঙখিগদৌরে
চঙখ্রবরনে ইমা মহাত্মা গান্ধীগা লোয়ননা?
আঃ ইমা নঙনদি য়েংজগে হোৎনবা শারি-
অচুম্বগী মঙাল, ধর্ম্মগী মৈরি;
থম্মোয়গী শেংলবা অতিয়া
তারেদনা নহাকসু উরেদনা

এটোম বোমগী মখোল, অয়াকপা, অকিবা,
মৈরীক মৈখু অমুবা চীংমুক ৱাংবা
রাশিয়াদা 'জার' নিংথৌনা নৈব-ওৎপা ঈ চুপ্পা
বন্দী বনবাস মী লীশিং কয়াবু
মতুংদা কম্যুনিজম স্টেলিন!
লমহুইগী কাণ্ডবু এসিয়া অমসুং অফ্রিকাগী
অতিয়াদা পাইরিবা লঙজাগী শঙ্গু
পাইবা শাইনে ফীরাল ইউ. এন. ও. দা
'হাফমাষ্ট' গান্ধীজীনা নোঙ্গাখিবদদি
অৱাবা ফোঙদোকই মখোয়না-
মীওইবা জাতিগী অমাঙবা অমা!
অদুবু ইমা নহাক্তি
হুন্দোক্লম্লে হিদেন-তাফম অদুদা হিংসাগী
স্বার্থগী, পার্টি পোলিটিক্সকী
শকুন্তলাগী নীংশিং-খুদোপ
নহাকপু কাউরে নচাশিংনা হৌজিক্তি
নহাকপু, ইমা মৈতৈ লৈমা।
থিরখিনি নচাশিংনা নোংমদি
শিন্থরকপা পিগা লোয়ননা
অনুতাপ্না চাক্লবা দুষ্যন্ত!
মতমদুদা নহাক্তি কদায়দা
কদায়দা, ইমা কদায়দা!

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্না তাকপা

রথযাত্রা ঃ শ্রীজগন্নাথকী কাং চিংবা
অমকপা ঃ মশক মচু থোক্তবা
প্রোপগণ্ডা ঃ ৱাখলগী ফিরেপ শন্দোকপা, ফোঙবা, লাওবা

| | | |
|---|---|---|
| সোসিয়েলিস্ট | ঃ | রাজনীতি দল অমা; মান্নবা সমাজ শেল্লিবা |
| মী | | |
| প্রজা শান্তি | ঃ | রাজনীতি দল অমগী মিং |
| রাজসিংহাসন | ঃ | নিংথৌগী ফমফম, তাংবল |
| ক্লাক্তাগী নুংশিৎ নামিবা | ঃ | মোইরাংদগী চৎথরগা লৈবা ক্লাক্তা হায়বা মফম অদুদা শীৎপা লিরি হুম্বা নুংশিৎ। |
| রুদ্রগী তাণ্ডব জগোয় | ঃ | মহাদেবনা পৃথিবী মথক-মখা ওলহল্লগে খন্দুনা শাখিবা জগোয়। |
| নটরাজ শিব | ঃ | জগোয় হৈবা মহাদেব |
| প্রলয় ঈঙ্গিৎ | ঃ | পৃথিবী তুন্না মাঙহনবগী খুদম |
| ধর্ম্মগী মৈরী | ঃ | লাইনিং-লোনচৎকী য়েংথীনবা মতৌ |
| জার | ঃ | রুসিয়াদা পানখিবা মীওৎপা নিংথৌ |
| কম্যুনিজম | ঃ | লন থুম পুন্নমক খ্বাইগী ওইহনবা মওংগী লৈঙাক পথাপ (রুসিয়াদা জারগী শাসন মতুংদা লাকখিবা লৈঙাক্লোন) |
| স্টেলিন | ঃ | রুসিয়াগী লুচিংবা অমগী মিং। |
| লঙজাগী শঙ্গু | ঃ | শদুম ফক্তুনা চাবা তমথিবা উচেক মপৈ অমা (মতাংসিদা এসিয়া, অফ্রিকাদা লোয়লম শন্দোক্লিবা ইউরোপিয়ান অমসুং অমেরিকানশিংবুনি) |
| ইউ. এন. ও. | ঃ | ইউনাইটেড নেসন্স ওর্গেনাইজেসন (পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও মনুংদা লৈবাক কয়াগী মীহুৎশিংনা শেম্বা লূপ) |
| হাফ মাষ্ট | ঃ | ফিরাল তঙ্খায় (অৱাবা ফোংদোকপগী পাইবা) |
| স্বার্থগী | ঃ | মশাগী ওইজবগী |

পার্টি পোলিটিক্সকী : রাজনীতি দলশিংগী

শকুন্তলাগী নীংশিং খূদোপ : শকুন্তলাদা, মহাকপু নীংশিংনবা নিংথৌ দুষ্যন্তনা পীরম্বা সনা-খূদোপ (দুর্ব্বাসা মুনিগী শাপ্তগী খূদোপ অদু ঈশিংদা তাদুনা মাঙখি, অদুনা শকুন্তলানা দুষ্যন্তগী মমাঙদা উৎপা ঙমখিদে। মহাকপু নিংথৌনা কাউখি। মমৈদা অমুক দুষ্যন্তনা ফংঙি; শকুন্তলাবু নীংশিংলকই।)

দুষ্যন্ত : শকুন্তলাগী মপুরোইবা নিংথৌ। মহাভারতকী ৱারীদা য়াওবা মমিং চৎপা নিংথৌ।

## ৱাহং

**১। মখাগী ৱাহংশিংসি খুম্মুঃ**

(ক) মায়কৈ খূদিংদা 'জয় জগন্নাথ' হায়দুনা করিগী নিল্লিবনো?

(খ) 'ফিদমদগী মীশক্লা লুবা' হায়বসি করিবুনো?

(গ) 'চীনগা খুৎকা মান্নদবা' হায়বসিগী অর্থ করিনো?

(ঘ) ক্লাক্তাগী নুংশিৎনা কনাবু মৌগী শীংদা চলহনবগে?

(ঙ) 'রাজসিংহাসন' হায়বসিনা করিবু খঙহনবগে?

(চ) শুম্মৎপা বাঁশীগী সুরদা করিবু, কনাবু কাউহনবগে?

(ছ) রুদ্রগী তাণ্ডব জগোয় করিগী শাথ্রিবনো?

(জ) ইউ. এন. ও. দা করিগী 'হাফ মাষ্ট' তৌখিবগে?

(ঝ) জার নিংথৌ করি লৈবাক্তা পাল্লম্মী?

(ঞ) 'নহাকপু কাউরে নচাশিংনা হৌজিক্তি' হায়রিবসি কনাবুনো?

(ট) অনুতাপ্পা চাকখিবা নিংথৌ অদু মমিং করি কৌবগে?

**২। মখাগী শৈরেং মতেক অসি পাডি অদুগা ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

শেংলবা নুংথিলদা নিংঙাইদনা খোংলিবা
লমহুইগী কঙবু এসিয়া অমসুং অফ্রিকাগী
অতিয়াদা পাইরিবা লাঙজাগী শঙ্গু
পাইবা শাইনে ফারাল ইউ. এন. ও. দা

‘হাফমাষ্ট’ গান্ধীজীনা নোঙ্গাখিবদদি
অৱাবা ফোঙদোকই মখোয়না-
মীওইবা জাতিগী অমাঙবা অমা!

(ক) শেংলবা নুংথিলদা কনাগী কাঙবুনা নিংঙাইদনা খোংবগে?

(খ) এসিয়া অমসুং আফ্রিকাগী অতিয়াদা করি শঙ্খু পাইবগে?

(গ) ফিরাল হাফ মাষ্ট কদায়দা পাইখিবগে?

(ঘ) কনা নোঙ্গাখিবদা ফীরাল তঙ্খায় চিংথনা পাইখিবগে?

(ঙ) মখোয়না করি হায়না অৱাবা ফোঙদোকই?

৩। ‘মণিপুর’ কৌবা শৈরেং অসিগী নুংগী ওইবা ভাব (ৱাখল) তেন্না ৱারেংদা ইয়ু।

৪। কবি নীলকান্তগী মতুংইন্না মণিপুরদা করি করি অহোংবা লাকখিবগে?

৫। **য়াওফম মরী-মখোঙ তাক্লগা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

(ক) কদোমদনো লম্বেনসিবু
চীনগা খুৎকা লম্বেনগা শন্নদবা
ফিদমদগী মীশক্লা লুবা?

(খ) শুম্ফৎপা বাঁশীগী সুরদা,
অঙকপা পূংলোন্দা জগৎপু কাউদুনা
ঐখোয়না য়েংজবা মৈতৈগী জগোয় রাস
নীংশিংলিবরা ইমা মণিপুর?

(গ) থিরখিনি নচাশিংনা নোংমদি
শিঙ্খরকপা পিগা লোয়ননা
অনুতাপ্না চাক্লবা দুষ্যন্ত!
মতমদুদা নহাক্তি কদায়দা
কদায়দা, ইমা কদায়দা!

# লৈ-লাংবা

**লাইশ্রম সমরেন্দ্র সিংহ**

*(**লাইশ্রম সমরেন্দ্র** (ইং ১৯২৫-) ইম্ফালগী হাইস্কুল হিরুহনবা লৈকাইদা পোকখি। হায় স্কুল অমসুং হায়ার সেকেন্দারী স্কুলশিংগী ওঝা অমসুং প্রিন্সিপাল ওইরকই। ডিপার্টমেণ্ট ওব সোসিয়েল ৱেলফ্যার, আর্টস ওণ্ড কলচরগী জোইণ্ট ডিরেক্টর ওইনা থবক্তগী পোথাই। অনীশুবা লঞ্জাউ মতুংদা ওইরকপা অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী লময়ানবা কবি অমনি। মহাক্কী ফোঙলবা লাইরিকশিংদি 'ৱা অমতা হায়গে তেলঙ্গা', 'মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে', 'খুন অমগী ৱারী', অসিনচিংবনি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী সাহিত্যগী মনা, যামিনী সুন্দর গুহ গোল্ড মেদল অমসুং নিউদিল্লীগী সাহিত্য একাদেমীগী মনা ফংখি।*

*মণিপুরী সাহিত্যগী লৈচন থিরিবা, মপুক্লিংদা ফংগদরা ফংঙোইদরা চিংনরিবা, কনাগুম্বা সাহিত্যসেবী অমদা কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা লৈকোনগী মশক ওইরবা মণিপুরী সাহিত্যগী পুক্কৈশিং কদায় কদায়দা লৈবগে হায়বদু খুৎথিন থিন্দুনা তাকলি। মণিপুরদা মহৌশাগী মখল মথেল লৈরাং মরাং কাইনা শাৎপগুম সাহিত্যগী মচাকসু ৱাত্ত-পাদনা লৈ। কবিনা শৈথারি, কাঞ্চিপুরদা লৈকোনগী মশক ওইরবা ডাঃ কমলগী সাহিত্যগী পুক্কৈ লৈরি। ইনক নকপদা ইম্ফালগী উরিপোক শোর্বোন লৈকাইদা খ্বাইরাকপম চাউবগী লৈকোলসু লৈরি। মাইনু পেমচা অমসুং বোরাচাউবগী নুংশি-ৱারী, মোইরাংগী খম্ব-থোইবীগী ৱারী, মখোয়গী মমাংগী পুরেম্বা ঙাংখৈরমগী ৱারী অসিনচিংবা কয়ানা সাহিত্যগী পুক্কৈ পিকথন্না লৈরি। পল্লিবশিং অসি নত্তবা খ্বাইনা খঙনদবা ৱারী-ৱাখোঙ কয়াসু চীংদা শাৎপা লৈরাংগুম অরেম্বদা তাদুনা লৈরি। শীংথাবা ঙমদনা লৈরিবা সাহিত্যগী মচাকশিং থিদোক্তুনা অফ-ফত্তা খন্দোকসি হায়না কবিনা লৈ-লাংবীগী মশক ওইরবা মণিপুরী সাহিত্যগী সেবীবু কৌরি।)*

কৈদনো অদুক খঞ্জানরিবা?
লৈনম্না লৈকাই শাৎলবদা
খোইমু খোইরেন ইল্লবদা

অমুক কৈদনো!
উদবরা শকহেনবী
য়াহৌথেঙবী লৈরাংবা!
ঙসি ইনুং লৈকোনসে
য়েংওলাও উদরনে শাৎলিসে-
চীংয়া ঙান্না ইঙেল্লে,
পাৎয়া থন্না থম্বানলৈ,
থম্না থমচেৎ থরো থারিকলৈ;
ও! থানিংবগী থাজবনি, ঐগী করি ইতিক লৈ;
সনারৈ কুন্দোলৈ পেরুকলৈ
লৈরেং পরেং চূম্নরৈ,
তখেল্লে চিগোংলৈ শুনা লৈ
লৈপুন পরৈ চেৎনরৈ,
নাচোম লৈচন লৈচা ঙাক
থিসি লাও, য়েংসি লাও, মনসি লাও,
লৈহাউ লৈরেন হেকসি লাও—
কাঞ্চি লৈকোন! আঃ কাঞ্চি লৈকোল য়েংসি লাও,
লৈকোল অসি কুইদরি!
খোন্নৌ নহা খোইনিং অমা
খোংজরমই মখৌ পোঙনা
চেকলা মদোম ঙায়জখি
নীংঙমখিদে মহাকথক-কুইদরি!
তাও চেক্লা অমসু
হীক্লা তেংথা-নাওইগুম
ইনক নক্লা তারো-লাও
শোকলবা খোঞ্জেলসে;
নহাক লাকলে উবদা
ঙাইঙমদ্রবা খোম্থাংনা
—লৈম নিংথৌ হাক্তক্কী

থাইনগী লৈরাং লৈনুংশি
শিন্নরমগে মতাগুম- ।
শাৎলিবদাই,
য়ারল পাৎকী তোমথিনলৈ
নূরা পুক্লিং তাজনা
মাইনু মানা থারম্বদাই
লাইগী মচা কোম্বীরৈ
লম্ফেল নাৱা হায়নবদাই।
অদুগা—
পাম্মুবী কাউরবরা অদুঙৈ
কেগে মোইরাং হরাওঙৈ
চীংখূবগী মমোমলোই
অমত্তা পোকপী থাদোইনা
শাবী মেলৈ-লাংবগা
লাংমিন্নবা লৈরাংদো
লৈরাং লৈফম কায়দরি
—শাৎলিদো!
অমনা,
নূরা ঙাংখরৈমনা
চিন্নরম্বা লৈরাংবু
চরৈ নমখাং মরক্তা
কুমজা কয়া নম্ববু
অমুদোন নোংয়াই হাক্তকফাও
শীঙেল লৈপোপ কায়রমদে- লৈরিদো!
লৈরিদো নঙনা ঐনা খঙদনা
লমগী লৈরাং তাদুনা
নারক্তা কয়া শাৎলিদো
কয়া অমা লোৎলিদো-!
মখন মথেন লৈকোন্নি

ঐনা থাবা ঙমবরা?
মপূ মাগী পূক্লিংদি
থৱান মৈরা লিশীংনি,
খোঙলৈ চাবী নুজাগী
থোকউ থোকউবা খুৎথেক্লি,
ফাইরেন থাগী লৈচিনগী
নীংলক নীংলকপা মওংনি,
পুক্লিং মাগী খুৎশেমনি
লেপ্পা লোইবা লৈতরি
শারি শেল্লি খল্লি-
আঃহল্ল নুংশি মঙলেন চুপ্পুনা
তুংগী লৈরাং পোমজরি
কুমগী নোংবু ঙাইজরি
অনৌবা কয়া শাৎলক্লি
তোমশাৎ- পোমশাৎনরক্লি।
থিসিলাও, য়েংসিলাও, মনসিলাও।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| লৈলাংবা | ঃ | লাইদা লৈ কৎপা। মমাংঙৈদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা মণিপুরদা পথাপ অমা চৎনরম্মী, মদুদি নিংথৌগী য়াথং মতুংইন্না কনাগুম্বা ফম্নাইবা অমনা চীঙ কাদুনা থিরগা ফজ ফজবা মশক্লাইবা লৈ হেক্তুনা পুরক্লগা লাইদা কৎলি। মদুবু 'লৈ-লাংবা' হায়না খঙনৈ। |
| খঞ্জানরিবা | ঃ | থবক অমা তৌগদরা তৌরোইদরা লেপ্পা ঙমদবা। |
| শকহেনবী | ঃ | শক ফজবী |
| য়াহৌথেঙবী লৈরাংবী | ঃ | থেঙনা য়াহৌরগা লৈ থিরিবী; মতাং অসিদা |

অতোপ্পা লোনগী সাহিত্যনা, খুদম ওইনা অসমীয়া, বাংলা, হিন্দিনচিংবা, চাউখৎখ্রবা মতুংদা মণিপুরী সাহিত্য চাউখৎহন্নবা মচাক খোমগৎলিবী (সাহিত্যসেবী) বু খঙহল্লি।

কাঞ্চি লৈকোন ঃ কাঞ্চিপুরগী লৈকোন; ডাঃ কমলগী সাহিত্যগী পুক্কে।

খোন্নৌ নহা খোইনিং ঃ নহা ওইরিবা ডাঃ কমলগী খোইনিং কৌবা চেক্লাগা চাংদম্নরি।

চেক্লা মদোম ঙাইজখি ঃ কুনশুবা শতাব্দিগী হৌগৎলকপদা মণিপুরী সাহিত্যনা নৌনা য়াকায়রকপা
মতমদা মণিপুরী অইবা, কবি ইরৈ লৈত্রিঙৈদা ডাঃ কমল মদোমতা ঙাইজখিবা।

তাও চেক্লা অমসু ঃ কবি খ্বাইরাকপম চাউববু অতোপ্পা চেক্লা অমগা চাংদম্নরি।

ইনক নক্লা ঃ লাপ্তবা; অনকপা মফম; মতাং অসিদা কবি চাউবনা ইম্ফাল মনুংদা লৈরগা
মণিপুরী সাহিত্যগী সেবা তৌরম্বদু খঙহল্লি।

নহাক লাকলে উবদা ঃ লৈলাংবী হায়বদি সাহিত্যগী মচাক খোমগৎলিবা মীশক অদু উবদা।

লৈম নিংথৌ হাক্তক্কী ঃ নিংথৌ পাল্লিঙৈ অরিবা মতমগী।

থাইনগী লৈরাং লৈনুংশি ঃ মমাংঙৈগী নুংশি নুংশিরবা ৱারীৱাখোঙ, থৌদোক-ৱাথোকশিং।

য়ারল পাৎকী তোমথিনলৈ ঃ য়ারল পাত্তা শাৎপা মসক্লাইবা লৈ; কোম্বিরৈ।
হায়নবা লৈ মদুদি মাইনুপেমচানা
বারুণী খুরুম্বা চৎপদা বোরাচাউবগা মাগা নুংশিনবগী খুদম ওইনা লম্ফেল পাত্তা হৌবা কোম্বিরৈগী চারা পুরগা য়ারলপাত্তা থাখিরম্মী।

মাইনু ঃ মাইনু পেমচা; বোরাচাউবগী প্রেমিকা।

| | | |
|---|---|---|
| লম্ফেল নাৰা | ঃ | লম্ফেলগী অঙাং; অসিদা লম্ফেল পাত্তা হৌরম্বা কোম্বিরৈবু খঙহল্লি। |
| পাম্মুবী | ঃ | নুংশিবী; মতাং অসিদা মণিপুরী সাহিত্যগী মচাক খোমগৎলিবী (লৈরাংবী) বু খঙহল্লি। |
| চীংখুবগী মমোমলোই | ঃ | মোইরাংগী চীংখুবা যুবরাজগী মজাইবেম্মা থোইবী। |
| শাবী মেলৈ-লাংবা | ঃ | খম্বা; খম্বনা মোইরাংগী থাংজিং লাই-হরাউবদা মেলৈ হায়বা লৈরাংবু লাংখি। (কৎখি) হায়দুনা মাবু 'মেলৈ-লাংবা' কৌই। |
| নূরা ঙাংঙরৈমা | ঃ | পুরেম্বগী তালোই; খম্বা অমসুং খমনুগী মমা। |
| নমখাং | ঃ | ইন্নবা ফি। |
| অমুদোন নোংয়াই | ঃ | খম্বা। |
| খোঙলৈ চাবী নুজা | ঃ | পুংলোনগী তাল চাননা জগোইশাবা হৈবী। |

## ৱাহং

**১। ৱাহংশিং অসি য়াম্না তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) 'কৈদনো অদুক খঞ্জানরিবা'- খঞ্জানরিবা অসি কনানো?

(খ) 'ও! থানিংবগী থাজবনি, ঐগী করি ইতিক লৈ!'- কনানা হায়বনো?

(গ) 'কাঞ্চি লৈকোল' হায়রগা করিবু খঙবগে?

(ঘ) 'খোন্নৌ নহা খোইনিং'- হায়রিবসি কনাবুনো?

(ঙ) 'নহাক লাকলে উবদা'-
মসিদা 'নহাক' হায়রিবসি কনাবুনো?

(চ) 'থাইনগী লৈরাং লৈনুংশি' হায়বসিনা করি খঙহল্লিবগে?

(ছ) 'মাইনু' হায়বীসি কনানো?

(জ) 'পাম্মুবী কাউরবা অদুঙৈ'- মসিদা 'পাম্মুবী' হায়রিবসি কনাবুনো?

(ঝ) কনাবু 'মেলৈ লাংবা' কৌবগে?

(ঞ) ঙাংখরৈমা কনানো?

(ট) 'অমুদোন নোংয়াই' হায়বসি কনানো?

২। **ৱাহংশিং অসি তেন্না খুন্মুঃ**

(ক) ‘খঙদবরা শকহেনবী
য়াহৌথেঙবী লৈরাংবী’-
কনানা হায়রিবনো? শকহেনবীগী অর্থ করিনো? ‘য়াহৌথেঙবী লৈরাংবী’ হায়বসিনা কনাবু খঙহনবগে?

(খ) ‘খোন্নৌ নহা খোইনিং অমা
খোংজরমই মখৌ পোঙনা’- পরেং অনীসিদা ফোঙদোকলিবা ৱাফম অদু করিনো তাকউ।

(গ) ‘ইনক নক্না তারো লাও,
শোকলবা খোঞ্জেলসে।’-
কনাগী খোঞ্জেলগী মরমদা হায়রিবনো তাকউ।

(ঘ) ‘অমুদোন নোংয়াই হক্তাকফাও
শীঙেল লৈপোপ কায়রমদে-লৈরিদো।’-
মসিদা পল্লিবা থৌদোক অদু করিনো খঙহল্লু।

৩। **মরী-মখোঙ তাক্নুনা শন্দোক্না ইয়ুঃ**

(ক) নাচোম লৈচন লৈচা ঙাক
থিসি লাও, য়েংসি লাও, মনসি লাও,
লৈহাউ লৈরেন হেকসি লাও-

(খ) লৈকোল অসি কুইদরি!
খোন্নৌ নহা খোইনিং অমা
খোংজরমই মখৌ পোঙনা
চেকলা মদোম ঙাইজখি
নীংঙমখিদে মহাকথক- কুইদরি!

(গ) য়ারল পাৎকী তোমথিনলৈ
নূরা পুক্নিং তাজনা
মাইনু মানা থারম্বদাই
লাইগী মচা কোম্বিরৈ
লম্ফেল নাৱা হায়নবদাই।

(ঘ) চীংখুবগী মমোমলোই
অমত্তা পোকপী থাদোইনা
শাবী মৈলৈ-লাংবগা
লাংমিন্নবা লৈরাংদো
লৈরাং লৈফম কায়দরি
— শাৎলিদো!

(ঙ) মপু মাগী পুক্লিংদি
থৱান মৈরা লিশিংনি
খোঙলৈ চাবী নুজাগী
থোকউ থোকউবা খুৎথেক্লি,
ফাইরেন থাগী লৈচিনগী
নীংলক নীংলকপা মওংনি।

(চ) আঃহ্ল নুংশি মঙলেন চুপ্পুনা
তুংগী লৈরাং পোমজরি
কুমগী নোংবু ঙাইজরি
অনৌবা কয়া শাৎলক্লি
তোমশাৎ পোমশাৎনরক্লি।

৪। **বাহংশিংসিগী পাউখুম শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

(ক) ‘লৈ-লাংবা’ শৈরেংগী ৱা-মচং ইয়ু।

(খ) ‘লৈ-লাংবা’ শৈরেংদা কবিনা হায়নীংলিবদু করিনো শন্দোক্লা তাকউ।

(গ) ‘লৈ-লাংবা’ শৈরেংদা কবিনা য়েকলম্বা মণিপুরগী মহৌশাগী লৈকোলগী নিংথিজবা শক্তমদু নশাগী লোন্না থাদুনা ইয়ু।

(ঘ) ‘লৈ-লাংবা’ শৈরেংগী ফজবদি লৈরি কবিনা সংকেত (allusion) অমসুং অনুপ্রাস (alliteration) শিজিন্নবদা’ হায়বসি কয়ামুক চুম্বগে খুদমগা লোয়ননা উৎলু।

# কৈরাক

**নোংথোম্বম শ্রীবীরেন সিংহ**

*(**নোংথোম্বম শ্রীবীরেন** (১৯৪৬-) উরিপোক, অচোম লৈকায়, ইম্ফালদা পোকই। অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংগী অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী শন্নাইরবা কবিনি। 'তোল্লবা শাদুগী ৱাখল', 'মসিনা ইম্ফালগী ৱারীনি', 'মপাল নাইদবসিদা ঐ' কৌবা শৈরেং লাইরিকশিং অমদি 'লৈচিল্লক্কী থাজ' (ৱারী মচা), 'হল্লকপা' (লীলা মচা) ফোঙখ্রে। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী সাহিত্যগী মনা অমদি সাহিত্য একাদেমী মনা ফংলবা কবিনি।*

*রাজনীতি দলগী মীরেপশিংনা মীরেপ লেপ্পা মতমদা মীয়ামদা মখোয়না হায়রম্বশিং কয়াদু থবক ওইনা পাংথোক্তদুনা মসাগী দল অমদি মসা মশাগীতা য়েংদুনা শেঞ্জা থুমজা কয়া তৌদুনা লৈরি। মসিনা মীয়ামগী অমাঙবতা নত্তনা লৈবাক্কীসু অমাংবা ওইরি। অসুন্না মীয়ামগী মতেংনা লৈবাক্কী অচৌবা ফম পায়খিবা অমসুং পায়রিবা মীওইশিংনা মীয়ামগীদমক্তা য়াইফনবা থবক অমত্তা তৌরক্তবা অসি খল্লুরগা কবিগী থম্মোয়দা নুঙায়তবা পেন্দবা ফাওরকপগী শক্তম অদু ঐখোয়না 'কৈরাক' কৌবা শৈরেংসিদা উবা ফংই।)*

ফিরাল য়ুংলুরবা তম্বদুনা
লাউরকই—
য়েংঙু ইতিহাসকী লম্বীনি
য়েংঙু,
মীওইবগী চাউখৎপা য়ৌবা কৈরাক্কি,
নঙসু কারকউ মসিদা
মীওইবগী মতীক মগুণগী

পজেঙ ফীরাল য়ুংলম্মু নঙসু।
ঐনা য়েংলুই
মদুদ ঐনা উই—
মী ময়াম অমা লৈবা
মী ময়াম অমা
মরাল লৈত্রবা গতি লৈত্রবা মী ময়াম
মকোকশিংদু লুকথৈ লোইনা
মফি মরোল নানবা কাঙবু অমনা
হোৎনরি কাগদবগী মীশিংদুগী মথক্তা
মরেংবান অমদগী মরেংবান অমদা
মরেংবান অমদগী মরেংবান অমদা
অদুগা মচিন্দা শোল্লি-
অসুন্না কাখিবা ঙাক্লি
মীগী থাক থাকসি নেৎ নেত্তুনা
মায় পাকখিবশিংদু;
মসিদি মহৌশাদগী তৌরকপনি।
মীয়াম অমনা মরু লুকথদুনা লৈরি
মীয়াম অমনা হোৎনরি কাগদবগী
মীয়ামদুগী মকোক্তা নেৎ নেত্তুনা।
মীয়ামশিংদুনা কাহনখি
মখোয়গী মথক্তা নেত্তুনা
মঙালগী লৈবাক য়ৌনবা
কাদ্রিঙৈদা ৱাশক্লম্মী মখোয়দা
ঐখোয় পূন্না চৎমিন্নরিবনি
মঙালগী লৈবাক তন্না
মঙালদুনা ঙানগনি ঐখোয়সু ঐসু।
অদুবু
মখোয়গীদি অমম্বা কোকত্রি ঙসিফাওবা
ঙসিফাওবা লুকথরি মকোক মখোয়গী

চৎহল্লি ঙসিফাওবা মখোয়গী মকোক্তা নেৎ নেক্তুনা
ঙসি ফাওবা
মী ময়াম অমা লৈরি মকোক লুকথদুনা
মী ময়াম অমনা হোৎনরি কাগদবগী
মীয়ামদুগী মকোক্তা নেৎ নেত্তুনা।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| কৈরাক | ঃ | অৱাংবা নত্রগা মথক্তা কানবা ৱানা, উনা, য়োৎনা শাবা পোৎ। |
| তম্বা | ঃ | নুপা |
| ইতিহাসকী লম্বী | ঃ | মমাংঙৈদগী চৎনরকপা। |
| মরাল লৈত্রবা | ঃ | অরানবা তৌদবা। |
| গতি লৈত্রবা | ঃ | উপায় লৈত্রবা। |
| অমমবা কোকত্রি | ঃ | অৱাবা কোকত্রি। |
| মকোক লূকথবা | ঃ | মকোক নোনবা। |
| মহৌশাদগী | ঃ | হান্নদগী। |
| মঙালগী লৈবাক | ঃ | চাওখৎপা লৈবাক। |

### ৱাহং

১। **ৱাহংশিং অসি য়াম্না তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) ‘কৈরাক’ হায়বা শৈরেংসি কবি কনানা ইবনো?

(খ) ‘মকোকশিংদু লুকথৈ লোইনা’- মকোক লুকথরিবশিং অসি কনা কনানো?

(গ) ‘মসিদি মহৌশাদগী তৌরকপনি’- করিবু মহৌশাদগী তৌরকপনি হায়রিবনো?

(ঘ) ‘মী ময়াম অমনা হোৎনরি কাগদবগী মীয়ামদুগী মকোক্তা নেৎ নেত্তুনা।’-
কাগদবগী হোৎনরিবা মী ময়াম অসি কনা কনানো?

২। **মখাগী ৱাহংশিং অসি তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) “ফীরাল য়ূংলুরবা তম্বদুনা
লাউরকই-

য়েংঙু ইতিহাসকী লম্বীনি
য়েংঙু।”-
পল্লিবা তম্বা অসি কনানো? ইতিহাসকী লম্বী হায়বসিনা করিনো?

(খ) ‘মফি মরোল নানবা কাঙবু অমনা
হোৎনরি কাগদবগী মীশিংদুগী মথক্তা।’-
‘মফি মরোল নানবা’ হায়রিবসি কনাবুনো?

(গ) ‘মখোয়গীদি অমম্বা কোকত্রি ঙসি ফাওবা।’-
কনাগী অমম্বনো কোকত্রিবসি? অমম্বা হায়রিবসিনা করিনো?

(ঘ) ‘কাদ্রিঙৈদা ৱাশক্লম্মী মখোয়দা।
ঐখোয় পুন্না চৎমিনন্নরিবনি।-
কনানা কনাদা করি ৱাশক্লম্বগে?

৩। **মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

(ক) ‘মী ময়াম অমা লৈবা
মী ময়াম অমা
মরাল লৈত্রবা গতি লৈত্রবা মী ময়াম।’

(খ) ‘মীয়াম অদু মরু লুকথদুনা লৈরি
মীয়াম অমনা হোৎনরি কাগদবগী
মীয়ামদুগী মকোক্তা নেৎ নেৎতুনা।’

(গ) ‘মখোয়গীদি অমম্বা কোকত্রি ঙসি ফাওবা
ঙসি ফাওবা লূকথরি মকোক মখোয়গী
চৎহল্লি ঙসি ফাওবা মখোয়গী মকোক্তা নেৎ নেত্তুনা।’

৪। **মখাগী ৱাহংশিং অসি শন্দোক্লা খুন্মুঃ**

(ক) ‘কৈরাক’ শৈরেংগী ৱামচং ইয়ু।
(খ) ‘কৈরাক’ শৈরেং অসিগী নুংগী ঈচেন অদু শন্দোক্লা ইয়ু।

# মঙাল

**শগোলশেম ধবল সিংহ**

*(**শগোলশেম ধবল সিংহ** (১৯৩৬-) হাইলাকান্দি জিলাগী সোইবম লৈকাইদা পোকই। গৌহাটী বিশ্ববিদ্যালয়গী এ. এ. নি। বিজ্ঞান অমদি অঙ্কদা ট্রেনিং কয়া ফংলবা ওঝানি। মথং মথং লোয়শঙ কয়াদা থবক তৌরবগী মতুংদা শিলচর পোলিটেকনিকতগী প্রোফেসর ওইনা থবক্তগী পোথাখি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ আসামগী প্রেসিডেন্ট ওইরম্বদা নত্তনা অতৈ সংস্থা কয়াগসু মরী লৈনৈ। মহাক্কী ফোঙলবা লাইরিকশিংদি 'সনরিক মচু' (শৈরেং), 'ঐ পোকপগী পুংজাদু' (শৈরেং) অমসুং "... ... অমসুং ৱারী খরা" (ৱারীমচা) নি।*

*শৈরেং অসিদা কবিনা হৌজিক্কী মীওইবগী সমাজ অমসুং সভ্যতা অসি চাউখৎপগী অৱাংবা থাক্তা য়ৌরবসু মসিদা অৱাৎপা, অশোয়বা ময়াম অমসু লৈরি হায়রি। মীওইবা সমাজদা লৈরিবা লৈচিলগী মশক ওইবা অমোৎপা, করাম্বা, কল্লক য়েংথিবা, হিংসা, মশাগী ওইজবা থিবা অসিনচিংবনা মীওইবগী চাউখৎ-লম্বীদা অপনবা ওইরি। অদুনা কবিনা হায়রি লৈচিলবু হাইদোকপিগদবা নুমিৎকী মঙাল মথৌ তারি। আশাবাদী ওইবা কবিনা থাজরি অমম্বা লৈচিল অসি নোংমদি শোয়দনা হাইদোকখিগনি নুমিৎকী মঙাল লাকপদা। অমম্ববু কোকহনবা ঙম্বা নুমিৎকী মশক ওইবা মীথোই-মীহেনবা কয়া থোরক্তুনা সমাজগী অমোৎ অকায়বু শেংদোক্লগনি। অহিং মমৈদা তাবা লীক্লানা নোংঙানগদৌরে, নুমিৎ থোরক্ক দৌরে, অমম্বা কোক্লগনি হায়বগী পাউজেল পীবগুম মীওইবা সমাজবু অচুম্বা মায়গৈদা লমজিং বিগদবা মীথোই-মীহেনবশিংনা হৌখ্রবা ইতিহাস নৈনদুনা সমাজ অমা শেম্নবা থবক পায়খৎলগনি।)*

হৌজিকমকসু নুমিৎ ময়াম থোরক্কদবা ৱাৎলি
মথং মথং

পৃথিবীসিগী অয়ুক ময়াম ঙাইদুনা লৈরি
পুঙজা খুদিংগী মীৎকুপ খুদিংগী
কূংলবা লৈচিল মপৈ নমখায়দুনা
পাউ লাকই
নুমিৎ লাক্লনি নুমিৎ লাক্লনি
অমম্বা মীৎকুপ কয়াদুনা পাউদম্মি
পৃথিবীসি নোংমা ঙাম্থোরক্কনি
মসি মী খুদিংমক্লা হায়
ঐসু খঙই
লীক্লাগী মখোলশিংদুনা
অরীবা ঈশৈগী খোঙ্গুল লীরগনি
অনৌবা খরা শেন্নবা।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| নুমিৎ ময়াম | ঃ | অমম্বা মাংহনবা নুমিৎকী মশক ওইবা সমাজগী অমোৎ-অকায় শেংদোকপা মীথোই মীহেনবশিং। |
| অয়ুক ময়াম | ঃ | অমম্বা নত্তবা অঙানবা মতম; অমোৎ অকায়, কল্লক-য়েংথিবা লৈতবা সমাজ। |
| অমম্বা মীৎকুপ | ঃ | অমোৎ-অকায়, মীনম-শোরিবনা থনবা মতম। |
| কুংলবা লৈচিল মপৈ | ঃ | সমাজদা লৈরিবা তমথীনা মোৎলবা, শাজৎ-লীচৎ। |
| লীক্লাগী মখোল | ঃ | লীক্লানা তপ তপ তারকপগী মখোল; লীক্লা তারকপদা নোংঙাল্লকপগী ইঙ্গিত পী; অনৌবা অওনবা লাকপগী পাউজেল। |
| অরীবা ঈশৈ | ঃ | হৌখ্রবা ইতিহাসকী ৱারী। |

## ৱাহং

১। **ৱাহংশিং অসি য়াম্না তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) 'নুমিৎ ময়াম থোরক্কদবা ৱাৎলি' হায়বসিনা করি খঙহনবগে?

(খ) 'কুংলবা লৈচিল মপৈ নমখায়দুনা'- মসিদা 'লৈচিল মপৈ' হায়রিবসি করিনো?

(গ) 'অরীবা ঈশৈগী খোঙ্গুন লীরগনি'- মসিদা 'অরীবা ঈশৈ' হায়রিবসি করিবুনো?

২। **ৱাহংশিং অসি তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) 'পৃথিবীগী অয়ুক ময়াম ঙাইদুনা লৈরি' হায়রিবসিনা করি খঙহনবগে?

(খ) 'নুমিৎ লাক্লনি নুমিৎ লাক্লনি'-
মসি কদায়দগী লৌখৎপনো? মসিনা করি খঙহল্লিবগে তাকউ।

৩। **মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

(ক) হৌজিকমকসু নুমিৎ ময়াম থোরক্কদবা ৱাৎলি
মথং মথং
পৃথিবীসিগী অয়ুক ময়াম ঙাইদুনা লৈরি।

(খ) অমম্বা মীৎকুপ কয়াদুনা পাউদম্মি
পৃথিবীসি নোংমা ঙানথোরক্কনি

(গ) লীক্লাগী মখোলশিংদুনা
অরীবা ঈশৈগী খোঙ্গুল লীরগনি
অনৌবা খরা শেন্নবা।

৪। **মখাগী ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

(ক) 'মঙাল' হায়বা শৈরেং অসিগী ৱা-মচং নশাগী লোন্না ইয়ু।

(খ) 'মঙাল' হায়বা শৈরেং অসিদা কবিনা হায়নীংলিবদু করিনো শন্দোক্লা তাকউ।

(গ) 'কুংলবা লৈচিল মপৈ নমখায়দুনা
পাউ লাকই
নুমিৎ লাক্লনি নুমিৎ লাক্লনি'-
থাংগৎলিবা শৈরেং মতেক অসিদা চেন্নরিবা নুংগী ভাব অদু করিনো শন্দোক্লা তাকউ।

# ইতিহাসকী তিনশিল্লবা মনম্

**সৌগাইজম ব্রজেশ্বর সিংহ**

*(**সৌগাইজম ব্রজেশ্বর সিংহ** (১৯৩৬-২০০৯) কাছাড় জিলাগী বড়খলাগী চিত্রাঙ্কন খুনদা পোকই। গৌহাটি বিশ্ববিদ্যালয়গী এম. এ. বি. টি. নি। এডুকেশন ডিপার্টমেণ্টকী ওফিসর ওইরম্মী। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসামগী জেনরেল সেক্রেটরী অমসুং মথংদা প্রেসিদেণ্টসু ওইরম্মী। গণতান্ত্রিক লেখক সংস্থাগী সভাপতিসু ওইরম্মী। ইংকুম ১৯৯০ দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা কামিনী কুমার এৱার্ড পীখি। মণিপুরীদতা নত্তনা বাংলা অসমুং ইংরাজীদসু ইরম্মী। মহাক্কী ফোঙলবা লাইরিকশিংগী মনুংদ পনবা য়াবা খরদি 'পিদোন্না হায়জবা' (শৈরেং), 'অশংবা ঈথক' (শৈরেং)', 'হাঙোই খোংবদসু লিঙ্গ হোংবদসু ' (শৈরেং), 'কখোকপা' (উপন্যাস), 'অনৌবা মণিপুরী কবিতাগী শক্লোন' (নৈনবা), 'ওঁ বিষ্ণু বিষ্ণু' (শৈরেং) অসিনচিংবনি।*

*ভারত জাতি মালেমগী ইতিহাসনা মশক খঙলবা নীংতম্লবা জাতিনি। রামায়ণ মহাভারতকী ৱারী, বৌদ্ধধর্মগী অচুম্বা পাউতক, রামচন্দ্রনা প্রজাগীদমক লৈবাক ঙাকখিবা; কর্ণনা মাগী ওইজবা থাদোক্কুনা কবচ কুন্দল দান তৌখিবা অসিনচিংবা আদর্শগা লোয়নন ধর্মদা য়ুমফম ওইরগা অচুম্বা চৎলম্বা লৈবাক্কী। মসিনি মমাংঙৈগী রাজনীতিগী ইতিহাসতি। সংবিধানগী ময়েকশিং অচুম্বনি, ফজবনি, প্রজাগী খন্দনা ইবনি। অসিগুম্লবা ভারতকী অৱাংবা আদর্শদা য়ুমফম ওইদুনা লৈরক্লুবা মীয়াম্না ঙসিদি আদর্শ শিং অসি কাউদুনা মখোয় মখোয়না তৌরিবশিং অদুনা অচুম্বনি, মুক্তিগী পাম্বৈনি, শান্তিগী লম্বীনি হায়দুনা অচুম-অরান থিদনা অকনবনা অশোনববু তুহৎপীরি। অদুনা মীনা মীবু চাওখৎলে হায়না লাউনরি। মসিনা ঙসিগী রাজনীতিগী ইতিহাসনি। কবি সৌগাইজম ব্রজেশ্বরনা ঙসিগী মাংথরক্লুবা রাজনীতিগী মওং অসি উবদা মপুক্কিংদা নীংঙমদবা পোকপদু 'ইতিহাসকী তিনশিল্লবা মনম' হায়বা শৈরেংসিদা ফোঙদোকলি।)*

নংগী করি ৱাহং লৈরি?
মসিনি ঐখোয়না হংলিবা
অসুক লিক্খ্রবা মতমদা
জাতি অমা করম্বা লাইৱানা
মালেমগী অথোইবা জাতি ওইখিবা
ইতিহাসনা সাক্ষীনি।
লাইৱাদো অচুম্বনি
নংনা ঐনা পাম্বা পামদবা
মদুগী ৱাফমনা অতোপ্পনি।

খরা থাদোকপা তাই
খরা লৌশিনবা তাই।

য়াম্না হৈশিংনা খোংথাং থাংবা তাই।
য়াম্না হৈশিংনা খোংথাং থাংবা তাই।

রামায়ণ মহাভারতকী যুগদি
রামায়ণ মহাভারতকী মতমনি।

ঙসিদি ওইররে ঐখোয়দা
ঙসিদি ওইররে ঐখোয়দা
চাউরবা মঙ চাউরবা মঙ।
অদুনা শান্তিগী পাম্বী থিবদা
চোকথরবা ঐখোয়পুম্বা ঐনা ঐঙোন্দা
হংদে ‘ঐ’ গী অচুম্বদো
হংদে ‘ঐ’ গী অচুম্বদো।

বুদ্ধধর্ম
উজাউ অদো খঙলবরা শেংনা?
অফবা ফৎতবা
প্রজাগী মীংদা রাম
রাজনীতিগী অচুম্বা ধর্ম?

নোক্না নোক্না দানবীর কর্ণ
করম্বা ন্যায়গী মালেমদা লেপ্লুনা
দ্রৌপদীগী ফিজেৎ নংনা
দুঃশাসনদা দান তৌখিবা?
অচুম্বা রাজনীতিগী ধর্মরা?
মসিনি পার্টি পলিটিক্সকী ধর্ম
মসিনি মীচং মীখাইগী ধর্ম?
অদুগা কৃষ্ণনা নোক্না নোক্না য়েংঙি
অদুগা অর্জ্জুন্না নোক্না নোক্না য়েংঙি।

ওঁ বেদমন্ত্র ওঁ
নংগী সৃষ্টিগী শেমগৎ শাগৎপা
লোইদ্রিবা ঈচেলদা মাংখি
দ্রৌপদীগী অৱা খোংথাংপূম্বা
অদুনা 'মী' না মীবু
চাউখৎলে হায়না লাউরিবা।
মসিনি রাজনীতিগী ধর্ম।
'মী' গী খোংথাং 'মী' গী খোংথাং
পঞ্চভূতনা য়েংদুনা নোক্লি।

সংবিধান ময়েক
চেনলি ঐখোয় ইরক্তা
ফৎত্রবা মহিক কয়াগা লোয়ননা।
মুক্তিগী মুক্তি ঐখোয়গী মুক্তি
জাতিগী য়ুম্বীরেন নেহেরু
নংনা করম্বা মুক্তিলম্বেল
ঐখোয়দা তাকপিরম্বা?
ইমা নংগী খোল্লাং থক্তুনা
চাউজরকপা নচাশিংনা
ইমা নংগী হকচাং

লায়না পূম্বগী মহিকতগী
কন্নবা করম্বা লাইৱানা?
চিংনবা লৈতনা কবিনা হায়রি
লিকখ্রবা মতমদা জাতি অমা
মকোক হায়গৎলকপা রাজনীতি ধর্ম
মালেমদা; কনানো 'মী' ওইখিবা?

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শব্দোক্না তাকপা**

| | | |
|---|---|---|
| লাইৱা | ঃ | লাইগী পাউতাক, মন্ত্র। |
| শান্তি | ঃ | অচিকপা, অইংবা। |
| চোকথরবা | ঃ | ৱারবা। |
| ন্যায় | ঃ | অচুম্বা। |
| সৃষ্টি | ঃ | শেমগৎপা, শাগৎপা |
| মুক্তি | ঃ | অরান খুভম। |
| পঞ্চভূত | ঃ | মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈবাক, অতিয়া অসিবু পঞ্চভূত হায়না খঙনৈ। শৈরেং অসিদা থৱায় ওইনা লৈরি। |
| সংবিধান | ঃ | চৎনরোল; লৈবাক্কী চৎনবী আইন্নচিংবা ইদুনা থম্বা লাইরিক। |

**ৱাহং**

**১। মখাগী ৱাহংশিং অসি য়ান্না তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) 'লাইৱা' গী অর্থ করিনো?
(খ) 'ইতিহাসকী তিনসিল্লবা মনম'- শৈরেং অসি কনানা ইবনো?
(গ) 'উজাউ অদো খঙলবরা শেংনা?'- মসিদা 'উজাউ' হায়রিবসি করিনো?
(ঘ) 'সংবিধান' হায়বসি করিনো?

**২। ৱাহংশিং অসি তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) রামায়ণ মহাভারতকী ৱারীনা করি পাউতাক পীবগে?

(খ) কর্ণনা করি পোৎশক দান তৌদুনা দানবীর কর্ণ মীংথোল ফংখিবগে?

(গ) 'ইমা নংগী খোল্লাং থক্তুনা
চাউজরকপা নচাশিংনা।'
পল্লিবা 'ইমা' অসি কনানো? 'নচাশিং' হায়রিবসিনা কনাবুনো?

(ঘ) পঞ্চভূত হায়রিবসি করিনো?

**৩। মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

(ক) 'করম্বা ন্যায়গী মালেমদা লেপ্তুনা
দ্রৌপদীগী ফিজেৎ নংনা
দুঃশাসনদা দান তৌখিবা?'

(খ) 'অদুনা 'মী' না মীবু
চাউখৎলে হায়না লাউরিবা
মসিনি রাজনীতিগী ধর্ম্ম।'

(গ) 'সংবিধান ময়েক
চেনলি ঐখোয় ইরক্তা
ফৎত্রবা মহিক কয়াগা লোয়ননা।'

**৪। মখাগী ৰাহংশিং অসি শন্দোক্লা খুন্মুঃ**

(ক) বুদ্ধ ধর্ম্মনা করি পাউতক পীরম্বগে? পাউতাকশিং অদু শন্দোক্লা ইয়ু।

(খ) 'ইতিহাসকী তিনশিল্লবা মনম্' শৈরেংগী নুংগী ভাব শন্দোক্লা ইয়ু।

(গ) 'ইতিহাসকী তিনশিল্লবা মনম' হায়বা শৈরেংগী ৰা-মচং ইয়ু।

# মেরা থাজ শকহেনবী

খৈরুদ্দিন চৌধুরী

*(**খৈরুদ্দিন চৌধুরী** (১৯৩৯) কাছাড় জিলাগী মনুং চনবা বাদৃপার খুন্দা পোকই। গৌহাটী বিশ্ববিদ্যালয়গী এম. এ., বি. টি. নি। এডুকেশন ডিপার্টমেণ্টকী ওফিসর ওইরম্মী। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসামগী প্রেসিদেণ্ট ওইরম্মী। ইংকুম ১৯৭৬ তা 'মিনোক পিরাংগী মিৎকুপ অনিদং' হায়বা শৈরেং লাইরিক্তা কামিনী কুমার এৱার্ড ফংখি। ইংকুম ১৯৯৫ দা মণিপুরগী ইসলামিক কলচরেল এসোসিয়েশননা 'সায়রে আজম' মনা পীখি। বাংলা, ইংলিশ অমসুং মণিপুরী পুন্না লাইরিক তরাখক ফোঙখ্রে।*

*মেরাদা থোকপা থাজবু কবিনা নোংমদোনগী লৈমা অমগী মশক ওইনা উই। অতিয়াদা থাজনা মালেম সিনবা থুংবা ঙাল্লকপদা পূন্নমক্কী পুক্লিং শুমহৎহল্লি। মেরা থানা চঙলকপদা থরো থম্বালনচিংবা মপুং ফানা শাৎকায়রকই। ফৌনাগী শংবান্নরবা মচুদা থাজগী মঙাল তাবদি লৌমীশিংগী পুক্লিং শুমহৎহল্লি। অসুন্না মহৌশাগী ফজরবা দৃশ্যশিংগী মথক্তা থানা লৈতেংলিবা অদু উরুরগা পুক্লিংদা নুংঙায়বগী ঈথক-ঈপোম ফাওরকপা অদু কবিনা শৈরেং অসিদা ফোংদোকলি।)*

নোংজু থাগী অতিয়াদা উঙমদনা উরিবী ও;
নোংমদোনগী লৈমা ও, নীংথিজৈদা ফজৈদা!
কুপফেৎ কাপফেৎ তৌবদি নশক্তমবু লোৎপরা?
তাইবঙ পূক্লীং হুনফম মেরা থাগী থাজ ও!
কায়ন মৈশা লাংলবী থম্বাল মানা উরগা
তনিক তনিক শাৎলক্লে ওইনচাউবী মহাক্লা।

মপান নাইদবা সংসারদা অৱানুঙাই ঈপাক্তা,
নোংজু থানা লোইবদা, পিরাং লাঈজনা খম্বদা,

তুমখূন হুনখ্রবা খুঙ্গংগী শংবান্নরবা উনাথক্তা,
মূ-না মূ-না য়েংলিবী নোকমি নোকমি মায়থোংদো;
নোংমদোনগী লৈমা ও নীংথিজৈদা ফজৈদা
লৌমী-পাখং কয়াগী নুংশি মৈচাক কোক্লরি
চাংদম্বদা পেন্দবা নহাক্কী শক্তমদা।

অৱা পোৎলুম পুঙমদ্রবা লৌমীশিংগী পুন্সিদা,
কুমগী তমথিরবা তাংলৌ মানা লোয়খ্রবদা,
লৌমীশিংগী মিৎস্না থন্না মঙলান পুরকপোই।
শংবানবা লৌবুক্তা ফৌনাশিংগী জগোয়দা,
মতু পোন্‌বা পঙ্থৌগী পারী-মমোম কয়াগী
কায়রবা থম্মোইদা নীংথুং ৱাখল পোকহল্লি।
মেরা থাজ শকহেনবী, মালেম কোয়না ঙাল্লিবী
চেংলৌ নঙগী উবদা থম্মোই মানা পেনজবা
লৈচন চানা লৈরাংজবা ঙমজদে ঙমজদে।
লাঈজ ঈরা খিকপদা লৈরাংশিংনা তেকখৎপগুম
লৈরাং মাগী মতেংনা লৈকোন থুংনা ঙানবগুম,
থম্মোই ঐগী লায়ূমদা ৱাখল-জোৱার কারক্লেদো।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| নোংমদোনগী লৈমা | ঃ | অতিয়াদা থোকপা থা। |
| কায়না মৈশা লাংবা | ঃ | কায়নবগী অৱাবা ফংবা |
| তনিক তনিক | ঃ | লেংলি লেংলি |
| অৱানুঙাই ঈপাক্তা | ঃ | অৱা-নুঙাই পুন্সিদা |
| পিরাং লাইজ | ঃ | মীৎকী পি। শৈরেং অসিদা নোংজু থাবু খঙহল্লি। |
| চেংলৌ | ঃ | মশক |
| নীংথুং | ঃ | মনিং থুংবা, নীংবা থুংবা। |

## ৱাহং

**১। ৱাহংশিং অসি য়াম্না তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) 'মেরা থাজ শকহেনবী' শৈরেং অসি কনানা ইবনো?

(খ) 'নোংমদোনগী লৈমা' হায়রগা করিবু খঙঙি?

(গ) 'চাংদম্বদা পেন্দবা নহাক্কী শক্তমদা।' পল্লিবসি কানগী শকতমনো?

**২। ৱাহংশিং অসি তেন্না খুম্মুঃ**

(ক) 'নোংজু থাগী অতিয়াদা উঙমদনা উরিবীও।' উঙমদনা উরিবসে করিনো? করি মরমদগী উরিবনো?

(খ) 'কায়রবা থম্মোইদা নীংথুং ৱাখল পোকহল্লি।'- কনানা কনাগী নীংথুং ৱাখল পোকহল্লিবনো?

**৩। মরী-মখোঙ তাক্কুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

(ক) 'নোংমদোনগী লৈমাও নীংথিজৈদা ফজৈদা
লৌমী-পাখং কয়াগী নুংশি মৈচাক কোক্লরি
চাংদম্বদা পেন্দবা নহাক্কী শক্তমদা।'

(খ) 'মেরা থাজ শকহেনবী, মালেম কোয়না ঙাল্লিবী
চেংলৌ নঙগী উবদা থম্মোই মানা পেনজবা
লৈচন চানা লৈরাংজবা ঙমজদে ঙমজদে।'

**৪। মখাগী ৱাহংশিং অসি শন্দোক্লা খুম্মুঃ**

(ক) মেরাগী থাজনা লৌমীশিংগী ৱাখলদা করি করি খলহনবগে?

(খ) 'মেরা থাজ শকহেনবী' শৈরেংদা কবিনা করি করি ফোংদোক্লম্বগে? শন্দোক্লা ইয়ু।

(গ) 'মেরা থাজ শকহেনবী' হায়বা শৈরেংগী ৱা-মচং ইয়ু।

****